মণিপুর অমসুং মণিপুরী সংস্কৃতি

(অহানবা শরুক)

ডাঃ হাওরোংবম রাজমনি

মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ   আসাম

মণিপুর অমসুং মণিপুরী সংস্কৃতি

(অহানবা শরুক)

অইবগী ফোঙথ্রবা লাইরিক : *অশম্বা জবত্তকী কাব্য কাঙলোন*, ২০০৩।

মণিপুর অমসুং মণিপুরী সংস্কৃতি

(অহানবা শরুক)

ডাঃ হাওবোংবম রাজমনি

মণিপুবী সাহিত্য পবিষদ, আসাম

২০০৫

Manipur Amasung Manipuri Sanskriti (Ahanba Sharuk)
A book on Manipur and Manipuri Culture (First Part) by Dr Haorongbam Rajmani,
First Published in Cachar by Manipuri Sahitya Parishad, Assam in 2005
Pp xii + 88 Price Rs 100 00

Cover Design Mutum Dinamani Mangang

অহানবা ফোঙবা ঃ মার্চ, ২০০৫
লাইবিক মশীং ঃ ১০০০
অফোঙবা ঃ মণিপুবী সাহিত্য পবিষদ, আসাম।
টাইপ সেটিং ঃ কালা প্রিন্টিং বার্ক্স, লক্ষীপুব ফুলেবতল, কাছাড ঃ আসাম।

মমল ঃ লুপা ১০০৲

পাম্বৈগীসু গুরু
গুরুশিংগীসু গুরু
মায়চৌশিংগীসু মায়চৌরেণ
ঐখাক্তীদি ইথৌ
পদ্মশ্রী নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র
সাহিত্য অকাদেমী ফেলো এৱার্ডগী খুয়াদা

য়ারোল অমা

ডাক্তর হাওবোংবম রাজমনিনা ইবা "মণিপুর অমসুং মণিপুরী সংস্কৃতি (অহানবা শরুক)" কৌবা লাইরিক অসি মণিপুরী জাতিগী মশক অমসুং নাৎপু শন্নপ্না মশক তাকপা লাইরিকনি। লাইরিক অসিদা মণিপুরগী হান্না মমাঙওঁদা খঙনবম্বা অমসুং হৌজিক খঙনরিবা মিংথোলগী মরমদা উৎলি, লোয়ননা ঙমখৈগী মতাংদা থিজ হুমজদুনা অফংবা য়াবোল খর অইবনা উৎলিরসি যান্না মরু ওইবা অমনি। লৈবাক অসিগী মনীং মখা তম্বা মৈতৈ নিংথৌশিংনা পাল্লিঙৈ মতমদা মখোয় মখোয়গী মপাম্বোম মপাঙ্গলতনা মী কাঙলূপ/ফুব্দপ কয়া জয় তৌদুনা লৌশিল্লম্বা লমদমশিংগী লমখৈ পুথোক্তুনা নৈনরি।

অইবনা অনীশুবা পন্দুপতা সাইন্টিফিক এপ্রোচতা মৈতৈ জাতিগী মশক তাক্লবা হোৎনরি। মালেম তাইবংপানদা 'মী' হায়বা থব্রায় পানবা কাঙলূপসিগী হৌবকফমগী য়াফম তংতানা লেপ্না ঙমদ্রিবা ওইদুনসু মণিপুরদা মীওইবা জাতিনা অহানবা ওইনা খুন্থোবকপা অমসুং অরিবা নূঙগী চক্কী মতুং তানা ময়ায় ওইবা অমসুং অনৌবা নূঙগী চকশিং পরীং চথবকপগী অমসুং লৈবাকসিদা খুন্দা লৈতাববনচিংবগী লমদাংশিং মৈতৈগী অরিবা লাইরিকশিং, আর্কিওলোজি অমসুং এনথ্রোপোলোজিগী অফংবা পোৎশকশিংগী মতেংগা লোয়ননা উৎলি। অদুগা ঐতিহাসিক যুগকী মতমদা লৈবাকসিগী য়াংমদগী খুন্থোক্লকপশিংগী চাদা-নাওদা যুম্নাক শাগৈগা লোয়ননা উৎলি।

অদুগা অহুমশুবা পন্দুপতা অইবনা লোনগী মতাংদা অঙনবা মতমদা মণিপুরদা তোঙান-তোঙানবা কাঙলূপ কয়ামকম্না মনীং মখা তন্না পাল্লম্লবসু মৈতৈলোন্না রাজভাষা ওইবম্মী হায়না উৎপগা লোয়ননা মণিপুরগা য়ূমথংনরিবা লৈবাকশিংগা লোনগী মান্নবা মশক কয়া তাক্তুনা মৈতৈলোনবু তিবেতো বর্মন কাঙলূপকী মনুংদা থন্নি। ময়েক্কী মতাংদসু হৌজিক চয়েৎনদুনা লৈরিবা মশীংগী মতাংদা তোঙান তোঙনবা খূদম চাংদম পীদুনা নৈনরি। অদুগা ময়েক্কী খোন্থোক্কী মতাংদা সাউথ ইষ্ট এশিয়াদা ভাঙনরিবা লোনগী ময়েক্কী খোন্থোক কয়ামকম চাংদম্নদুনা তাক্লি।

মরিশুবা পন্দুপতা মৈতৈ মশাগী ওইবা লাইনীং লীচৎকী মতাংদা মশক তাক্লবা হোৎনরি। মৈতৈ জাতিনা হিন্দু লাইনীংলোন লৌদ্রিঙৈ মতমগী লাইনীংলোনগী শক্তম অমা মপুঙ ফাবমক নৎত্রবসু মশাগী লাইনীং লীচৎ লৈজবম্মী হায়বদু ফাওবদি তাক্লি। মতাং অসিদা কবি থাদা কবম্বা লাই খুবমগদগে অমসুং শিবগী মখৌ মঙম তৌবগী লমদাংদা নৈনদুনা চাওবাকপা লাইনীংলোনগী লায়াৎ অমা পুথোক্লি।

লাইবিকসিগী অচৌবা কযাৎ অমা ওইনা মভাগুবা পন্দুপতা মৈত্রবাক্কী ইতিহাসনা হৌবকপদগী খৃষ্ট ১৮৯১ ফাওবগী লৈভাক্লোনগী শক্তম অমা শাগৎলি। মতাং অসিদা করম্বা কবম্বা নিংথৌ হাক্তক্তা কবি কবি ফম হাপখিবগে হায়বনচিংবা কৃপ্পা নৈনবি।

তরুকগুবা পন্দুপ্তা 'লাম্লুপ' হায়বা লৈবাক মীয়াম্না মশানা য়ানা লৈভাক্লোনগী লমদাংদা মশাগী থৌদাং পুথোক্কুনা লৈবাক-থৌগায় য়াবসিনা হেক হৌরকপদগী লৈভাক্লোনগী মথবায়-মমি ওইদুনা লাক্লিবনি হায়বসি খঙনা অইবসিনা পুথোক্কুনা উৎলি।

তবেৎগুবা পন্দুপ্তা খুনাইগী শেন্দান-শেনচৎলোনগী লমদাংদা মৈতৈগী ফিশা-লোনশা অমসুং ফিজেৎ-লৈতেংগী মতাংদা নৈনবি। মৈতৈনা মতৌ কবম্না কবম্বা মতমদগী ফিশা-লোনশাগী রাখল লৈবকই লোয়ননা ফৈজোম, কোয়েৎনচিংবা মখল কয়া থোক্লা খায়দোক্কুনা শেৎন-য়েৎনবম্মী হায়বদুময়েক শেংনা তাক্লি।

অবোইবা পন্দুপ ওইনা মীওইবগী খুন্নাইগা থাদোক্কবা যাদ্রবা 'লৌন-লৈনবা' হায়বা অকুপ্পা নিয়মসিগী মতাংদা খবা মখৈ পুথোক্কুনা উৎলি।

মথক্তা পীথ্রিবা রাবমশিংসি অইবনা লৈচন ওইনা পুথোক্কুনা মৈতৈ জাতিগী মচৎ-মনাৎ, লোন-ময়েক্লচিংবগী মশক অমা তাক্লি। মসিমক মৈতৈ হায়বা জাতিগী মীওই খুদিংমক্লা তঙাইফদনা খঙদ্রবা য়াদ্রবা অমনি হায়নীংই লোয়ননা অইববুসু মহাক্লা কৃপশ্র-লুখ্রবা হীরমসিদা খুৎ থাবগীদমক থাগৎতবা ঙমদে। অমুক্তা হন্না পায়খৎত্রিবা হীবম কয়াদা পাক-শন্না খুৎ থাবক্লগদি মণিপুর অমসুং মণিপুরীগী ওইনা অচৌবা কান্নবা হায়বদু ওইগনি। তৌবকপসু ওইসনু।

ব্রহ্মপুর, থাঙ্গপাৎ মপান, ইম্ফাল
১৭-০২-২০০৫ ইং

বি. কুলচন্দ্র শর্ম্মা

অফোঙবগী রাহে খরদং

ডাঃ হাওবোংবম বাজমনিগী "মণিপুব অমসুং মণিপুবী সংস্কৃতি" (অহানবা শরুক), মণিপুবী সাহিত্য পবিষদ, আসামনা পুথোকচবি। অইবনা য়াম্না মতম চঙ্না হোৎনদুনা মণিপুব অমসুং মণিপুবী সংস্কৃতিগী মবমদা মবী লৈনবা লাইবিক লাইশু অমদি চে-চাং কয়ামবোম নৈনদুনা লন্নাইগী ওইবা মীৎয়েং কয়া থম্বিদুনা ইবিবা নৈন-লাইবিকসিনা শোযদনা অপাবশিংদা কান্নবা খবা পিবা ভম্মবদি ফোংজবিবা ঐ খোয়গী হোৎনজমল মহৈ যাল্লে খনজগনি। লাইবিকসিদা ফোঙদোক্লিবা অইবগী মীৎয়েং খুদিংমক্কী বেসপোনসিবিলিটি অইবগীনি।

লাইবিকসিবু শোযদ-ভামদনা, চেকশিন্না নমথোকতুনা পুথোক্লবা লাক্লবিবগীদমক হাওবোংবম লোযাবাকপা, কম্পোজিটব, কালা প্রিন্টিং বার্ক্সপু পবিষদকী মায়কৈদগী থাগৎচবি।

শিলচব
০৪/০৩/০৫ ইং

এম. সূর্য্যকুমার শার্ম্মা
জেনবেল সেক্রেটাবী,
মণিপুবী সাহিত্য পবিষদ, আসাম

ৱাহৌদোক

মৈতৈ মচা অমা ওইরুবনা হৌরকফম লমদম, ইমা লৈবাক ইজাতিবু নুংশিজরুই। খণ্ডনীংলুই হীরম খুদিংমক ইরৈবাক ইজাতিগী, খণ্ডদবা য়াদবগী তণ্ডাইফদবসু ওইবকখি মীতোপশিংগা পুন্না তিন্নবা লৈমিন্নরুবনা। ৱাহং কয়াসু হংলকখি মীতোপশিংনা ইরৈবাক ইজাতিগী মরমদা, খুম্বা ঙমদদুনা মায় ঙাংখিবসু কয়ানি। অসিগুম্বা ইকায়বা নংখিবগী খুদোংথীবা অসিদগী ইশাদা খণ্ডনীংলুবগী ইথ্না থিজিনজরুবা খবগা, ঐগী ইথৌ পদ্মশ্রী নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্রগা চহী ১৫/১৬মুক লোয়নজরকপগী মহৈগা পূনশিন্নগা ইজখিবা লাইরিক্কি।

লাইবিক অসি মপুঙ ফানবা হোৎনজবকপদা অবাম্বম বোমাবাইনা পূন্নীং থৌগৎপিবা অমসুং মচাক কয়া খোমজিনবদা মতেং পাংবিখি। অদুগা, ঐবু ইখুৎ পায়দুনা তম্বীবকপা ওজা এলাংবম দীনমনি অমসুং ওজা ওইনাম ইবোচাউবনা লাইবিক অসিগী মবমদা পাউতাক কয়া পীবিরকখি। মসিমক্তা ঐঙোন্দা চেকশিনবা হায়বদু ওইহনখি। মথংদা ঐবু চহী ১৫/১৬কী মমাঙদগী মচাগুম্না নাওকোনবিবক্তুনা হীবম খুদিংমক্তা অশোয়-অঙাম, অৱাৎ-অপা কয়া মেনশিনবিখিবা ঐগী গুরু পদ্মশ্রী শৌগাইজম্ থানিললনা পাউতাক কয়া পীবিবগা লোয়ননা লাইবিক অসিগী মতাং খবদা অৱাৎপা মেনখৎপিখি। ঐগী ইথৌ পদ্মশ্রী নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্রনসু অবিবা মেন্যুস্ক্রপ্ত কয়া পাহনবিবগা লোয়ননা লাইরিক অসিগী তাংকক খরদা পামিন্নদুনা শেমদোক শেমজিন তৌমিন্নখি। মথংদা ওজা ব্রহ্মচারিময়ুম কুলচন্দ্র শর্ম্মানসু অবিবা লাইবিক কয়া পাহনবিখি লোয়ননা লাইবিকসিগী মবমদা ৱাহৈ অমনিদং ইবিয়ু হায়জরুবদা তবাম তবান্না ইবিবকই। অসিগুম্বা ময়াম অসিগী মতেং নংলমদ্রবদি লাইরিক অসি মপুং ফাবা ঙম্নব্রোই লোয়ননা পুন্নমকপু তৌবিমন খণ্ডবা উৎচবি।

ঐগী লাইবিক *মণিপুব অমসুং মণিপুবী সংস্কৃতি (অহানবা শরুক)* হায়না মিংথোনবা লাইবিক অসি ফোঙদোকপগী দায়িত্ব পুন্নমক মণিপুবী সাহিত্য পবিষদ, আসামনা লৌবিবগীদমক মতম লৈবা খিবিক্তা মণিপুবী সাহিত্য পবিষদ, আসামবু কাওজবোই।

বনতাবাপুব, কাছাড। — হাওরোংবম ৱাজমনি

তাং১৪/০২/২০০৫ ইং

হীরম - লামায়

অহানবা পন্দুপ

মৈতৈ লৈবাক্কী মিংথোল অমসুং ঙমখৈ

মিংথোল

মৈতৈ লৈবাক অসিগী মিং অসি তোঙান-তোঙানবা লাইবিকশিংদা তোঙান-তোঙানবা মিং থোল্লম্বগী বাফম থেংনৈ। মদুদি - *শৌবোন লাইবেম্বী* কৌবা লাইবিক্তা হয়িচক্কী মতমদা "লাংবচক", মথংদা "মুবাপল্লি" অমসুং পোইবৈতোন্না খুম্থোকঔদেগী "পোইবৈ মৈতৈ" হায়না কৌনবম্মী হায়না পল্লি।[১] *শাকোক লমলেন অহানবা* হায়বিবা লাইবিক অসিদনা "পোইবৈ নমথক শাবোল পুং" হয়িচক্তা "তিললি কোকতোং অহানবা" খুনুং চক্তা "মিবা পোংথোকলম" লাংবচক্তা "হান্না সেম্বা কোন্না লোইবা" কোন্নচক্তা "মুবা পাললি" কৌই হায়না পল্লম্মী।[২]

মণিপুব হায়না কৌখিবগী মতাংদা অসুম্না পল্লি

> বংশ নঙগী শাগেবেনসুং নুমিৎ মহুমনুংগী মনি নোংলুম য়াইবংচানবু ওইনা খুনগুম্বনে হায়য়ে। অতুসুং মদোমদে। সুরুং মযায কোয়বেন অহোবনসুং মালেম লয়বোন ফাওযে। অসুম হায়না পাউখুম্বা অসিবু কোনুং অবায়বা বাংঙম অচম্ববু নত্তে। লৈবাক মমিংথোংদি মণিপুব লৈময়োন হায়না মিংথোনসে।[৩]

মথক্কী বাফম অসিনা তাকপদি মণিপুব হায়না থোনখিবসি শান্তদাসনা থোনখিবনি হায়বসি তাকই। অদুগা *শাতিং শাকোক* হায়বিবা লাইবিক অসিদা নুংগোইবীগী মনাক তাইপোং থোঙগী মবক অদুদা য়াই মণি কৌবা অমা লৈ হায়বগী মণিপুব কৌবনি।[৪]

অদুগা লমদম অসিবু অতোপ্পা য়ুমথংনবা লৈবাক্কী মীওইশিংনা হায়বদি- ঔবানা

১। এম কে শমচেৎ শাবা (সম্পা), *শৌবোল লাইরেম্বী* (শলুংফম শলুংফম কালা মেমোরিয়েল ম্যেনুস্ক্রপ্ট লাইব্রেবী, ২০০২), লাঃ ২৮।

২। খুলেম চন্দ্রশেখর (সম্পা), *শাকোক লমলেন অহানবা* (ইম্ফাল ওল মণিপুর উমংলাই হরাউবা কমিটি, ১৯৯২), লাঃ ৬,৭।

৩। ওইনাম ভোগেশ্বর (সম্পা), *সনামহি লাইকন* (ইম্ফাল তাম্রা পাব্লিকেসন্স, ১৯৯৫), লা ৪৯, ৫০।

৪। নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র, *অরিবা মণিপুবী সাহিত্যগী ইতিহাস* (ইম্ফাল চিরোম য়াইমবী দেবী, ১৯৯২), লা ২, ৩।

'কতে', কাছাড়ীশিংনা 'মোগলী', তেখাউ হাযবদি আসামিজশিংনা 'মেখলী' হাযনা খঙনবম্মী হাযনা পেম্বৰতন্না ফোঙদোক্রম্মী

> The country inhabited by the Muneepoorees is, by the Burmahs called Kathe, which term they equally apply to the people, by the inhabitants of Cachar it is named *Moglie*, by those of Assam, Meklee, and by the Shans, or those who inhabit the country east of the Ningthee or Khyedwen river, it is known as Cassay, of which term the Burmese word Kathe is a corruption [৫]

ঙমখৈ

ঙল্লিঙৈ মতমদা মৈতৈ লৈবাক অসি তোঙান তোঙানবা কাঙলুপ তবেৎনা তোঙান-তোঙানবা মফমদা পাল্লম্মী। মদুদি - (১) সাবাং - লৈশাং, (২) হাওবোক - কোনথৌ, (৩) উবোক - উশাই, (৪) থাঙজা - কম্বোং, (৫) খুনফম - ঙাংজেং, (৬) হৈবেম - খুনজান, (৭) লোকখা - হাওখা। মসিগী মতুংদা ঐখোযনা খঙনবিবা যেক তবেৎকী নিংথৌনা তোঙান-তোঙানবা মফমদা পাল্লম্মী।[৬] অদুগা হৌজিক ঐখোযনা খঙনবিবা কংলা অসিদা খৃষ্টনা পোকত্রিঙৈগী মতমদা খাবা সলাইনা পাল্লম্বগী ৱাফম থেংনৈ অমসুং খৃষ্টগী অহানবা শতাব্দী হৌগৎলকপদা নোংদা লাইবেন পাখঙবনা সোবাবেন অবিবা অহুম হায়বদি থাঙজা কম্বোং/ চেংলৈ নিংথৌ খাবগী নিংথৌ খাবা নোংজেংবনচিংববু মাযথীবা পীবগা কংলাদা ফম্বাল তোংখি।[৭]

মঙাং - *লোইজিং ফৌওইচীং হায়বিবা মফমসিদা মঙাংশিংনা পাল্লম্মী। মঙাং নিংথৌ পুন্সিবা হাযবিবা মঙাংগী থোইদোক্লা মমিং চৎপা নিংথৌ অসি মফম অসিদা পাল্লম্বনি। নিংথৌজাগী নিংথৌ হোঙনেমযোই খুঞ্জাও (নাউথিংখোং) না লোইজিং ফৌওইচীংদা লান্দাদুনা মঙাং নিংথৌ কোনখুববু মাযথীবা পীদুনা মঙাংশিংবু নমথখি।*

লুৱাং - লোইজিং, কৌক্রু অমসুং লাঙ্গোল চীংনা কোনবা লমশিং অসি লুৱাংশিংনা পান্দুনা লৈবম্বা মফমনি। অদুগা মণিপুবগী অতোপ্পা লমদা ফুনান চীংদা হাযবদি লম্মাংদোংদসু লুৱাংশিংনা পাল্লম্বগী ৱাফম থেংনৈ। ফৃৎপ অসিগী থোইদোক্লা মতিক - মথৌনা লৈবা

৫। আব বি পেম্বৰতন, *দি ইষ্টর্ন ফ্রন্টিযব ওফ ইণ্ডিয়া* (নিউ দিল্লী মিট্টল পব্লিকেসন্স, ২০০০), লা ১৯, ২০।

৬। মোইবাংথেম চন্দ্রসিং, "মণিপুবী সংস্কৃতি ইতিহাসকী শক্তম খব" সভাপতিগী ভাষণ, মণিপুবী সাহিত্য পবিষদ, ৩৮শুবা চহীগী অধিবেশন, সাহিত্য, ২৩ শুবা মশীং, ইম্ফাল ঃ ফেব্রুয়াবী, ১৯৭৫।

৭। নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র, "মণিপুবদা পাল্লম্বা মৈতৈ কাঙলুপশিংগী মরমদা নৈনবা" *সাহিত্য* ২২শুবা মশীং (ইম্ফাল মণিপুবী সাহিত্য পবিষদ, আগষ্ট, ১৯৭৪), লা ২।

নিংথৌদি হোঙনেম লুবাং নিংথৌ পুন্সিবা হায়বসিনি। মহাক অসি মৈতৈ নিংথৌ উবাকোহ্লৌবা অমসুং নাউথিংখোংগী মতমদা লৈবম্বনি। মাগী মতুংদা লুৱাংগী খূৎকন - পাঙ্গলবা নিংথৌ পানখিদ্রে। মমৈদা নিংথৌজাগী মখাদা লৈখি।

খূমন - ইম্ফালগী মখা মায়খৈদা য়াম্না খূৎকন-পাঙ্গন্না পাল্লম্বা কাঙলুপ অমনি। খূমনগী কোনুং অসি অহানবা থৌবান্দা ওইবম্মী। খূমন নিংথৌ অদোন লাইফেংবনা পানবা মতমদা থৌবান্দগী ফেন্তা লৈকোযপুংদা কোনুং হোংলকখি। খুমন ফুব্দপ অসি ১৩ শুবা শতাব্দী হৌগৎলকপা ফাওবদা যাম্না মতিক - মথৌনা লৈনা পাল্লম্মী। অদুবু মৈতৈ নিংথৌ থৱান থাবা অমসুং খূমন নিংথৌ পুন্সিবা অনীগী মচানুপীগী হাক্তক্তগী নুংঙাইনদদুনা অকনবা লান থোকখি। মদুদা খূমন ফুব্দপ মবায চায়থবা হৌবকখি। অসূন্না মবায চায়থবকপনা মৈদিংঙু কোংযাম্বগী সনা হাক্তক্তা খূমন নিংথৌ লমযাই কাইখিনবনা ফেন্তা লৈকোযপুং থাদোক্তুনা ইম্ফাল কংলৈদা হোংগৎলকখি। মদুদা মৈতৈ নিংথৌনসু তবান্না ওক্তুনা লুনা তৌদুনা থমখি। অসূন্না খূমন ফুব্দপকী ঙমখৈ অদু নিংথৌজাগী ঙমখৈদা তিনশিনখি।[৮]

মোইবাং - মসিসু কংলাগী খা নোংচুপ মাযকৈদা যাম্না মতিক মথৌনা লৈনা পাল্লম্বা ফুব্দপ অমনি। ১৫শুবা শতাব্দীগী মযায ওইবা মতম হাযবদি খৃষ্ট ১৪৩২ দা মোইবাংনা মৈতৈ নিংথৌ পুন্সিববু হাৎখি। মপা হাৎখিবগী লমন নিংথৌখোম্বনা মোইবাং নিংথৌ সনাহোংববু হাক্তুনা মংসৎ তানখি। অদুগা অমুক মোইবাংনা লান হৌবকপদা মৈতৈনা ঙমখি। অসূম তৌনা মোইবাং ১৫শুবা শতাব্দীগী অহানবা তঙ্খাযদগী মনীং তম্বা মাঙখি।

অঙোম - মৈতৈ লৈবাক্তা মৈদিংঙু চবাইবোংবনা পানবা মতম (খৃষ্ট ১৬৯৭ - ১৭০৯) দা মৈদিংঙুগী মনাই কুমফেন লানচিংবগী মতেংনা অঙোম নিংথৌবু তাহ্লোক্তুনা মখোযগী চোঙনচিংবা মুনখি অমসুং অঙোমগী ঙমখৈ নিংথৌজাগী ঙমখৈদা তিনখিদুনা নিংথৌজাগী মখা পোনখি। মতৌ অসূন্না খাবা, চেংলৈ/শবাং লৈশাং, লুৱাং, খূমন, মোইবাং অমসুং অঙোম শলাইশিং অসি নমথববা মতুংদগীদি নিংথৌজাগী নিংথৌনা মযায লেপ্পা ওইদুনা অপূনবা মৈতৈ লৈবাক হায়বদু ওইখি।

মণিপুবগী ঙমখৈ অসি কয়াম য়াম্না পাক-চাউবগে হায়বগী মতাংদা অকক্লবা লমখৈ অমা পীবা ঙমদ্রবসু হৌজিক লৈবিবা লমখৈ অসিদগীদি যাম্না হেন্না পাক-চাউই। লমখৈ মতাংদা আব বি পেম্ববতন্না অসুন্না ফোঙদোক্রম্মী

> The tentones of Muneepoor have fluctuated at vanous times with the fortunes of their princes, frequently extending for

---

৮। *নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র (সম্পা), খূমন কংলৈবোল* (ইম্ফাল অতোম্বাপু রিসার্চ সেন্টর, ১৯৮০), লাঃ ৫৫ - ৫৭।

> three or four days' journey east beyond the Ningthee or Khyer dwen river, and west to the plains of Cachar [৯]

পেম্ববতনগী ৱাফম অসি পদ্মশ্রীখেলচন্দ্রনসু শৌগৎলম্মী। লোযননা *নিংথৌবোন লম্বুব*দা মৈদিংঙু মুংযাম্বনা নির্ণয় তুবেল ৱাংমা লান্না কবোগী লমগী মুংখোং মুংয়াংদা লান্দাদুনা লৈবাক চাম, নিংথৌ চাম লোই চল্লকই হাযনা ইবি।[১০] হাযবিবা মুংযাং লমদম অসি নিংথিদগী নুমিৎ হুমনি মবিনি ঈশিং লম্বী নৎত্রগা খোঙলম্বীদা নোংপোক্রোমদা চৎলগা লৈবনি। অসিতসু নত্তনা মৈদিংঙুগী মজাইবুংঙো সনা হিহোনবনা নোংপোক মাইকৈদা লান্দাদুনা খাকী চৌফা হোংদৈ লান্দা থৌববু ফাদুনা খাকী লৈবাক জয তৌবদগী খাগেম্বা কৌখি।[১১] মসিনা তাকপদি মৈতৈ লৈবাক্কী লমখৈ অসি খাকী হাযবদি চিন লৈবাক যৌবমগনি হাযবসিনি। সাব জেমস্ জোন্সটোন্নসু অসূন্না হাযবি

> The territories of Manipur varied according to mettle of its rulers Sometimes they held a considerable territory east of the Chindwin river in subjection at other times only the Kabo Valley, a strip of territory inhabited not by Burmese, but by Shan,[১২]

অদুগা নোংচুপকী ঙমখৈদা পেম্ববতন্না হাযবিবসি কযা যান্না চুম্বগে হাযবদু অসূন্না যেংবা যাই। মদুদি - উপেন্দ্রচন্দ্র গুহনা ইবা *কাছাডেব ইতিবৃত্ত*হায়বসিদা অসূন্না ইবি

> কাছাড বাজ্য ইতিপূর্ব্বেই দুই অংশে বিভক্ত হইয়াছিল, এক্ষণে তিন অংশে বিভক্ত হইল। এই সময় হইতে ১৮২৩ খৃ পর্য্যন্ত কাছাডেব সমতলভাগ ভ্রাতৃত্রযেব মধ্যে বিভক্ত ছিল। তাঁহাবাপৃথক পৃথক বাজধানী স্থাপনপূর্ব্বক বাজ্য শাসন কবিতে লাগিলেন। গম্ভীব সিংহ তিলাইন পাহাড়েব পশ্চিমদিক প্রাপ্ত হইয়া গুম্‌বাতে, মার্জিৎ সিংহ হাইলাকান্দি প্রাপ্ত হইয়া ঝাপিববন্দ নামক স্থানে এবং সর্জিৎ সিংহ তিলাইন পাহাডেব পূর্ব্বাংশ প্রাপ্ত হইয়া সোনাইমুখেব নিকটবর্ত্তী ডুঙ্গুবীবপাব নামক স্থানে বাজত্ব কবিতে লাগিলেন।[১৩]

মথক্কী ৱাফম অসিদা হাযবিবদি কাছাডগী গুম্‌বা, ঝাপিববন্দ, ডুঙ্গুবীবপাব হাযবিবা

৯। আব বি পেম্ববতন, *দি ইষ্টর্ন ফ্রন্টিয়ব ওফ ইণ্ডিয়া* (নিউ দিল্লী মিত্তল পব্লিকেসন্স, ২০০০) লাঃ ২০।
১০। ওইনাম ভোগেশ্বব (সম্পাঃ), *নিংথৌবেল লম্বুবা* (ইম্ফাল সম্পা মশা, ১৯৬৭), লা ২৬৪ - ৬৬।
১১। মথক্কীসিদা, লা ২৭৯, ৮০।
১২। সাব জেমস জোন্সটোন, *মণিপুব এণ্ড নাগা হিলস* (দিল্লী মানস পব্লিকেসন্স, ১৯৯০), লা ৮১।
১৩। উপেন্দ্রচন্দ্র গুহ, *কাছাডেব ইতিবৃত্ত* (গুৱাহাটী অসম প্রকাশন পবিষদ, ১৯৭১) লা ১৩৮।

মফমশিংসিদা গম্ভীব সিংহ, মার্জিৎ অমসুং সর্জিৎ হায়বদি চৌবজিৎনা মথংশীৎনা নিংথৌ খুভম শেমদুনা পাল্লম্মী হায়বি।

এস কে ভূয়ান্না সম্পাদন। তৌবা *কাছাডী বুবঞ্জি* গী বাফমসু জযন্ত ভূষণ ভাট্টাচার্জীনসু অসূন্না শৌগত্তুনা হায়বি

> The Manipuri brothers took the possession of the Cachar plains, While Tularam became the master of the northern hills Marjit being driven out of his country came to Cachar, in 1819, carrying the sacred image of Govinda with him 'Brother-like', he was warmly received by Chourjit and Gambhir Singh They parcelled out Cachar amongst themselves, and thus the three Manipuri princes began to reign over three different parts of the Cachar plains as perfectly independent of one another [১৮]

অমুকজযন্তনা *Baharistan-i-Gaibi, Vol -II* গী বাফমবু পল্লম্মী

> In the contest that followed, Chourjit escaped to Sylhet, while Marjit and Gambhir Singh divided Cachar plains between themselves Marjit Singh occupied Hailakandi, and Gambhir Singh possessed himself of the rest of South Cachar [১৫]

কাছাডদা মণিপুবগী নিংথৌমচাশিংনা মক ওইবা গম্ভীবসিংহনা তংদু-লৈতানা নিংথৌ পান্দুনা লৈনীংলকপগী থৌওঙ-থৌদৌ বৃটিশশিংনা খঙলম্মী অমসুং মণিপুবগী নিংথৌ মচাশিংবু কাছাডদা লৈহন্নীংলমদে। মবম অসিনা বৃটিশ সবকাবনা মণিপুবদগী ঔব্বাশিং তাহ্নোকপদা অচঙবা শেল পূন্নমক পুথোক্লম্মী। অসূন্না ঔব্বাশিংবু মণিপুবদগী তাহ্নোকখিদুনা গম্ভীব সিংহনা কবো তম্পাক খূদুম চনশিল্লি। অদুবু বৃটিশ সবকাবনা মখোযগী বাজনীতিগী খুদোং চাবা অমসুং ঔব্বা নিংথৌগী নুংঙাইবোইদৌবা যেংদুনা কবো তম্পাকপু ঔব্বাদা শিন্নখিনবা লেপ্লকই। নিংথিগী সন্যাচীল ঘাটতা ১৮৩৪গী জনুবাবীগী তাং ৯দা বৃটিশকা ঔব্বাগা মণিপুব অমসুং বর্ম্মাগী ঙমখৈ মতাংদা য়ানবা অমা ইনৈ। যানবা অসিগী মতুং

১৪। জযন্ত ভূষণ ভাট্টাচার্জী, *কাছাড অন্দব বৃটিশ রুল ইন নোর্থ ইষ্ট ইন্দিযা* (দিল্লী বেদিয়েন্ট পব্লিশর্স, ১৯৭৭), লা ২৮।

১৫। জযন্ত ভূষণ ভাট্টাচার্জী, *কাছাড অন্দব বৃটিশ রুল ইন নোর্থ ইষ্ট ইন্দিযা* (দিল্লী বেদিযেন্ট পব্লিশর্স, ১৯৭৭), লা ২৯।

ইন্না বৃটিশনা ঔৰাদা কবো তম্পাক, তম্মু, খুম্বাৎ, সমজোক, অঙ্গো চীং, নিংথৌ তম্পাক্লচিংবা পীথোকখি। য়ানৰা অসিগী মবোলদি বৃটিশকা ঔৰাগী মীহুৎশিংগা য়ানবা মতুং ইন্না কবো তম্পাক ঔৰাদা শিন্নখিবা নুমিৎ হায়বদি ১৮৩৪গী জানুৱাৰীগী তাং ৯ দগী হৌদুনা থা খুদিংগী লুপা ৫০০ মণিপুৰগী নিংথৌদা পীবা হায়না বৃটিশ সবকাবনা লেপ্লে। অদুগা ঔৰাদা লাম্লোকখিবা কবো তম্পাক অসি মণিপুৰদা অমুক হল্লিন্নকপা থোক্লবদি হল্লিনবা নুমিৎ অদুদগী বৃটিশ সবকাৰনা পীবিবা লুপা ৫০০ অদু পীবা তোক্কনি হায়বসিনি। অসিগুম্বা য়ানৰা অসি ইনবা মতমদা মণিপুৰগী মীহুৎ অমত্তা য়াওখিদে।[১৬] অদুনা মণিপুৰগী লম মচেৎ অমত্তা অতোপ্পা লৈবাক্তা পীথোকখিবগী পাঙ্গল বৃটিশশিংদা আইনগী মতুং ইন্না লৈতে। অদুবু বৃটিশশিংগা য়েক্লনীংদবদগী গম্ভীৰ সিংহসু ৰাফম অদুদা য়াখি। অমবোমদা অমুক কাছাড তম্পাক্কী লম খুদিংমক মণিপুৰগী নিংথৌ মচাশিংনা খুদুম চন্দুনা লৈববনি। অদুবু বৃটিশনা মৈতৈ নিংথৌ মচাশিংবু কাছাডদা লৈহন্নীংদবদগী কালানাগা নুংজাই অমসুং জিৱি পূন্নমক গম্ভীৰ সিংহদা থেমদুনা ওহোক ওনশিন তৌখি। মদুদা গম্ভীৰ সিংহনসু বৃটিশকী মপাঙ্গল অমসুং ৰাজনীতিগী ফিভম য়েংলগা যানীংদনা যাদুনা কাছাডগী চন্দ্রপুৰদগী (বাসকান্দি) থানা জিৱি তুবেলগী নোংপোকথংবা তোৰ্ব্বানদা শেমখি।[১৭]

মণিপুৰগী অৱাংগী ঙমখৈ অসি কদায় য়ৌৰম্বগে হায়বগী মতাংদা আসাম অমসুং মণিপুৰগী ঙমখৈ লেপ্পবা ৰাবোল যাওবা Political proceedings, 11th February 1835, No -90 গী অশম্বা ৰাবোল অদু আলেকজন্দৰ মেকেঞ্জিনা মাগী *দি নোৰ্থ ইষ্ট ফ্ৰন্টিয়ৰ ওফ ইণ্ডিয়া* দা লৌখৎলি

> In 1835 indeed the forest between the Doyeng and the Dhunsiri was declared to be the boundary between Manipur and Assam [১৮]

মথক্কী ৰাফম অসিনা হায়বিবদি ১৮৩৫ দা দোয়েং অমসুং ধনশিৰি উমঙশিংনা মণিপুৰ অমসুং আসাম অনীগী ঙমখৈনি হায়বসিনি।

১৬। ক্ষেত্ৰিমযুম শ্যাম কহ্নাই, *মণিপুৰগী লৈঙাক্লোন অমসুং লৈঙাক পথাপকী ইতিহাস* (ইম্ফাল অইবা মশা, ১৯৭৮), লা ১২, ১৩।

১৭। মথক্কীসিদা, লা ১০, ১১।

১৮। আলেকজন্দৰ মেকেঞ্জি *দি নোৰ্থ ইষ্ট ফ্ৰন্টিয়ৰ ওফ ইণ্ডিয়া* (দিল্লী মিট্তল পব্লিকেসন্স, ২০০৪) লা ১০২।

বাফম অসি পদ্মশ্রী খেলচন্দ্রনসু শৌগৎপা ওইনা অসুন্না হায়রি

> মণিপুরগী লম য়ামদ্রবদা ব্রহ্মপুত্র তোর্বান সদিয়াগী মনাক অদুরাই য়ৌরমদ্রবদি কবন্না ইংরেজশিংনা মৈদিংঙু গম্ভীরসিংহ মহারাজদা (খৃ ১৮২৫ - ১৮৩৪) সদিয়া পীশি হায়রগী বাফম অসি খন্নবমগদগে ? [১৯]

মথক্কী মণিপুরগী অরাংগী ঙমখৈগী মতাং অসিদা চয়েৎনবা কয়া অমসু লৈতবা নত্তে। অদুরু পুন্নমক থন্নগা খৃষ্ট ১৮৬৯ - ৭০ দা নাগা ডিষ্ট্রিক্কী ডিপুটি কমিশ্নরগা মণিপুরগী পোলিটিকেল এজেন্টগা অমুক হন্না ঙমখৈ যাৎপগী থবক চঠৈ। মতাং খবদা মখোয় অনী য়ানবা ঙমদবদগী চে-চাং কয়া থাদোক-থাজিন তৌনববা মতুংদা ১৮৭২ গী জুলাইদা ঙমখৈ য়াৎপগী থবক লোইশিল্লি। ১৮৪২ গী ঙমখৈ পবীং অদুবুদি থোইনা কায়হন্দনা থম্মী। মণিপুরদা খুঙ্গং খবা নৌনা শীন্নে, হান্না তেলিজো চীংদোন্দা থন্নম্বা ঙমখৈ অদু শাংদোকহন্দুনা পাটকাই ফাওবা মণিপুরগী ঙমখৈনি হায়না লাওথোকই।[২০]

১৯। নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র, *অরিবা মণিপুরী সাহিত্যগী ইতিহাস* (ইম্ফাল চিরোম য়াইমবী দেবী, ১৯৯২), লা ১৬।

২০। ক্ষেত্রিময়ুম শ্যামকহাই, *মণিপুরগী লৈঙাক্লোন অমসুং লৈঙাক পথাপকী ইতিহাস* (ইম্ফাল অইবা মশা ১৯৭৮), লা ১৪ - ১৬।

অনীশুবা পন্দুপ

মৈতৈ জাতিগী হৌরকফম অমসুং খুন্থোক্লোন

মালেম অসিদা মীওইবা হাযবসি কবম্বা মতমদগী মতৌ কবন্না কদাযদগী হৌবকখিবগে হাযবগী মতাংদা কনানসু মতিক চাবা প্রমাণ পুথোক্তুনা চপ চানা হাযবা ঙম্নদ্রি। অদুম ওইনমক থৱায পান্দবদগী থৱায পানবা, থৱায় পানবদগী মথং-মথং মওঙ হোংলকপা, মী-ওই-শা-ওই তৌবম্বদগী মী ওইবকপা , মসিদগী অমুক খুনাই শেমগত্তুনা হিংনবগী লানফমদা চীঙ্গাক থিবা অমসুং অমগা-অমগা নুংশি চান্ননা লৈবক্তুনা চাওখৎপগী লম্বীদা খোঙ থাংজিনবা হৌবকপসিদা মীবোল কয়া, চহী লীশিং কযা হৌবকখ্রবনি। ঙসিগী ওইবিবা মওঙ অসিদা তাইবং মীওইবা ওইনা লেপ্পবিবসি থাক মবি লৈ। মদুদি - Australopithecus (অষ্ট্রেলোপিথেকস), Homo erectus (হোমো ইরেক্টস), Neanderthal (নিযেন্দর্থেল) অমসুং Homo Sapiens (হোমো সেপিযেন্স) নি। থাক মবি ঙসিগী অসি মী কাঙলূপ অসিগী মপা-মপু , পাবোল-পুবোলনি। তৌইগুম্বসুং মথক্কী থাক মবি অসিগী মনুংদা হোমো সেপিযেন্সদমক ঙসিদগী চহী ৩০,০০০ বোমগী মমাঙদা লৈহৌখি। হোমো সেপিয়েন্সশিং অসিনা নোংচুপ এসিযা, চিনা, রুশিযা, বোর্নিও, আফ্রিকানচিংবদা লৈনখি। মতৌ অসুন্না মীওইশিং অসিনা চীঙ্গাক অমসুং লৈফম নুংঙাইবা যেংনদুনা অমুক পৃথিবীগী লৈমায শীন-থুংনা শন্দোবকখি। মতম অসিদগী মালেম অসিগী মীওইশিং অসি শক্তা-চুদা, মচৎ-মনাৎ যেংলগা কাঙলূপ মবি থোক্লা খাযদোক্লি। মদুদি - Caucasoid (ককেসোইড), Australoid (অষ্ট্রেলোইড), Mongoloid (মোঙ্গোলোইড) অমসুং Negroid (নেগ্রোইড) নি।

মৈতৈ খুদিংমক্লা মালেম লৈশেম্বগী ৱাবী চীনবুংদগী ওইববসু অবিবা মৈতৈ পুযাশিংদগী ওইববসু ইখঙ খঙনৈ। তাইবঙ পানবা শেম্নবা গুরুগী নিংশা যেৎলোমদগী অশীবা (সনামহী, ওইবোমদগী কোনজিন তুথোকপা(পাখঙবা) পুথোক্তুনা অশীববু মালেম শেমহন্দুনা নোংখোঙ কোয়হল্লি। কোনজিন তুথোকপনা নোংখোঙদি কোযদনা মমানা লৌশিং তাকপীদুনা গুরুগী ফানখোঙ তবেৎলক কোযদুনা মালেমসিগী নিংথৌ ওইখি। অদুগা সনামহীবু মাগী অশাওবা ফাথবা ওইনা যুমথোং খুদিংগী নিংথৌ ওইহনখি। অসুন্না গুরুনা মচা ত নীদ। মাগী মাগী নিংথৌ খুভম হাপ্পীববদা নোংমা গুরু শিদবনা মহাকপু শক খঙব্রা

যেংগে হাযদুনা শন অশিবা ওইনা ওন্দুনা তুবেলদা তাউথবকই। মচানিপা কোনজিন তুথোকপনা মপাবু মশক খঙদুনা তাউথবক্রিবা মপাবু লোকশিনখি। মসিদগী কোনজিন তুথোকপবু 'পাখঙবা' হাযনসু খঙনখি। শুকনা ওনবা শন অশিবগী হকচাং কাযাৎশিং অদু মতুপ তবেৎ থোক্লা খায়দোকই অমসুং হকচাং কযাৎকী শকক্কী মতুং ইন্না মিং অমমম থোনখি। মদুদি- (১) যৌবিগী শকক লৌবনা 'অঙোম', (২) মীৎ লৌবনা 'নিংথৌজা', (৩) লৱাই লেম্ফু লৌবনা 'লুৱাং', (৪) খুমাঙ লৌবনা 'খুমন', (৫) মমৈনা কূপশিনবা মখাগী অবাংবা শকক লৌবনা 'মোইবাং', (৬) মযাযগী শকক লৌবনা 'চেংলৈ' অমসুং (৭) অঙাঙবা থম্মোযগী শকক লৌবনা 'ঙানবা' যেক তবেৎ অসি থোক্লকখি হাযনা থাজনৈ। অসূন্না যেক তবেৎ অসিনা মথং-মথং চাওখৎলক্তুনা অমসুং পূনশিনখিদুনা মৈতৈ হাযবা মীওই কাঙলূপ অসি ওইখিবনি হাযবসি অযাম্বা মীওইশিংনা থাজনৈ। মথক্কী ৱাফম অসিদা যেক তবেৎকী মীওই কাঙলূপশিং অসিনা পূনশিল্লগা মৈতৈ হাযবা কাঙলূপ অসি ওইখিবনি হাযবসি অচুম্বা ওইববসু মালেম লৈশেম্বা অমসুং মী শেমখিবগী ৱাবী অসিদি মীৎযেং মঙম শানবা হাযবদুদি ওইদ্রে। মণিপুবগী ঙমখৈ মনুং অসিদা মীওইবদি লাইবদনা খ্বাইদগী অহানবা অহিংবা পোৎলম শেম্লক খিবগী খূদম-চাংদমগা কোন্নবা পৃথিবীগী মীযাম্না যানবা ৱাফম লৈত্রি। অদুবু মৈতৈ জাতিগী ওইবা মালেম লৈশেম্লকপগী (মিথ) কী ৱাবী অমা তোপ তোপ্পা লৈবিবম্বসি চাউথোকচনিংঙাইনি। মীওইবনা হিংনবগী লানফমদা চীঙ্গাক থিবদা মথং-মথং শন্দোক্লকপা অমদি অনৌ-অনৌবা মফমশিংদা চত্তুনা খুন্দাখিবসি মহৌশা ওইনা অদুম তৌনৈ। মবম অসিনা মীওইবনা পৃথিবী শীন থুংনা শন্দোকখ্রিবনি।

মৈতৈ জাতিগী হৌবকফমগী মতাংদা তোঙান-তোঙানবা মীওইশিংগী মত কযামকম পীনবম্মী। মখোযশিংদুদি- কর্ণেল ডব্লিউ মকুল্লোক, ডাঃ এল ব্রাওন, টি সি হোদসন, স্যাব জেম্স জোনষ্টোন, আব বি পেম্ববতন, হোগসন, গ্রিযর্সন, অতোম্বপু শর্ম্মা, ডাঃ সুনীতিকুমাব চট্টোপাধ্যায অসিনচিংবনি। মখোযশিং অসিনা হাযবম্বা ৱাবমশিংদু চান-চুনদবা হেক্সিন্না হাযজিনবা অসিনচিংবা কযামকম যাওবনা মখোযগী মীৎযেং অসি মঙম শানবা ৱাৎপগুম লৌনবি। অদুবু মখোযসিগী মতুং তাবকপদা মণিপুবগী মশক নাইবা স্কোলব খবনা অদুক হাক্লা কূপ্পা নৈনকদ্রবসু মীৎযেংদি মপা চুম্ববোমদা নকশিল্লি। মখোযনা পীবম্বা ৱাবোলশিংদি মণিপুবদা তোঙানবা মী জাতি অনীগী তিন্নফম ওই অমসুং মখোযশিংদি নোংপোকলোমদগী লাকপা মোঙ্গোলোইড কাঙবু অমসুং নোংচুপলোমদগী লাকপা ককেসোইড কাঙবু অসিনি।[১] মণিপুবীশিং অসি মোঙ্গোলোইড কাঙলূপ্পুগী শন্দোবকখিবনি হাযবসি ফাওবদি খঙবা ঙম্মী। নোংচুপলোমগী মীওই কাঙলূপশিংদগী শন্দোবকখিবগী খূদম ফংদে, চুম্নতগী মখোযগী

১। ডাঃ কুঞ্জবিহারী সিংহ, "মৈতৈ জাতিগী হৌবকফম", *মণিপুবীগী মবমদা ৱারেং* (ইম্ফাল মণিপুবী সাহিত্য পবিষদ, ১৯৮২), লাঃ ৯৯।

সভ্যতা অমসুং সংস্কৃতিনা লৈবাক অসিগী সভ্যতা অমসুং সংস্কৃতিদা অথেংবা মতমদা য়ানশিনখিবগী মওঙ অদুদি উবা ফংই।[২] মৈতৈ হায়বা মীওই কাঙলুপ অসি লৈবাক অসিদা খুন্দাবকপা কুইববা লিরবা মী কাঙলুপ অমনি, মসি শেমগৎলকপদা নোংপোক অমদি নোংচুপকী ঈ চঙখ্রে হায়বসিমদি ময়েক শেংনা লৈরে হায়বা য়াই।[৩] ইথনিক ওইনদি, মীতৈ-নাগা-কুকি, চিন, থাই নোংপোক লমগী ফুরূপ ওইজরবসু, নাৎ-লাইনীং চৎনবী য়েংলুবগদি মণিপুবগী নোংচুপ থংবা লৈবাক ইন্দিয়া (মতমদুগী অৱাং ইণ্ডিয়া), আসাম, ত্রিপুরা, বঙ্গ, কলিঙ্গনচিংবগা মবী ফনা কুইনা থন্নবকনি।[৪]

এনথ্রোপোলোজি অমসুং আর্কিওলোজিগী অখঙ-অহৈশিংনা চান্দেল ডিষ্ট্রিক্কী মনুং ম্যানমাবগা তাইনবা লমদমগী সোংবু কৌবা চীংগী শুরুংদগী ফংখিবা পোৎলমশিং কুপ্না য়েংলগা মণিপুবদা অহানবা মফম অসিদা মী লৈরমগনি হায়না ৱাফম পীবি।[৫] শুরুং অসিদগী ফংখিবা পোৎলমশিংদি - নুংগী শীংজঙ (Hand-Axe), নুং-থাঙজৌ (Chapper), নুং-থাঙ (Scrapper), নুং-থাঙ তোন্দুম্বা (Point), খুৎলায় নুংচেৎ (Flake) অসিনি। হায়বিবা পোৎলমশিং অসি টোম হেরিসন্না খৃঃ ১৯৫৯দা 'নিয়াহ' শুরুংদগী ফংখিবা চহী ৪০,০০০ বোম শুবে হায়বিবা নুংগী খুৎলায়শিংদুগা মওঙ-মতৌ মান্নবগী ৱাফম পীবি। অসিগুম্বা পোৎলমশিং অসি মৈত্রবাক্কী মহৌশাগী ফিভম, ঈশিং-নুংশিৎকী মওঙ-মতৌ য়েংলগা টোম হেবিসন্না 'নিয়াহ' শুরুংদগী ফংখিবা পোৎলমশিং চহী ৪০,০০০ বোম শুবে হায়বিবসিদগী থেংথনা ওইগনি হায়বদা হায়মনবা থোক্রোই। হায়বিবা মীওইশিং অসি ঙসিদগী চহী ২৩,০০০ দগী ১২,০০০ ফাওবগী মণিপুবগী ঈশিং-নুংশিৎকী ফিভম অসি য়াম্না ঈংবা অমসুং নোং তাদবা মরমনা কদায়দা কবম্বা মফমদা খুনহোংখ্রবা হায়বসি খঙবা ঙমদে।[৬] মসিদগী খরা থেংথরক্লবা মতমদা উখ্রুল ডিষ্ট্রিক্কী মনুংদা লৈবা খংখুই শুকংদগী ফংখিবা খুৎলায় - নুং থাঙজৌ, নুং-থাঙ, নুং-থাঙপাক, নুং-হৈজ্রাং, অপাবা ময়া পানবা নুং লোয়ননা শকগী খুৎলায় খবা অসিনি। হায়বিবা খুৎলায়শিং অসি চিনাগী চৌকৌটিযেন, জাভাগী শংরিগান অমসুং সেলবীজগী জাবেন্দা ফংখিবা খুৎলায়শিং অদুগা য়াম্না নকশিন্নে। মসিনা তাকপদি খংখুইদা লৈবম্বা মীওইশিং

২। এল অশোক কুমার সিংহ, "মীতৈগী অরিবা লাইনীং লিচৎ", *মীতৈ লাইনিং* (ইম্ফাল খোংনাংথাবা প্রেস খুরাই লমলোং, অনীশুবা ফোঙবা, ১৯৯৭), লাঃ ২৯।

৩। ডা খোকচোম ইবোহনবী, *অঙনবা মতমগী মণিপুরী সাহিত্যদা ইমেজরি* (ইম্ফাল কল্পনা পব্লিকেসন, ১৯৯৭), লাঃ ৯।

৪। প্রোফেসাব এন সনাজাওবা, *মণিপুবগী পুৱারী কুনশুবা চহিচা* (ইম্ফাল নেসনেল বিসার্চ সেন্তব, ১৯৯৭), লাঃ ৫৯।

৫। বি কুলচন্দ্র শর্মা, *মৈত্রবাক্কী খুম্বোক-খুন্দাবোন* (ইম্ফাল তাম্র পব্লিকেসন, ১৯৯৭), লাঃ ৫।

৬। মথক্কীসিদা, লাঃ ৮।

অসিগা তোৎ-শন্নবম্বা নৎত্রগা মচৎ-মনাৎ মান্নবমগনি হায়বসিনি।[৭] মসিদগী খবা থেংথরক্লবা মতমদা তমেংলোং ডিষ্ট্রিক্টী মনুং থাবোন খুনগী কালেম শুরুংদগী ফংখিবা খুৎলায়শিংদি- নুং-শীগুজং, নুং-থাগু, অথৌবা ময়া পানবা নুং চীন্দুম্বা, চক্রী মানবা নুং খুৎলায়নি।[৮] উখ্রুলগী খংখুই শুরুংদগী ফংখিবা খুৎলায়শিং অসিগা মান্নবা মওগুদা থৌবাল ডিষ্ট্রিক্টী মনুং নোংপোক কৈথেল মানবীগী চীংদুম মচা খরদগী ফংখি। মদুদি Chopper, Scrapper, Blade, Flake, Pebble graver, Split pebble, Waste flake অসিনচিংবনি। *মসিনা তাকপদি ঙসিদগী চহী ১২,০০০ বোমগী মমাঙ অদুবাইদা* খংখুইদা লৈবম্বা মীওইশিং অসি থৌবান তুবেন তোর্ব্বান্দা লৈবা নোংপোক কৈথেল মানবীদা খু নহোংলক্লম্বা য়াই হায়বসিনি। নোংপোক কৈথেল মানবীদগী ফংখিবা পোৎলমশিং অসি ঙসিদগী চহী ৬,০০০ তগী ৫,০০০ ফাওবগী মতমদা ওইবমগনি হায়বিবা থাইলেণ্ডগী তাম-প্রা-মাইনব সুরুং অমসুং মলাযসিযাগী গুবাচা শুরুংদা ফংখিবা পোৎলমশিংদুগা য়ান্না নকশিন্না মান্নে।[৯] অসিগুম্বা পোৎলম-চৈবম, খুৎশু-খুৎলায় কয়ামকমসি কুপ্না যেংলগা আর্কিওলোজিষ্টশিংনা মণিপুবদা খুষ্টোক্লকখিবা মীওইশিং অসি খা নোংপোক লোমদগী অবাং নোংচুপ তম্না খুষ্টোবকখিবনা অযাম্বনি।

মণিপুবদা ঙসিদগী চহী ৬,০০০ বোমগী মমাঙদা সাউথ ইষ্ট এসিযাগী মীওই কাঙলুপ মচা মচা খবা খুদোং চাগদবা লম্বী যেংদুনা চঙলকখি। মখোযনা সোম্রা চীংলম্বী, খোইবু চীংশাংলম্বী, খুনথোঙ চীংলম্বী, ঈঙৌবোক চীংলম্বীনচিংবদা চংলক্লমগনি হায়না থাজনৈ। অদুবু খ্বাইদগী হেন্না খুদোং চানা চংলক্লমগদবদি ইম্ফাল তুবেলগী তোর্ব্বান লম্বীসিনা ওইগনি হাযবসিনি। *অসূম্না মখোযনা মণিপুবদা চংলক্লগা খবনা মণিপুবদা* মবা তানা লৈহৌখি অদুগা খবনা নোংচুপ ঙমখৈদা চৎখিদুনা খুন্দাখি। ঙসিদগী চহী ৩৩০০ দগী ৩২০০ অদুবাইগী মতমদা মণিপুবদা খা থংবা চিনাগী মচৎ-মনাৎ পুবা মীওই কাঙলুপ খবা লাকখি। মখোযনা ম্যান্মাব ফাওনা লাক্লগা মণিপুব তম্পাক্কী লমদা পাৎথী-কোমথীনা থনবশিংদু থেংনবম্মী, পাৎথী-কোমথী মবক্তুদা খোঙ্গং-খুৎকংগদবা ঈশিং থুমলোইদবা লৈবদা নুংঙাইগদবা মফম থিবক্লম্মী। মদুদগী মখোয়না চফু শীজিন্নবা মী ওইনা ফুনানচীংদা খুন্দাখি।[১০] অসূম্না তাংথক নাইনা চহী কয়া চংনা মীবোন মথং-মথং অমসুং কাঙলুপ কযামকম থোক্লা খুষ্টোবকপগী মওঙ অমসুং মখোয়না

৭। মথক্কীসিদা, লাঃ ৭

৮। *এ রিপোর্ট ওফ দি ষ্টেট আর্কিওলোজি দিপার্টমেন্ট,* ডাইরেক্টরেট ওফ সোসিয়েল বেলফয়ার এণ্ড আর্ট এণ্ড কলচব, মণিপুর ১৯৮৮, লা ৪, ৫।

৯। বি কুলচন্দ্র শর্ম্মা, *মৈত্রবাক্কী খুম্লোক-খুন্দারোন* (ইম্ফাল তাম্র পব্লিকেসন, ১৯৯৭) লাঃ ৮।

১০। মথক্কীসিদা, লাঃ ২১, ২২।

শীজিন্নবম্বা পোৎলম-চৈবম কয়ামকম কূপ্না য়েংশিল্পগা এনথ্রোপোলোজিষ্ট অমসুং আর্কিওলোজিষ্টশিংনা মণিপুবদা খুন্থোক্লকখিবা মীওইশিং অসি খা নোংপোকলোমদগী অৱাং নোংচুপ তন্না খুন্থোবকখিবনা অযাম্বনি অমসুং তুবেলগী খোংলম মতুং ইন্না খুন্থোবকপা সাউর্দন মোঙ্গোলোইড নৎত্রগা সাউদর্ন মোঙ্গোলোইডকা নোর্দন মোঙ্গোলোইডকা তিনশিন্নখ্রবা, টিবেতো বর্মনগা হিমালযান ট্রাইবশিংগা তিনশিন্নখ্রবা, নোর্দন মোঙ্গোলোইডকী টাইশিংগা টিবেতো বর্মন কাঙলূপশিংগা তিনশিন্নখ্রবা অমসুং সাউদর্ন মোঙ্গোলোইডকা ওসিনিক গ্রুপ খবগা তিনশিন্নখ্রবা কুকি-চিন অসিশিংসিগী চাদা-নাওদানি।[১১] অসূন্না মণিপুবদা তাংথক নাইনা মতম-মতমদা নোংপোকলোমদগী চংলকখিবা মীওই কাঙলূপ খুদিংমক মচৎ-মনাৎ খবা খবা খেন্নববসু কুচু ঊৌকনবা মনাতোন নম্বা মোঙ্গেলোইড কাঙবু ঙাক্তনি হাযবা যাই। মণিপুবদা লৈবন্নিবা যেক তবেৎকী মীওইশিং অসিসু তাংথক নাইনা মতম মতমদা চঙলকপা মীওই কাঙলূপশিং ওইবা যাই। খূদম ওইনা নিংথৌজা সলাইগী পুকোক্তি 'কোনসৌবেল' দগী মথং মথং শমথবক্তুনা নোংদা লাইবেন পাখঙবনা ওইবা, খুমন সলাইগী পুকোক্পা পোইবৈতোন্না ওইবা পনবা যাই।[১২] মখোয়শিংসি তোঙান-তোঙানবা মফমদগী মৈত্রবাক্তা খুন্থোবকপা নৎত্রগা খুনহোংলকপনি।

মৈত্রবাক্তা নোংচুপলোমগী মীওইশিংগা চাবৌ মৌবৌনবা, মীচেন ওইনা লাকপা অমসুং লানফা ওইনা খুন্দা লৈতাদুনা লৈবকপসি ইতিহাসনা কোনশিনবা ঙম্বা মতমদগীনি হাযবা যাই। খন্নাংবা খৃষ্টগী অহানবা শতাব্দীদা পোইবৈতোন্না খুন্থোবকপদা যাওবকপা মীওইনি। মহাক্পা মণিপুবগী নোংচুপ থংবা মায়কৈদা যোৎ থিবা চৎখি। মদুদা তখেল নিঙোল কালিকাবু মাগী নুপী ওইনা লৌবকখি।[১৩] খন্নাংবনা মতম খবা উবিপোক্তা মাগী নুপী অহন শন্থোং হুইমু লৈমাগীদা লৈবন্নগা কালিকাগা তিন্নবা যাদবদগী ককচিংদা লৈখি। মসি হৌজিক ফাওবদা ককচিংদা খন্নাংবা হবাওবদা কালিকাসু পূন্না হবাওবা চৎনবি। খৃষ্টগী চহী ৪২৮দগী ৫১৮ ফাওবদা মৈতৈ নিংথৌ মৈদিংঙু নাওফংবগী মতমদা পাঙল লম্বোইবা অমা মণিপুবদা লাক্তুনা সনা কোনুংদা লৈদুনা লোনচৎ-শাজৎ কয়া হোংহন্নবগী থবক পায়খৎলম্মী।

১১। বি কুলচন্দ্র শর্মা, *মৈত্রবাক্কী খুন্থোক-খুন্দাবোন* (ইম্ফাল তাম্র পব্লিকেসন, ১৯৯৭) লাঃ ২৬।
১২। ওইনাম ভোগেশ্বব (সম্পাঃ), *শাগৈ শলাইবোল* (ইম্ফাল মণিপুর ষ্টেট কলা একাদমি, ১৯৮২) লাঃ ১ অমসুং (I)।
১৩। "খন্নাংবা খুনগুমলোন", খূৎই লাইরিক, ফংফম পণ্ডিদ নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহ, উবিপোক ইম্ফাল।

অদুবু অঙাং ওইবিবা লাইপোক্নুল্লবা অশাংবম লাইবনা মায়থীবা পীখিবম্মী।[১৪] অসিগুম্বা পাঙল লম্বোইবা অমা লাক্লম্বগী ৱাফম অসি *শাকোক লমলেন অহানবা* (সম্পাঃ) খুলেম চন্দ্রশেখব সিংহ অমসুং *নোংচুপ হাবমলোন* (খুৎই) দসু ময়েক শেংনা পল্লি। *কংলা হওবা* অমসুং *শাকোক লমলেন অহানবা* হাযবিবা লাইবিক অসিদা 'পাঙন'বু 'মসমান' হায়নীংবগী ৱাফম অসিমদি অবানবা ওইগনি। মবমদি মৈদিংঙু নাওফংবনা পানবা মতমদা ইসলাম ধর্ম্ম শন্দোকত্রি, হজবত মহম্মদসু পোকত্রি। অদুগা 'পাঙন' হায়বা ৱাহৈ অসি মৈতৈশিংনা নোংচুপ লম বেঙ্গলনচিংবদগী লাকপা মীওইশিংবু খঙনৈ।[১৫] মসিদা হিন্দু নৎত্রগা মুসলিমগী ৱাফম লৈতে। অদুগা মথক্তা পনখ্রিবা পাঙল লম্বোইবা অসিগী অমুক মবৈবাক্তা হনখিববা নৎত্রগা কদাযদা লৈখি বগে হাযবগী মবমদদি চপ চাবা খঙবা ঙমদ্রি। মণিপুবদা মৈদিংঙু খুমোম্বা (খৃষ্ট ১২৬৩-৭৮) মৈদিংঙু থংবী লাম্বুবা (১৩০২-২৪) মৈদিংঙু কোংযাম্বা (১৩২৪-৩৫) সনা হাক্তক্তা নোংচুপলোমদগী লাকপা মীওইশিংবু নিংথৌনা অযাবা পীদুনা মৈতৈ যূম্নাক কয়াদা তিনশিনখিবা নৎত্রগা অনৌবা যূম্নাক ওইহনখিবগী ৱাফম ঐখোযনা থেংনৈ। খূদম ওইনা চীংঙুবেম্বী হায়বী নুপী অসি মযাং নিঙোলনি। মহাকপু লৌবকখিবদি মৈদিংঙু থংবী লাম্বুবগী অহুমশুবী লৈমা য়ীমখু চনুনা পোকপা ক্লাকপা থৱানথাবনি। চীংঙুবেম্বী অসি থিল্লকপা মতমদা মশা মতোম্তা থিল্লকপা নত্তে, অওং-অউন চাউনা মনাই-মশন কযাগা লোযননা থিল্লকপনি। অসূম্না মহাক্কী মনাই-মশন কযাসিবু চানবা শীনফমগী মতুং ইন্না মৈতৈ যূম্নাকশিংদা চঙহনখি।[১৬] মৈদিংঙু কিয়াম্বগী সনা হাক্তক্তা (১৪৬৭-১৫০৮) হিন্দু ধর্ম্মদা চেৎনা থাজবা ব্রাহ্মণ কযা মণিপুবদা লাকখিবম্মী। মখোযশিং অসি মৈত্রবাকসিদা নিংথৌনা যূম্নাক অমমম থোনবিদুনা মবা তানা লৈহনখি। মসিগী মতুংদা মৈদিংঙু খাগেম্বা (১৫৯৭-১৬৫২) গী মতমদা মণিপুবদা চাউনা নোংচুপলোমগী মীওই কযা তংদু লৈতানা খুন্দা লৈতাহনখিবগী মবমদি শানোংবগী লান্দা মুসলমান লানফা কযা ফাহৌবনা মরু ওইবা মবমনি। ফাহৌবিবা লানফা মযামশিং অসি মখোয মখোয়গী হৈনবা শীনফমগী মতুং ইন্না অনৌবা যূম্নাক কযা থোনবিদুনা অমসুং মৈত্রবাক্কী নিঙোল কযা পীদুনা লৈহনখি! ' মতৌ অসূম্না মৈতৈ *নিংথৌবোল কযাশিং অসিগী হাক্তক্তা নোংচুপ লমগী মীওই কযা খুন্দা লৈতাদুনা লৈহনখিবসি*

১৪। চনম হেমচন্দ্র (সম্পা), *কংলা হওবা* (ইম্ফাল সম্পা মশা, ১৯৯৭) লা ৩-৫।

১৫। নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র (সম্পা), *লাংগোই শগোল থাবা* (ইম্ফাল মণিপুবী সাহিত্য পবিষদ ১৯৬৮) লাঃ ৪।

১৬। " চীংঙুবেম্বী খোঙলুপ ", খুৎই লাইবিক, ফংফম পণ্ডিত নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র উবিপোক ইম্ফাল।

১৭। ওইনাম ভোগেশ্বব অমসুং জনাব খাঁ (সম্পা), *নোংসামৈ* (ইম্ফাল এম জে খাঁ ১৯৭৩) লা ৮৩।

মৈদিংঙু চবাইবোংবা (১৬৯৭-১৭০৯), গবিবনিবাজ (১৭০৯-৪৮), ভাগ্যচন্দ্র (১৭৬৩-৯৮), গম্ভীব সিংহ (১৮২৫-৩৪), চন্দ্রকীর্ত্তি (১৮৫০-৮৬) হায়বিবা নিংথৌশিং অসিগী সনা হাক্তদি নোংচুপ লমগা য়ান্না অচেৎপা মবী লৈনখিবা, চাকচা ফিজেৎনচিংবা মখোয়গী মতৌ তম্বগা লোয়ননা ধর্ম্মগী গুরু ওইদুনা বাজনীতিদা ফাওবা মখোয়গী খুৎ য়াওহনখি।

মথক্তা পনখ্রিবা বাবম প্রি হিষ্ট্রি পেবিওদকী মতমদা মৈত্রবাক্তা নোংপোক লমদগী থোবক্তুনা খুন্দাবকপা অমসুং হিষ্ট্রি না কোনশিনবা ভম্বা মতমদগী নোংচুপ লমদগী থোবক্তুনা খুন্দাবকপশিং অসি মরু ওইবা খবদং খনগৎলগা থমজবনি। মসিদা পলহৌদবা কযা অমসুনি। অদুগা খবা থেংথবক্লবা মতমদা নোংপোক অমসুং নোংচুপ লমদগী লানফা ওইনা নৎত্রগা খুনহোংলক্তুনা মৈতে সমাজদা তিল্লবিবা খিবিকশিংবু মৈতৈগী য়ুম্নাক-শাগৈ মমিং লৌদুনা লৈখিবা নৎত্রগা অনৌবা য়ূম্নাক অমা মিংথোন্দুনা লৈখিবসু কযানি। অসূন্না নৌনা চঙশিল্লকপা নোংপোক অমসুং নোংচুপকী মীওই কাঙলূপশিং অসিবু "নোংপোক হাবম" অমসুং "নোংচুপ হাবম" হায়না খায়দোক্তুনা লৈ। মখাদা নোংপোক হাবমশিংনা ওইখিবা নৎত্রগা নপচখিবা মরুওইবা য়ুম্নাকশিংদি

১। হুইয়াম, ২। সেনজম, ৩। উসম, ৪। খুম্বোং ময়ুম, ৫। চিঙ্গাংবম, ৬। অখাম্বম, ৭। সেন্দাং ময়ুম, ৮। লৌয়াম, ৯। সনখুবম, ১০। খোংবাম্ভাবম, ১১। নান্দৈবম, ১২। চাঙা ময়ুম, ১৩। কোঙ্গম, ১৪। হৈখাম,১৫। চবাই ময়ুম, ১৬। অখানবম, ১৭। ফুবিৎশাবম, ১৮। থাংজম, ১৯। হিখাম্বম, ২০। ঙাসেপ্পম, ২১। মোনফাং ময়ুম, ২২। সরুংবম হিয়াম, ২৩। চাফাময়ুম, ২৪। হৈবীথাবম, ২৫। চিঙসুবম,
২৬। ইরুংবম, ২৭। শঙখুবম, ২৮। য়েন্দ্রেম্বম, ২৯। ইচোম, ৩০। অচোইবম,
৩১। উসম কেঙ্গোইময়ুম, ৩২। লাকপমশাবম, ৩৩। শমচেৎশাবম, ৩৪। শাইসেনবম,
৩৫। থাঙাবম, ৩৬। সেনজম লাইফাকপম, ৩৭। অখনবম, ৩৮। চাংখমময়ুম,
৩৯। চাফানময়ুম, ৪০। কবো শকংবম, ৪১। মুংয়োংময়ুম, ৪২। লৈপাকশঙবম, ৪৩। থোঙ্গাবম, ৪৪। চীঙ্গাংসু থঙ্গোংময়ুম, ৪৫। কসোম ময়ুম অসিনচিংবা।

নোংচুপ হাবমগী মীওইশিংনা ওইখিবা নৎত্রগা নপখিবা মরুওইবা য়ুম্নাকশিং

১। ক্ষেত্রীময়ুম, ২। পুখ্রীহোংবম, ৩। ঙাইবাংবম, ৪। তাইবুজম, ৫। শগোনসেম, ৬। ঙাথেম, ৭। পেবম, ৮। থৌদাম, ৯। সাইখোম, ১০। সনসম্, ১১। সনখোম্বম, ১২। কৈসাম, ১৩। নিংথৌজম, ১৪। ময়াংলম্বম, ১৫। নহাবাকপম, ১৬। চিয়াম, ১৭। অনোং ময়ুম, ১৮। অনৌবম, ১৯। কাক্‌যেন ময়ুম, ২০। কাকয়েন ফাইবম, ২১। লম্বলৈ শঙবম, ২২। শঙাইসেনবম, ২৩। অপাম্বম-ফাযেংবম, ২৪। সোন ময়ুম, ২৫। ময়াং অবিবম, ২৬। খুবাইতাবা থাংজম, ২৭। লুক্রাম, ২৮। মযাংচঙবম, ২৯। কৈদোংবম, ৩০। অবাম্বম, ৩১। সোম্বম, ৩২। পেচি ময়ুম, ৩৩। নিংথৌ চানবম, ৩৪। যুপানবম, ৩৫। রাথম্বম, ৩৬।

হুইনাম ময়ুম, ৩৭। নামোইজম, ৩৮। কোংথৌবম, ৩৯। থাঙজাউ ময়ুম, ৪০। লাইরিকয়েংবম, ৪১। তখেল-অয়েকপম, ৪২। চনম্বম, ৪৩। তখেল্লম্বম, ৪৪। ক্ষেত্রীনাওতম, ৪৫। বাবীবম, ৪৬। কহ্নাইবম, ৪৭। লপলাকপম, ৪৮। লৈহাওরুংবম, ৪৯। লাঞ্জবম, ৫০। কাঙবমতাবম, ৫১। লৌশম্বম, ৫২। পৌশঙতাবম, ৫৩। চনমথাবম, ৫৪। ঈশিং খাইবম, ৫৫। পলকুংবম, ৫৬। খবিবম, ৫৭। থাঙজম-বাঙখেম, ৫৮। নমসাতাকপম, ৫৯। নাপেৎ ময়ুম, ৬০। ফৈশাবম-অকবাম, ৬১। বাইবিফাম্বম থানসাবা-খাইদেম, ৬২। কোঞ্জেংবম, ৬৩। পেবে খোংবম, ৬৪। শিঙ্গা খোংবম, ৬৫। হৈরুংবম, ৬৬। থাঙাঙশাবম, ৬৭। মোইখোংবম, ৬৮। তখেল চঙবম, ৬৯। যুখাতাবম, ৭০। হৌদোংখোংবম, ৭১। ময়াং হিসাবা লুপলাকপা, ৭২। অরাংতাবম, ৭৩। চিঙশুবম, ৭৪। অশাংবম, ৭৫। চঙসঙবম, ৭৬। মুহাক ময়ুম, ৭৭। হিংখাইবম, ৭৮। খাবজম, ৭৯। লাইখু ময়ুম, ৮০। কোংলৈ ময়ুম, ৮১। অযেকপম, ৮২। লাইতোনজম, ৮৩। সিন্নুংতাবা শেনয়বম, ৮৪। চুকি ময়ুম, ৮৫। খুকাপম, ৮৬। সুন্নাবম ময়ুম, ৮৭। তবংবম, ৮৮। ধবান্দ ময়ুম, ৮৯। উকাবম, ৯০। যুমকাবম, ৯১। নাউতম, ১০০। অবুজম, ১০১। সঞ্জুরাম ময়ুম, ১০২। আনন্দ ময়ুম, ১০৩। ওইনাম, ১০৪। অহৈবম, ১০৫। পাখঙলাকপম, ১০৬। হৈক্রুজম, ১০৭। যুমখাইবম, ১০৮। য়াম্বেম, ১০৯। হিদাকশঙবম, ১১০। শনশেনবম, ১১১। খুল্লাকপম, ১১২। যাঙ্গোইজম, ১১৩। নামবম, ১১৪। খাদিতাবম, ১১৫। বাকানবম, ১১৬। মৈতানকৈশঙবম অসিনচিংবা।

নিংথৌনা যুম্নাক অমমম্ মিংথোনবিদুনা মণিপুবদা তংদু-লৈতানা খুন্দা-লৈতাহনম্নবা ব্রাম্মণশিংগী যুম্নাক, হৌবকফম অমসুং মতম

	যুম্নাক	হৌরকফম	মতম
১।	অধিকাবীমযুম	খবোদাহ	কিয়াম্বা
২।	শিজগুরুমযুম	গুজবাত	কিয়াম্বা
৩।	লৈহাও থাবম	কানপুব	কিয়াম্বা
৪।	তখেল চঙবম	আসাম	কিযাম্বা
৫।	ককচিং তাবম	কলিগ্রাম, শ্রীহট্ট	কিযাম্বা
৬।	ফুবাইলাৎপম	নন্দগ্রাম, উত্তবপ্রদেশ	কিয়াম্বা
৭।	কানাওচিমযুম	কানপুব	চলাম্বা
৮।	লৌবুকতোংবম	শান্তি	মুংযাম্বা
৯।	অবিবম বিষ্ণু লাৎপম	বডনগব শ্বালপডা	খাগেম্বা
১০।	অবিবম শগোল্লাইলাৎপম	,,	,,
১১।	অবিবম তম্পাক্লাইলাৎপম	,,	,,

১২। থোঙখাতাবম	খবোদাহ	,,
১৩। কোংবালাইলাৎপম	নবদ্বীপ	,,
১৪। হিদংমযূম	খবোদাহ	,,
১৫। শগুলাকপম	কুমিল্লা	,,
১৬। শামুলাইলাৎপম	কোলকতা	,,
১৭। বাচসপতিমযূম	বেনাবস	পাইখোম্বা
১৮। হৈককশিবম	মদগাওঁ	,,
১৯। গুরুমযূম অঙোমলাই লাৎপম	কানোনগ্রাম	,,
২০। শ্রীমযূম	গুজবাত	,,
২১। মনোহবমযূম	গমডিলানগব	চবাইবোংবা
২২। ব্রহ্মাচাবিমযূম	প্রযাগ	,,
২৩। গুরুমযূম অবিবম	পুবী	,,
২৪। লাইমযূম	খবোদাহ	,,
২৫। লাইপুবম	কটক	,,
২৬। হঙোইবম	মথুবা নন্দগ্রাম	,,
২৭। হাজাবিমযূম	কৃষ্ণনগব	,,
২৮। চৌধবীমযূম	উৎকাল	,,
২৯। লাইমযূম অনৌবম	ত্রিপুবা	,,
৩০। লাইমযূম	,,	,,
৩১। মথুবাবাসিমযূম	মথুবা	,
৩২। অনৌবম	কন্যাকুব্জা	গবিবনিৱাজ
৩৩। হঞ্জবম	,,	,,
৩৪। ব্রহ্মাচাবিমযূম অনৌবম	বডনগব	,,
৩৫। গোতিমযূম	শান্তিপুব	,,
৩৬। হিদংমযূম	সুনাবদিপন পডা	গবিবনিৱাজ
৩৭। গুরুমযূম	কৃষ্ণনগব	মযাম্বা
৩৮। ৰাবীলিবম	খবোদাহ	ভাগ্যচন্দ্র
৩৯। ব্রজবাসীমযূম	বৃন্দাবন	,,
৪০। ধ্যানদাসমযূম	লাহোব	,,
৪১। অধিকাবী অনৌবম	শান্তিপুব	,,
৪২। অনৌবম	নন্দগ্রাম	গম্ভীব সিংহ
৪৩। ,,	ত্রিপুবা	,,

৪৪। ব্রজবাসীময়ূম	শান্তিপুব	”
৪৫। অচার্য্যময়ূম	ধাকা	”
৪৬। গোসাইময়ূম	শান্তিপুব	নবসিংহ
৪৭। কুলিনময়ূম	বড়নগব	”
৪৮। অনৌবম অধিকাবীময়ূম	বাইবেবিলি	চন্দ্রকীর্ত্তি
৪৯। বাধাকুণ্ডবাসিময়ূম	বাধাকুণ্ড	”

অসিনচিংবা মরুওইবা বামোন যূন্নাকশিংনি।

মণিপুবদা তংদু লৈতাদুনা লৈবক্লবা পাঙল (মণিপুবী মুস্লিম) শিংগী যূন্নাকশিং ১। অবিবম, ২। অয়েকপম, ৩। ইফম, ৪। ওয়নাম ময়ূম, ৫। কোবীময়ূম, ৬। কোন্থা ময়ূম, ৭। কৈনৌ ময়ূম, ৮। উকপ ময়ূম, ৯। কৈখোঙতা, ১০। খূৎহৈবম, ১১। খুন্নাকপম, ১২। য়ুমখাম, ১৩। মানসম, ১৪। হবাই ঈংখোন, ১৫। চেসম, ১৬। মাইবম, ১৭। বাসৈ ময়ূম, ১৮। লৈশাংখোং, ১৯। মালশম, ২০। মোইজিং ময়ূম, ২১। ফুসম, ২২। লুপ্লাকপম, ২৩। দোলাই পাবম, ২৪। লৌপান ময়ূম, ২৫। মেরাই ময়ূম, ২৬। মকক ময়ূম, ২৭। মুব্রাম, ২৮। থোংখোঙ ময়ূম, ২৯। ফু়ন্দ্রেময়ূম, ৩০। শঙ্গোমশুমবম, ৩১। পুখ্রীময়ূম, ৩২। য়ুমখাইবম, ৩৩। বগীময়ূম, ৩৪। শাজবম, ৩৫। কমলময়ূম, ৩৬। লবুকতোংবম, ৩৭। থৌবালময়ূম, ৩৮। সাইবেম, ৩৯। সিঙ্গাখোংবম, ৪০। হিদাক ঈংখোল, ৪১। ফিরিঙ্গীময়ূম, ৪২। তাওথোংময়ূম, ৪৩। মোইনাম ৪৪। বাংময়ূম, ৪৫। নোংজাইময়ূম, ৪৬। নোংশায়াইবম, ৪৭। ময়াংময়ূম (অবিবা), ৪৮। ময়াংময়ূম (অনৌবা) ৪৯। হৈখামময়ূম, ৫০। থাঙজম, ৫১। ফিসম, ৫২। কৈথেল ঈংখোল, ৫৩। যাংখুবম, ৫৪। শাককপম, ৫৫। হৈপোকময়ূম, ৫৬। তম্পাকময়ূম, ৫৭। ভুযা ময়ূম, ৫৮। লৈশাংখোং, ৫৯। লাইবিক য়েংবম অসিনচিংবা।

মথক্তা নৈনখ্রিবা অসিদগী ঐখোযনা মণিপুবদা অঙনবা মতমদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈবক্লিবশিং অসি অযাম্বনা নোংপোকলোমদগী লাকপা মনাতোন নম্বা মমীৎ খুবা কুচু ঙৌথাংনবা মোঙ্গোলোইড (Mongoloid) কাঙবু ঙাক্তনি। অদুগা খবা থেংথ বক্লবা ইতিহাসনা কোনশিনবা ঙম্বা মতমদগীদি মৈতৈ নিংথৌবোল কযাগী হাক্তক্তা তাংথক নাইনা নোংচুপ লোমদগীসু অয়াম্বনা মনাতোন তূম্বা, মমীৎ লাওবা ককেসোইড (Caucasoid) কাঙবু কযা চঙশিল্লক্তুনা নিংথৌনা অয়াবা পীদুনা লৈহনখিবদগী মফমসিদা হাম্না লৈজবন্নবা মীওইশিংগা চাবৌ মৌবৌনদুনা মথোয়গী ঈ চঙখ্রবনি।

লোন অমসুং ময়েক

লোন

মৈত্রবাক্তা য়াম্না ভল্লিঙৈ মতমদা তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদগী তোঙান-তোঙানবা মীওই কয়া খুম্থোরকপা অমসুং মসিদগী খবা থেংথবক্লগা কাঙলুপ তবেৎ হায়বদি (১) সাবাং-লৈশাং, (২) হাওবোক-কোনথৌ, (৩) উবোক-উশাই, (৪) থাঙভা-কম্বোং, (৫) খুনফম-ভাংজেং, (৬) হয়রেম-খুনজান, (৭) লোকখা হাওখা অসিনা পাল্লম্মী।[১] মখোয় অসি তোঙান-তোঙানবা মাগী মাগী ভমখৈ অমমমগী মনুংদা মনিং-মখা তৌনা নিংথৌ পাল্লম্বা লৈবাক মচা মচানি। মসিগী মতুংদা খৃষ্টগী অহানবা চহীচাদা নোংদা লাইরেন পাখঙবনা কংলৈদা পাল্লকপা মতম অদুবাইদদি হৌজিক ঐখোয়না খঙনবিবা য়েক তবেৎকী মীওই কাঙলুপশিং অসিনা মাগী মাগী লমখৈ অমমমগী মনুংদা কবিগুম্বদা য়েক্লবা ওইনা কবিগুম্বদা মকাপ ওইনা পান্নবম্মী। মণিপুরদা তোঙান-তোঙানবা মীওই কাঙলুপনা তোঙান-তোঙানবা মফমদা পাল্লম্বনা মখোয মখোয়গী লোন অসি অমগা - অমগা চপ চানা মান্নফম থোক্তে। তৌইগুম্বসুং মপুঙ ওইবা মওঙদদি মান্নে হায়বসিনি। কাঙলুপ অমগা অমগা লোন মপুঙদা মান্নববসু খেন্নবা লৈ হায়বসিগী মবমদা খুদম ওইনা

মৈতৈলোন	মোইরাংলোন
কাংফাল	কোং
ঈশিং	লোকলৌ
নৌ	খুমু
শীংজঙ	১- হাইবি
মাইবা	মোইবা
ক্বাক	শীংজা
ভাখা	ভাতোই
অথৌবা	খাবা

১। মোইরাংথেম চন্দ্রসিং, "মণিপুরী সংস্কৃতি ইতিহাসকী শক্তম খব" *সাহিত্য,* ২৩শুবা মশীং, (ইম্ফাল ঃ মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ১৯৭৫), লাঃ ১।

মৈতৈলোন	খুমন লোন
পাৎ	কোন
কংফাল	য়া
শিরবা	ফুরবা
থম্না	লাইরা
য়েনবা	শোইপাই
য়েনপী	শোইথিং
নৌ	তাউতেক
শঙ্গায়	য়াকোন
লাইখন	শবিক

মৈতৈলোন	শেন্নোয় লংমাইলোন
অথৌবা	অয়াওবা
শিবা	তোৎপা
হুন্নকপা	তবকপা
শম	খিংখিং
শমজি	কায়নৌ
পুং	খোং
মৈ	যাই
লীরুং	মাবা
লেম্ফু	কোকে[২]

অসুন্না খেন্নবা খবা খবা লৈববসু মৈতৈলোন অসিনা য়াম্না ওন্নিঙৈ মতমদগী হৌনা মণিপুবদা বাজ ভাষা ওইনা ঙাঙনদুনা কাঙলূপ তবেৎ অসিগী লৈবাক অমগা অমগা পাউ ফাউদোক ফাউজিন তৌনৈ। মতাং অসিদা পণ্ডিত খেলচন্দ্রনা অসুন্না হায়বি

> নিংশিংবদা লাম্বা ফংদ্রবা মতমদগী হৌনা মৈতৈবোম্না লৈবাক অসিগী বাজ ভাষা (Court language) ওইবক্রিবনি।[৩]

ওন্নিঙৈ মতমদগী হৌনা মণিপুবদা কাঙলূপ মচা মচা থোকনা পাম্নমদুনা মাগী মাগী

২। নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র, *অরিবা মণিপুরী সাহিত্যগী ইতিহাস* (ইম্ফালঃ চিরোম য়াইমবী দেবী, ১৯৯২) লাঃ ১৭, ১৮।

৩। মথক্কীসিদা, লাঃ ২১।

কাঙলূপকী চৎনবী লোন্দা অমমম লৈজবন্নবসু মপুঙ ওইনদি মান্নে। মসিনা মবম ওইদুনা মৈতৈলোন্না ঙল্লিঙে মতমদগী হৌনা মণিপুরগী রাজভাষা ওইদুনা চৎনবিবনি।

কবিগুম্বা লোন অমগী অকক্লবা চপ চাবা অরেপ্পা হৌবকফম পীবা হায়বসি ওইথোক্তে। অদুবু চাউবাকপা ওইথোকপা যাবা মওঙ অমা পীবগা যানবা ঙাক্তনি। ঙসিগী পৃথিবী অসিদা হৌজিক হৌজিক ঙাঙনবিবা লোনগী মশীং অসি অখঙ-অহৈশিংনা চাউবাক্লা ২৮০০ রোম ওইগনি হায়না থাজনৈ। অসিগুম্বা লোনশিং অসি চাউবাকপা মান্নবা মওঙ যেংলগা তোঙান তোঙানবা কাঙলূপ অমুক খাযদোক্কুনা থম্নে। মদুশিংদুগী মবক্তা মরু ওইবা খবদং পল্লবদা ইন্দো যুরোপীযান শাগৈ, আফ্রিকান শাগৈ, দ্রাবিড শাগৈ, টিবেতো বর্মন নৎত্রগা টিবেতো চাইনিজ শাগৈ অসিনচিংবা মরুওইবা লোনগী শাগৈ ঙাক্তনি। লোনগী শাগৈ নৎত্রগা কাঙলূপ অসি খাযদোকপদা লোনগী পণ্ডিতশিংনা মখাগী অসূন্না খাযবস্মী

(ক) ধর্ম্মগী তুং ইন্না লোনগী কাঙলূপ নৎত্রগা শাগৈ খাযদোকপা,

(খ) লমখৈগী মতুং ইন্না লোনগী কাঙলূপ নৎত্রগা শাগৈ খায়দোকপা,

(গ) জাৎকী মতুং ইন্না লোনগী কাঙলূপ নৎত্রগা শাগৈ খায়দোকপা,

(ঘ) লোনগী মশক-মওঙগী মতুং ইন্না কাঙলূপ নৎত্রগা শাগৈ খাযদোকপা,

মখল মবি অসিগী মনুংদা (ঘ)গী লোনগী মশক-মওঙগী মতুং ইন্না কাঙলূপ নৎত্রগা শাগৈ খাযদোকপা অসিনা খ্বাইদগী হেন্না সাইন্টিফিক ওইবা মবন্না অযাম্বা পণ্ডিতশিংনা যানৈ।

মণিপুরী লোন অসি কবম্বা লোন কাঙলূপকী মনুং চনগনি হাযবগী মতাংদা জি এ গিযার্সন্না কুকি চিন কাঙলূপকী মনুং চনগনি হায়না মত ফোঙদোকই। পি কে বেনেদিক্টনা টিবেতো বর্মনগী কুকি - নাগা কাঙলূপকী মনুং চনগনি হায়বস্মী। মসিগী মতুং তাবকপদা মৈতৈ পণ্ডিতশিংনসু মখোযনা হায়বম্বা মতশিং অসি য়ানীংলস্মী। তশেংনমকসু মণিপুরী জাতি অসিগী হৌবকফম যেংবদা টিবেতো বর্মন কাঙলূপকা য়ান্না নকশিন্নবা অমসুং লোনশিং অসিগী বাহৈ, খোল্লোক অমসুং গ্রামাটিকেল আইটেমস, জেন্দর, টেন্স, নম্বর, পার্সন অসিনচিংবা কয়াদা মান্নবা মশক কযা লৈ। মদুদি

মণিপুরী	বর্ম্মীজ	কুকি	টিবেত
মী	মী	মী	মী
ঙা	ঙা	ঙা	ঙা
অমা	অমা	অমা	অমা
চে	চে	চে	চে[৪]

৪। দা সাপম তোম্বা, মীতৈলোনগী ঈতীহাস অমসুং বানান, (ইম্ফাল ঃ মণিপুরী রাইটরস এসোসিয়েসন, ১৯৯৮) লাঃ ৫।

মথক্তা খবদং নৈনথ্রিবা অসিদগী মৈতেবোন অসি টিবেতো বর্মন কাঙলূপকী মীওইশিংগা জাৎ কুচুনচিংবা মান্নবগা লোযননা লোনগী মশক অমা মপুঙদা মান্নবা মবন্না টিবেতো বর্মন কাঙলূপকী লোনগী মনুংদা থম্বনা খাইদগী হেন্না নকশিন্নবা চানবা হাযবদু ওইগনি। তৌইগুম্বসুং খবা থেংথবক্লবা মতম মক ওইনা ১৮, ১৯ শুবা শতাব্দীদগী হাযবিবা লোন অসিদা আর্য্য লোনগী মনুং চনবা সংস্কৃত বাংলানচিংবা লোন কযামরুম চঙশিল্লক্নুনা যানশিন্নখিবগী মশক অমদি উবা ফংই।

ময়েক

কবিগুম্বা জাতি অমগী নৎত্রগা লোন অমগী হৌবকফম, মতমনচিংবা চপ চানা পুথোক্নুনা তাকপা ঙমদবগুন্না মযেক্কী মতাংদসু অদুমঙাই। মৈতে মযেক কযা কুইববগে কদাযগী হৌবকই হাযবা চপ চানা কনানসু মবীক চুন্না মতিক চানা প্রমান পুথোক্নুনা উৎনখিবা লৈখিদ্রি। অদুবু ঙসি ফাওবদা স্কোলব কযামকন্না মাগী মাগী মত ফোঙদোক্লদুনা চাওবাকপা মতম অমা লাক্নুনা থন্নবম্মী। মৈতে মযেক্কী মবমদা জি ঐচ ডমন্টনা ১৭ শুবা শতাব্দী মমাঙদা মণিপুবদা মৈতে মযেক্কী লাইবিক লৈবম্বা ফংনদে হাবম্মী। টি সি হোদসন্না খৃষ্ট ১৫৪০ গী অদুবাইদা মণিপুবদা লাক্লম্বা চাইনিজশিংদগী তমহৌবনি হাযবম্মী। তৌইগুম্বসুং ৱাফম অনীমক পণ্ডিত খেলচন্দ্রনদি যাবমদে। পণ্ডিত অসিনা ফযেংদগী ফংখিবা কোবী কোম্পাক্তা ইবম্বা ৱাবোলশিংদগী মৈদিংঙু খোঙতেকচা(৭৬৩ - ৭৭৩) গী মতমদগী লৈবে হাযনা ডমন্ট অমসুং হোদসনগী ৱাফম কক্লম্মী।[৫] পণ্ডিত বাজকুমাব ঝলজিৎনসু কোবী কোম্পাক্কী মওঙ য়েংলগা ৮ শুবা চহীচাদগী লৈবক্লে হাযবসিনি।[৬] মৈদিংঙু খাগেম্বগী মতম (১৫৯৭ - ১৬৫২) দা লাইবিক *থোকহন্দুনা* তমহনবগী মতাংদা *চৈথাবোল কুম্বাব* দা অসূন্না ইবি

> মোইবাংথেম শানোংগী কুমদি শক ১৫৩৮ দা মৈদিংঙু খাগেম্বনা মৈতে লাইবিক থোকহন্দুনা তম্বা হৌএ।[৭]

মথক্তা নৈনথ্রিবা অসিদগী মৈতে মযেক অসি থেংলবদা মৈদিংঙু কিযাম্বগী মতম ১৫ শুবা শতাব্দীদগী লৈবে হায়বসিনি।

৫। নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র, *অবিবা মণিপুবী সাহিত্যগী ইতিহাস,* (ইম্ফাল ঃ চিরোম য়াইমবী দেবী, ১৯৯২) লাঃ ২৫, ২৬।

৬। আর কে ঝলজিৎ, *এ হিষ্টবি ওফ মণিপুবী লিটবেচব,* (ইম্ফাল ঃ মণিপুর য়ুনিভর্সিতি,, ১৯৮৭) লাঃ ১০।

৭। লাইরেনময়ুম ইবুংঙোহল অমসুং নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র, (সম্পা) *চৈথারোল কুম্বাবা,* (ইম্ফাল ঃ মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ১৯৮৯) লাঃ ৩৬।

পৃথিবী অসিদা খুৎইগী মওঙ যেংলগা ময়েক অসি কাঙলূপ অহুম থোক্লা খাযদোকপা য়াই। মদুদি -

(ক) ব্রাহ্মী লিপি - ওযবোমদগী যেৎলোমদা ইবা মওঙবুনি। খূদম ওইনা হিন্দী, ইংবাজী, বাংলা মযেক অসিনচিংবা।।

(খ) খবোষ্ঠি লিপি - যেৎলোমদগী ওয়বোমদা ইবা মওঙবুনি। খূদম ওইনা খবোষ্ঠি উর্দ্দু, আববিক অসিনচিংবা।

(গ) চাইনিজ লিপি - মথক্রোমদগী মখাবোমদা ইবা মওঙবুনি। খূদম ওইনা চাইনিজ মযেক, জপানিজ মযেক অসিনচিংবা।

মৈতৈ মযেক অসি ওযবোমদগী যেৎলোমদা ইবা মবন্না ব্রাহ্মী লিপিগী মনুং চনগনি।

মৈতৈ ময়েক্কী খোঙ্গোক অমসুং মশীং

মৈতৈ মযেক্কী খোঙ্গোক অমসুং মশীংগী মতাংদা মণিপুবদা হৌজিকমক যান্না অচৌবা ৱাথোক অমা ওইবি। কাঙলূপ অমগা অমগা খোঙ্গোক অমসুং মশীংগী মতাংদা ইমান মান্নদে। মতাং অসিদা যুম্নাবা তম্ফাজাওনা মাগী লাইবিক *মৈতৈ মযেক ১৮গী কাঙলোন্ অমসুং ৱাঙউলোন* হাযবসিদা মৈতৈ মযেক ১৮ অমসুং মসিগী খোঙ্গোকপু অসূন্না তাক্লি

(কোক্)	(সম্)	(লাই্)
(মীত্)	(পা)	(না)
(চীল্)	(তিল্)	(খৌ)
(ঙৌ)	(থৌ)	(ৱাই্)
(য়াঙ্)	(হুক্)	(উন্)
(ই)	(ফম)	(অতীংঅা)

অদুগা লোনসুম মযেক ১০ ইবগী মওঙসু অসূন্না তাক্লি

(কোক্ লোনসুম)	(লাই্ লোনসুম)	(মীত্ লোনসুম)
(পা লোনসুম)	(না লোনসুম)	(তিল্ লোনসুম)
(ঙৌ লোনসুম)	(উম লোনসুম)	(ই লোনসুম)
(অতীংঅা লোনসুম)।[৮]		

৮। যুম্নাবা তম্ফাজাও *মীতৈ মযেক ১৮গী কাঙলোন্ অমসুং ৱাঙউলোন* (ইম্ফাল ঃ মঙাংচা কৈশাম ইবোমচা ১৯৯২) লাইবিক পুম্বা।

ওল মণিপুর মীতৈ ময়েক রিছার্চ এন্দ ট্রেনিং বোর্দ, ইম্ফাল, কংলৈপাক্কী মতুং ইন্না মৈতৈ ময়েক্কী মশীং অমসুং খোঙ্হোক

ꯀ - কোক্	ꯁ - সম	ꯂ - লাই
ꯃ - মীৎ	ꯄ - পা	ꯅ - না
ꯆ - চীল	ꯇ - টীল	ꯈ - খৌ
ꯉ - ঙৌ	ꯊ - থৌ	ꯋ - ৱাই
ꯌ - য়াঙ্	ꯍ - হুক	ꯎ - উন
ꯏ - ঈ	ꯐ - ফম	ꯑ - অতিয়া
ꯒ - গোক	ꯓ - ঝম	ꯔ - রাই
ꯕ - বা	ꯖ - জিল	ꯗ - দিল
ꯘ - ঘৌ	ꯙ - ধৌ	ꯚ = ভম

মতাং অসিদা বোর্দ অসিনা ꯒ = গোক ময়েক অসিদগী মথং শীৎনা ꯚ = ভম ময়েক অসি ফাওবসি মথক্কী ময়েক ১৮ ꯀ = কোক্ তগী ꯑ = অতিয়া ফাওবসি মৈতৈলোনগী অহোংবা কয়া লাকপদগী অরিবা লোনদা কষ্থা কবেঙনবথা মওঙদগী মতমগী মতুং ইন্না নৌথবকপদগী লোমথবকপনা মবম ওইদুনা ময়েক ৯ অসি থোরকপনি হায়বি।[৯]

পণ্ডিত নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র, ওইনাম ভোগেশ্বর অমসুং মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ইম্ফালনদি মৈতৈ ময়েক অসি মশীং ৩৫নি, অঙ্ক থাবগা ৩৬ শুই হায়না মত পী। খোঙ্হোক্কী মতাংদসু বাংলা ময়েক্কী খোঙ্হোক "ক" গী মমৈদা "অ" নৎত্রগা "ও" গী খোঙ্হোক লোইহবদা শীজিন্নবা খোঙ্হোক্কী ছন্দদু মৈতৈ ময়েক পাবদা শীজিন্নদে। হিন্দীগী খোঙ্হোক্কা মান্ননা পাগনি। মণিপুরী সাহিত্য পরিষদকী মত মতুং ইন্না মৈতৈ ময়েক্কী খোঙ্হোক অমসুং মশীং

[illegible] [১০]

৯। দি এস তোম্বা (দোরেন) *কংলৈ ঈয়েক তম্নবা অরাইব মপী লাইরিক অহাব*, ইম্ফাল : ওল মণিপুর, মীতৈ ময়েক রিছার্চ এন্দ ট্রেনিং বোর্দ, ২০০২) লাঃ ৩-৮।

১০। ওইনাম ভোগেশ্বর, *মৈতৈ ময়েক মপী তম্নবা লাইরিক*, (ইম্ফাল : মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ১৯৯০) লাঃ ১,২।

খুৎইতনা মথং-মথং ইনবকপনা লাইবিক অমগা অমগা খেন্নবা মওঙ মখাদা উৎলি :

= ক　　= ট　　= প

= ঙ　　= ফ　　= হ

= ঠ　　= ষ　　= ক্ষ

= ণ　　= ধ

মথক্কী ময়েক কাঙলোন অহুম ১৮গী কাঙলোন, ২৭কী কাঙলোন অমসুং ৩৫গী কাঙলোন অসিদা মান্নবা অমসুং খেন্নবশিংদি - ময়েক ১৮গী মশক অসিদগী ' ' = গোকতগী মথংশীৎনা ' ' = ভম ফাওবা ময়েক মাপন অসি মতমগী মতুং ইন্না লোমথবক্কুনা ২৭ শুবনি হায়বসিনি। মসিদা চাউনা খেন্নবা থোইদোক্না লৈতে। অদুগা অমুক ময়েক ২৭ অসিনা ময়েক ৩৫ অসিগী মনুংদা = ঘ, = ঞ, = ট, = ঠ, = ড, = ঢ, = ণ, = শ, = ষ, অমসুং = ক্ষ লৌথোক্লগা ময়েক ৩৫ গী স্বর ময়েক হায়বদি থরায় ময়েক (ঈ) অমসুং (ঊ) অসিগা পুন্না ময়েক ২৭নি হাযবি। (কাঙলূপ অনি অসি ময়েক মান্নফাত্তে। খেন্নবা উৎপদা নুংঙাইনবা হাযদুনা পরিষদকী মৈতৈ ময়েক (ঈ) অমসুং (ঊ) হাযনা শীজিন্নবনি) মণিপুরী সাহিত্য পরিষদনা পুরিবা রাপুনা ময়েক ৩৫ অসি নত্তনা মৈতৈগী অরিবা লাইবিক কয়ামকম পাবা যাদে হাযবসিনি।

দেভিদ দিরিঞ্জরনা সাউথ ইষ্ট এশিয়াদা ঙাঙনরিবা লোনশিংগী ময়েক— দেবনাগরী, অহোম, টিবেত, মোন, থাই, বর্ম্মিজমচিংবা ময়েক্কী খোঙ্হোক অসি ka, kha, ga হাযনা অদুমক পানৈ হায়বম্মী।[১১]

১১। দেভিদ দিরিঞ্জর, *দি অলফাবেট ভো* ২ (লণ্ডণ ডব্লিউ বান হুটচিনসন এণ্ড কো (পব্লিসর্স) লিমিটেদ, ১৯৬৮), লা ২৫৪-৫৫।

হাপচিনবা শকক ঃ

PHONETIC VALUE	DEVANAGARI SCRIPT	BRAHMI SCRIPT	BURMESE SCRIPT	THAI SCRIPT	MON SCRIPT	AHOM SCRIPT	EARLY TEBETAN SCRIPT	PHONETIC VALUE	DEVANAGARI SCRIPT	BRAHMI SCRIPT	BURMESE SCRIPT	THAI SCRIPT	MON SCRIPT	AHOM SCRIPT	EARLY TEBETAN SCRIPT
ka	क	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	dha	ध	[illegible]	[illegible]	[illegible]			
kha	ख	[illegible]	[illegible]	[illegible]			[illegible]	na	न	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]
ga	ग	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	pa	प	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]
gha	घ	[illegible]	[illegible]	[illegible]				pha	फ	[illegible]	[illegible]	[illegible]			[illegible]
ña	ङ	[illegible]	[illegible]	[illegible]				ba	ब	[illegible]	[illegible]	[illegible]			[illegible]
cha	च	[illegible]	[illegible]	[illegible]			[illegible]	bha	भ	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]
chha	छ	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	ma	म	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]
ja	ज	[illegible]	[illegible]	[illegible]			[illegible]	ya	य	[illegible]	[illegible]		[illegible]	[illegible]	[illegible]
jha	झ		[illegible]	[illegible]			[illegible]	ra	र	[illegible]	[illegible]		[illegible]	[illegible]	
ṅa	ञ	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	la	ल	[illegible]	[illegible]		[illegible]	[illegible]	
ṭa	ट	[illegible]	[illegible]	[illegible]				va	व	[illegible]	[illegible]		[illegible]	[illegible]	
ṭha	ठ	[illegible]	[illegible]	[illegible]				zha		[illegible]					
ḍa	ड	[illegible]	[illegible]	[illegible]				śa	श	[illegible]					
ḍha	ढ	[illegible]	[illegible]	[illegible]				sha	ष	[illegible]					
ṇa	ण	[illegible]	[illegible]	[illegible]				sa	स	[illegible]			[illegible]	[illegible]	
ta	त	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	ha	ह	[illegible]	[illegible]		[illegible]	[illegible]	
tha	थ	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	ḷa		[illegible]	[illegible]				
da	द	[illegible]	[illegible]	[illegible]			[illegible]	ra		[illegible]					

দেভিদ দিরিঙ্গরগী *দি অলফাবেট ভো* ২ গী লা ২৫৪,৫৫,৮০,৮১ অমসুং গোভর্ণমেন্ট ম্যুজিয়ম বুল্লেটিন মাদ্রাজদগী ডা সনাতোম্বনা লৌথোবকপদগী অমক য়েঙ্ঙজবা।

মথক্কী ৱাফমশিং অসিদগী তোপ তোপ্পা মণিপুবগী লিঙ্গুইষ্টশিংনা মৈতৈবোনগী খোঙ্হোক্কী মতুং ইন্না ব্যঞ্জণ ময়েক ২৪নি অতৈদি শীজিন্নদ্রবসু অকায়বা ওইবোইদবা ময়েক ঙাক্তনি হায়বম্মী। ময়েক ২৪ অদুদি

ক	খ	গ	ঘ	ঙ
চ	ছ	জ	ঝ	ঞ
ট	ঠ	ড	ঢ	ণ
ত	থ	দ	ধ	ন
প	ফ	ব	ভ	ম
য	ব	ল	ৰ	শ
ষ	স	হ্	ক্ষ	ড
ঢ	য	ং	ঃ	•
ৎ				

মথক্তা লৈযিনা কোযশিল্লিবা মযেক ১৭ অসি শীজিন্নদ্রবসু যাববা ঙাক্তনি।অদুগা লেমহৌবিবা মযেক ২৪ অসিদি তঙাইফদনা শীজিন্নদবা য়াদ্রবা ঙাক্তনি হাযনা মত ফোঙদোকই।[১২]

ৱাফমশিং অসিদগী খঙবদি মৈতৈ ময়েক অসি ঙল্লিগেঁ মতমদা মশীং যাম্লমদ্রবসু থেংথবক্লবা মতমদদি মশীং শোযদনা হেনগৎলমগনি হায়না থাজনিঙাই ওই। অদুগা মযেক্কী খোঙ্হোক্কী মতাংদনা সাউথ ইষ্ট এশিয়াগী লৈবাক অয়াম্বনা হায়বদি মণিপুবী নোংপোক্তা যূমথংনবিবা লৈবাক অয়াম্বনা ka, kha হাযবা খোঙ্হোক্তা পাবা মবম্না মৈতৈ মযেকসু ka, kha হাযনা পাবনা মহৌশা ওইগনি। মণিপুবগী লিঙ্গুইষ্টশিংনা শীজিন্নদ্রবসু অকায়বা ওইবোইদবা মযেক ১৭ অসি অথেংবা মতমদা দেবনাগবী লিপি নৎত্রগা বাংলা লিপিগী প্রভাবগী চঙলক্লমগদ্রা হায়বসি খননিংঙাই ওইবি।

———

১২। দাঃ ৱাবীবম বঘুমনি সিংহ, 'মণিপুরি লোল্গি বানান্ কাঙলোন, ১৯৬৯ নৈনবা মীৎয়েং অম', (সেমিনার পেপব), ইম্ফাল মণিপুবী লেঙ্গুইজ দিবলপ্মেন্ট সোসাইতি, জুন ২৬ ২৭ ১৯৯৯।

মবিশুবা পন্দুপ

লাইনীং লীচৎ

মালেম অসিদা মীওইবা জাতিনা হেক খুল্লিংদুনা লৈবকপদগী মাগী মাগী কাঙলুপ অদুগী মশাগী লাইনীং অমমম লৈনবকই। মীওইবনা পুক্নিগী লানফমদা খুদোংথীবা, অৱা-অনা থোবকপা মতম, অৱাংবা পান্দম তান্নবা, পাঙ্গল অমদি লৌশিংগী মঙমগী ৱাংমদা লৈবা নৎত্রগা মঙমগী মনুংদা ওইববসু নীংজিং মাংজিংনবা মতমদা মঙোন্দগী হেন্না ৱাংনা লৈবা শক্তউদবা অমা লৈ হায়না থাজবা নৎত্রগা মাঙোন্দা চঙজনীংবা নৎত্রগা মতেং লৌনীংবগী অপাম্বা পোক্লকই। অসূন্না মীওইবগী ৱাখলদা পোক্লকপা অসিদগী লাইনীং ওইবকই।

যান্না ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা হৌজিক মৈতৈ হায়না খঙনবিবা জাতি অসিগী মশাগী তোপ-তোপ্পা লীচৎ- শাজৎ, ঈবাৎ-থৌনি, হবাউ-কুম্মৈ, লাইনীং-লাইশোন লৈজবকই। নোংমা নোংমগী চাউখৎপগী লম্বীদা খোঙ থাংজিল্লকপগা লোয়ননা অহোংবা - অওনবা কযামকম লাকখিবদগী যান্না ঙল্লিঙৈ মতমদা চৎনবম্বা লীচৎ-শাজৎ, হবাও-কুম্মৈ, লাইনীংনচিংবা মওঙ কযা অমদি কাওখিবা যাওৱে হায়বা যাই। মৈতৈগী অবিবা লাইনীং নৈনবদা আতিয়া, মালেম, সনামহী, পাখঙবা, লৈমবেন শিদবীবু অথোইবা লাই ওইনা লৌনবম্মী। অদুগা অমুক মপা মপু লাৎপা, মহৌশাগী পোৎশকশিং নুমিৎ, থা, থৱান্মিচাক, পাৎ, তুবেল, মৈ, ঈশিং, নোংনচিংববু লাইনি হায়না ঈবাৎপা নৎত্রগা খুবম্বগী থবক থৌবম কযা চখবম্মী। যান্না লিববা মতমদা লাইথৌ-তীনথৌদা কৎনবম্বা পোৎলমশিংগী মতাংদদি **চবাৎ — ঈবাৎ থৌনি তৌবদা মী হাৎতুনা কৎপা, কোবাৎ — শা শন, ইবোই, শন্দং, হামেংনচিংবা হাৎতুনা ঈবাৎ থৌনিবা অমসুং মোবাৎ -- উচেক-ৱায়া অমসুং ঙানচিংবা কত্তুনা ঈবাৎ থৌনিবা অসি চৎনবকই।**[১] অদুগা শিবগা পোৎলোইবগী মতাংদসু মওঙ মবিদা পোৎলোইবগী মশক উবা ফংই। মদুদি

(ক) নুংশিৎকী পোৎলোই - অশিবা মশা অদু লমলক্তা হন্দোক্তুনা থম্বা,

(খ) লৈপাক্কী পোৎলোই - অশিবা মশা অদু লৈপাক্তা ফুম্বা,

(গ) ঈশিংগী পোৎলোই - অশিবা মশা অদু ঈশিংদা থাদবা অমসুং

(ঘ) মৈগী পোৎলোই - অশিবা মশা অদু মৈ থাবা চৎনবম্মী।[২] মথক্কী নুংশিৎকী পোৎলোই

১। এন ইবোচৌব, (সম্পাঃ) *খিবেল লাযাৎ* (ইম্ফাল সম্পাদক মশা, ১৯৮১), লাঃ ৪০, ৪১।

২ খোঙাম মাধব অমসুং নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র (সম্পা) *খুনুং লিচৎ শাজৎ* (ইম্ফাল ঃ শ্রী খোঙাম মাধব সিংহ, ১৯৭০), লাঃ ৬৯, ৭০।

অমসুং ঈশিংগী পোৎলোই মখল অনী অসি মথৌ-মণ্ডম লৈতে হায়না "পুবোই মসিন" খুৎই লাইবিক্তা পল্লম্মী। অসিতসু নত্তনা হৈজিং খবাই পুবা, ৱাবোইপোৎ পুবা, লুহোংবা, অঙাং পোকপদা শাগে য়ুম্মাং য়ুমশেংবা, য়ুপান থাবা অমসুং মীশি মীনা চাদনা শিবা হায়বদি ঈশিংদা তাদুনা শিবা, থৌবি য়ান্দুনা শিবা কয়া অদুবু অমুক মতুংদা মাগী মাগী শাগে নাতৈদা তেকশিন-হঞ্জিন্দনবা হাযদুনা চুপশা মোইথেম পাওথোক্লে। অনা লাইওঙ খঙদনা য়াম্না কন্না নাববা মীগী মথৱায-মমিবু অমাইবনা উশিন শিন্দোকপা, অনম-অথৌ কোকথোকপা, চাবান থাদোকপা, লাইনিংথৌ সনামহী খুবম্বা, লৈমবেন খুবম্বা, সনা-লুপা কোনযাই চন্দুনা লাই তাইনবগী চৎনবী অসি ভল্লিঙে মতমদগী অদুমক চৎনবকই অদুগা চহী অমগী মনুংদা থা তবানিথোই লৈবিবা অসিদা তোঙান-তোঙানবা থা থাদা ঈবাৎ থৌনিবগী চৎনবীসু লৈ। মথক্তা পনখ্রিবশিং অসিদগী মক ওইবা খবদং লৌখৎলগা মীৎয়েং থমলি।

মৈতৈশিংনা মহৌশাগী পোৎলম ওইবা আতিয়া, নুমিৎ, থা, থৱান্মিচাক, মৈ, ঈশিং, নুংশিৎনচিংববু থৱায পানবা লাইনি হাযনা থাজনৈ। মখোযনা কবিগুম্বা অনা অযেক্কী মতমদা নৎত্রগা যাইফনবগীদমক হায়বিবা মহৌশাগী পোৎলমশিং অসি ঈবাৎপগী থৌবম তৌই। নুমিৎ ঈবাৎপগী মতাং অমা

> নপন তূবী অঙনবা কোবৌ নোংবু খোনবা চনু মালেম লৈবুকম্বা নু নোংপোক মহৌ লৈবাইপাংগা নিংথৌ চনু পাইমা সনা লিনগোইনুংগী থৌদু নুংপাক থক্তা নাওনৌবা, মালেম লাংজখৈ য়োইমযাই নুমিৎ সনা খোম্মতোন অতোনবা নংবু পুনেমজবিএ। নুমিৎ নংনা লুবগুম লূজবগে,থবি নংনা শেংবগুম শেংজবগে, থবা নংনা পানবগুম পানজবগে কুবিও।[৩]

থা ঈবাৎপগী মতাং অমা

> *লোইদাম থাজ পাখংবা থাজ থানিংথৌ,* নুমিদাং তাংলৌ লৈনা থেংলবদা অমমম্ তোনবা নাবন্ শিববদা লৈতেংনবিবা নংবু পুনেমজবিএ, কুবিও।[৪]

মৈ ঈবাৎপগী মতাং অমা

> চকমোম খাম্বী মৈত্রেং অবাবা, মৈশুৎ মৈবা মৈ, তেক্ তেক্ থৌদু মৈ, চকপা মৈবিং মৈ, মোংবা মৈবিং মৈ, কম্বী নাওবৈখুন খোইজু তোম্লোং লৈখাম ৱাইবা মৈ, লমলেন কাচকপু মৈপীনৌও হাযনা নদাইবেমনা মৈযাং খূত্তা পাযনা মৈশুৎ থক্কা থোং শম্থোং মৈবি যাইদা চন্না খাম্বী মৈনিজববু কুবি-ও। খাম্বী পাইমা পিবুকনুং হবাও মথোই তোংবি-ও ।।[৫]

৩। মথক্কীসিদা, লাঃ ৭১।

৪। মথক্কীসিদা, লাঃ ৭১।

৫। মথক্কীসিদা, লাঃ ৫০, ৫১।

ঈশিং ঈবাৎপগী মতাং অমা

> হে ইবেম্মা য়োইবু খোইমোম লাইবেম্মা নমিংবু কচেং ঙানবী কৌবী ঈবৈমা ঈনামুং ঈখৈবেন নামুংবী, নোংদা তবংলেন তুবিকপী, ঈবিক কোঙ্গোন লনকুম্বী, কংপিক কংচাও পোক্রঈ, লাইজা ঈ থাবি লাইজা ঈবিবী, কোবৌ নোংথৌবেন তবেৎমক্তগী কুমলকও।[৬]

মতৌ অসূন্না মৈতৈশিংনা ঙল্লিঙৈ মতমদগী মহৌশাগী ওইবা পোৎলমশিং অসিবু থরায পানবা ঈশ্ববনি হায়না খন্দুনা ঈবাৎপগী থৌবম চখবম্মী হায়বসি খঙবা ঙম্মী।

সনামহীবু অথোইবা লাই অমনি হায়দুনা ঈবাৎপগী লাইশোন মতাং

> হয়া হে খোইমোম লাইনিংথৌ অরাং ফাৎলৌ লাইমা খোম্বা চীঙু যাইবী মতুম্মাগী অতিঙা উংলৈতিং অথুপ্পদা তাইবং অপকমা পুন্নমক্লা কজেং থাংকোক্ তুকুম্ববু চাচন হৌনবকপা লাইযিংথৌ -ও। নচুবু মৈগী মচু ওইবা নমিংদি তবেৎ থোনবদগী অনি লৌথোক্তুনা মঙা থোনবা, মঙাদগী যা ম্নলে হায়দুনা অহুম থোনবা অদুসু যাম্মল্লে হায়দুনা অনি থোনবা, অদুসু যাম্মনলে হায়দুনা অমা থোনবা নমিং 'ব' কৌবা হে লাইযিংথৌ নংবু ননাইনা পুনেমজবিএ, কৃবিও।।[৭]

পাখঙববু লাইনি হায়না খুবমজবগী মতাং

মৈতৈ লৈবাক্তা অঙনবা মতম হায়বদি লৈশেম-নুংশেম্বগী মতমদগী হৌনা তোঙান-তোঙানবা মতমদা পাখঙবা মবি পানখিবা অমসুং লৈবম্বগী রা থেংনৈ। হায়বিবা পাখঙবা মবিমক মশা অমত্তনি শাযোন তৌদুনা মতম-মতমদা পাল্লম্বগী রাফম ঐ খোযনা অবিবা লাইবিক কযামকমদা ফংই অমসুং মখোযবু লাই ওইনা খুকমজবগী মতাং অমা মখাদা থমলি

> হুম হুম হুম উম হে খোইমোম লাইয়িংথৌ অতিযা উংলৈনুংগী অমম্বা যাইবী মতুম্মাগী অথুপ্পা পোকলেন যাইবীবেনগী চিথোইবা ওঁলৌ যাইবীবেন শিদবগী লিহুইফম, হে তুবিযোইনোংতা নোংদা লাইবেন পাখংবা নংগী নতিক নঙনবু থাঙমলোইএ। চীংঙু নংগী নশানওন্দি হয়িচক্তা পাখং য়োইরেন তোনপোক পা কৌএ।হযাচক্তা তাংজা

৬। মথক্কীসিদা লাঃ ৫১।

৭। মথক্কীসিদা, লাঃ ৭৩ ৭৪।

লিল্লা পাখংবা কৌএ। খুনুংচক্তা সেম্রেং লোলাং পাখংবা কৌএ। লাংবচক্তা তুবিযোই নোংতা নোংদা লাইরেন পাখংবা কৌনা লাংওনফবা লাইয়িংথৌ নমিংবু স কৌবা নংবু ননাইনা পুনেমজবিএ।[৮]

মতাং অসিদা নোংদা লাইবেন পাখঙবা (৩৩ এ ডি দগী কংলৈপাক্তা পানখিবা নিংথৌ) বু খুবমজবগী মতাংদা মহাক্কী শায়োন মতিক- মঙনবু শৈথাজবনি। অহানবা চক হৃযিচক্তা পাল্লম্বা পাখঙবদি পাখঙ য়োইবেন তোনপোকপা (লৈনুং লোনজা অবিবা পাখঙবা) নি। মাগী লোয়নবীনা লৈওই-নোংওইবীনি। অনীশুবা চক হ্যাচক্তা তাংজা লিল্লা পাখঙবনি, মাগী নুপীনা হঙেই শেন্দেং নুবাবীনি। অহুমশুবা চক খুনুংচক্তা সেম্রেং লোলাং পাখঙবনি, মাগী নুপীনা য়াইবী লৈমনি। মবিশুবা চক লাংবচক্তা নোংদা লাইবেন পাখঙবনি, মাগী নুপীনা লাইম্নানি। মথক্তা পনথ্রিবা পাখঙবা মবি অসিগী তোঙান - তোঙানবা মিং কযামকমসু পল্লম্বা থেংনৈ। খুদম ওইনা লৈনুং লোনজা পাখঙববু পাখং যোইবেন তোনপোকপা, পাখঙবা কোঞ্জিন তুথোকপা, কোংলৌতোন লৌথিবা[৯] অসিনচিংবা পল্লম্বা থেংনৈ।

মপা মপুশিংবু লাই ওইনা লৌবা অমসুং ঈবাৎপা

মৈতৈ হায়বা জাতি অসিসু মপা-মপুবু খোঙ্গুল লীজদুনা মীবোন খবা হেনগৎথ্রবা শীংথানিঙাই ওইবা থবক থৌবম কযা পাংথোক্লমবদু নীংশিংবা ওইনা লৈহৌবিবা মচা-মশুশিংনা লাই ওইনা খুভম শেমদুনা ঈবাৎপগী থবক চথনৈ। ইপা-ইপু পোকপসি থমনুংদা লৈ হায়না থাজনৈ। মখোযশিংদুবু লাইবা - তীনবা শোন্দুনা খুবম্বগী মশক উবা ফংই। চহীগী চাকলোন কৎপা অমসুং চনৌ তঙবদা মখোযগী চাকথা থাদোকই। লৈবাক অসিদা মৈতৈশিংনা অথোইবা লাইনি হায়না লাৎনবিবা পাখঙবা, মাযকৈঙাকপা লাইশিং, পুবৈবোম্বা, নাউথিংখোং, অমুদোন অসিনচিংবগী মবক্তা উমঙলাই কযামকম অমসু লৈবি, মখোযশিং অসি অতৈ কনাসু নত্তে মৈতৈগী শাগৈ-সলাইশিংগী পুকোক ঙাক্তনি। মখোযশিং অসি মাগী মাগী লোযনবা নুপী লোযনা লৈ,হবাউবা মতমদা পুন্না হবাউমিন্নদবা যাদে। কবিগুম্বা মখোযশিং অসিগী মনুংদা নুপী অনী থিবা নৎত্রগা লোনবা লাই যাওববদি নুপী অনীমক অহন অমসুং অতোনবী পুন্না হবাওমিন্নদে। খুদম ওইনা লাইনিংথৌ খল্লাংবগী নুপী অনীনি শম্লোং হুইমু লৈমনা অহননি, উবিপোক্লচিংবা মফমদা খল্লাংবা হবাউবদা নুপী অহন অসিগা হবাউমিন্নৈ। কালিকা (তখেল নিঙোল) নুপী অতোনবীনি। ককচিং, থৌবালনচিংবা মফমদা খল্লাংবা হবাউবদা মহাক্কী নুপী অতোনবী অসিগা হবাউমিন্নৈ। মখোয়শিং অসিদগী মচা-মশু কযা শন্দোক্লম্বদগী ঙসি ফাওবদা মখোযবু

৮। মথক্কীসিদা, লাঃ ৭৪-৭৬।

৯। বাজকুমাব সনাহল গুনেশ্বব সিংহ, *মৈত্রবাক্কী থাঙ তাগী মবোল,* (ইম্ফাল ঃ অইবা মশা, ১৯৮১) লাঃ ১৬১।

মাগী মাগী শাগৈগী মচা-মশুশিংনা কাওবা লৈতনা ঈবাৎতুনা হবাউ তয়ান্না পাঙথোক্লবি। অদুগা অমুক মৈতৈগী থা তবানিথোইগী মনুংসিদা কবম কবম্বা লাইশিংবু ঈবাৎ-থৌনিজগদগে হায়বগী মতাংদা চৎনবিবদি - লমতা থাগী তবানিথোইনি পানবদা মোইবাং সলাইগী অপোকপা খুবম্বা, শজিফু থাগী তবামঙানি পানবদা খুমন সলাইগী অপোকপা খুবম্বা, কালেন থাগী তবানি পানবদা ঙানবা সলাইগী অপোকপা খুবম্বা, ইঙা থাগী তবামঙানি পানবদা নিংথৌজা সলাইগী পাখঙবা খুবম্বা, ইঙেন থাগী তবানিথোইনি পানবদা অঙোম সলাইগী অপোকপা খুবম্বা, থৌৱান থাগী তৎনবা নুমিৎ অমদা অমুক পাখঙবা খুবম্বা, লাংবন থাদা মৈতৈ খুদিংমক্না মাগী মাগী অপোকপা খুবমৈ, মেরা থাগী তবানি পানবদা মেরা শন্দুবা হায়দুনা ঈবাৎপা তৌই, নুঙ্গোইবী লাইবেম্মদা শন্দং কত্তুনা ঈবাৎলগা চীংবুরোই তম্বুরোই পুন্না হবাউ তয়াম্মিনৈ, মসিবু মেরা হাও চোংবা হায়না কৌই। হিয়াঙ্গৈ থাদা কোংবা হী মকুদা শীংলেন মনম নাইবা কৎলে। তাংজ লিন ঈবাৎলি। পোইনু থাদা অতিয়া গুরুবু ঈবাৎচৈ, ৱাকচিং থাগী তবানিথোইনি পানবদা লুৱাং সলাইগী অপোকপা খুবম্বা, ফাইরেন থাদা শবাং লৈশাংথেম (চেংলৈ) সলাইগী অপোকপা খুবমনৈ।[১০]

লাইনীংগী মতাংদা অসূন্না চখবকপনা মীওইবনা ওইহন্নীংবা নৎত্রগা পীশিনবা মতিক-মগুণগী মতুং ইন্না শেম্বা মৈতৈশিংনা লাৎনবা লাইশিং থোবকখি, মদুদি- ফৌওইবী, লন লৈমা, হুম্বু নাবেংগুবী, ঙাবৈমা, থুমলৈমা, লানগী লাইবেম্বী অসিনচিংবা। মসি মহৌশাদা মপান তাংদুনা মহৌশাগী অকি-অখঙ মবক্তা লৈদুনা অৱা-অনা কয়া মাযোক্নদুনা অমদি মখোযশিংদগী ঙাকথোকচনবা ঈবাৎ-থৌনি তৌদুনা লৈবকপগী মথক্তা নুংঙাইনা পুন্সি মবাঙ কায়না মমল লৈন' হিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকপগী লাইনীং লম্বীনি হায়বা যাই।

মৈতৈশিংনা কবম্বা মতমদগী লাইশঙ শাদুনা লাই ঈবাৎপা হৌখিবগে হায়বগী মতাংদদি খাব সলাইগী খাব শোকচোংবা অমসুং মাগী তালোয মনু তেকঙা অনীনা মমৌ ইবেম্মা পাম্বোইবীগী মতিক মগুণ খঙলকপদগী পাম্বোইবী অমসুং নোংপোক নিংথৌ অনীগী খুভম শেমদুনা ঈবাৎপা হৌখিবদগীনি হায়বা যাই। মতাং অদু *পাম্বোইপী খোঙ্কুল* দা অসূন্না শৈথাবি

> হে তম্পা ৱাঙম্লোন্ নঙ্কিতমকপু মনু তেকঙা খাবা হোইতোন্কোক্পমনিংঙোনপীনা মতু চনু সনা লাংমৈবেম্পী মন্ কৌ থাঙনা চোমলাং মায়্কোয়্লেননা শিঙ্লেল্ লৈবোয্ যাৎনা লৈবাং কায়্তোয চন্না তীন্তূ লাইফম্ তাউনা উশোঙ্ লৈবা খিন্না খোইমোম্ লাইয ম যাবওযে। খোইমোম্ লাই্শঙ শাপা অসিতা চিঙঙু খোংপাল্

[১০] (থোঙাম মাধব অমসুং নিংথৌহোংজম খেলচন্দ্র (সম্পা) *খুনুং লিচৎ শাজৎ* (ইম্ফাল শ্রী থোঙাম মাধব ১৯৭০) লা. ৭ ১৭।

বায়না কোরও নোংচা খুতিঙপু বাংপল কাশারেল্পু ওইনাতি খুকম্‌না খিযে।[১১]

মসিগী মতুংদা ফূবা শাদুনা লাই ঈবাৎপগী থৌবম চত্থবসি মৈদিংঙু কিযাম্বগী মতমদা লমাংদোংবু বিষ্ণুপুব কৌদুনা ফূবা শাদুনা বিষ্ণু লাৎপা হৌখিবদগীনি হায়বসি পন্নবকপা থেংনৈ। মসি খবা ঙনখৎনা হিন্দু ওইবা পাম্বগী বাফমনি। কিযাম্বগী মতমদা বিষ্ণুগী চক্র যাইবু পোং নিংথৌনা পীবকখিবগী বাফম *চৈথাবোল কুম্বাবা* দদি পন্নমদে, কিযাম্বগী মতমগী মহুত্তা গবিবনিবাজ মহাবাজ সনাহাক্তক্তা *চৈথাবোল কুম্বাব* দা অসূন্না পন্নম্মী

ইঙেন থা থা অহন নোংদা পোং নিংথৌ খেখোম্বগী যাইবু নিংথেমগা পোং নিংথৌগা কুচুদা ফমিন্নবদা পীএ।[১২]

অদুগা অমুক লমাংদোংবু বিষ্ণুপুব কৌখিবসি মহাবাজ ভাগ্যচন্দ্র (১৭৬৩-১৭৯৮) গী মতমদনি, মবম অসিনা মমাঙদা বিষ্ণুপুব কৌবম্বগী বাফম থেংনদে। ফূবা শাদুনা লাই লাৎপগী মতাংদদি খাগেম্বা নিংথৌগী সনা হাক্তক্তা ফূবা শাবম্বগী বা ঐ খোযনা থেংনৈ।[১৩] লাইগী মুর্ত্তি হৈবগা শাদুনা ঈবাৎখিবগী মতাংদা চবাইবোংবগী মতমদা পাম্থোইবী মুর্ত্তি হৈখিবগী বা মযেক শেংনা *চৈথাবোল কুম্বাব* দা পল্লি।

৬নি ঈবাইদা পাম্থোইবীগী মুর্ত্তি হৈগদবগী অহৈবা হঞ্জবা তাবিনা লৈমি তমএ। ১১নি যুমশাকৈশদা পাম্থোইবীগী মুর্ত্তি হৈএ।[১৪]

মৈতৈগী পোকপা, শিব অমসুং পুন্সিগী ঈচেলদা থাদোক্লবা যাদ্রবা থৌবম কযা- ঈপান থাবা, চউম্বা, নাহুৎ-নাবেং, লুহোংবা, শিবগী পুবোই লৈকোইবা, মথৌ যাঙ্গেলবা- হোঙনেম্বা অমদি শিথ্রিবা মীওই অদুগী চহী কুমওন ফাবকপদা উক্রোং হোঙবগী থৌবমশিং তঙাই ফদনা পাঙথোক্লে।

মৈতৈনা মমাগী পীবুক্লুংদগী তাইবঙদা হেক খোঙদাবকপদা যুমগী হেক মমাঙদা লেপ্তুনা অশৈবশিংনা কাসা থবাওচি খোঙদুনা কাসা পাউতাকই। অঙাংদুগী মনাকোং অনীমক্তা মপানা তাইবঙ মপুগী মিংলেন পিগনি অমসুং মমানা খোন্নাং পিথক্কনি। মমানা অফবা অথুম্বা মখলগী যু থক্তুনা মৈনীং কুম্মী। নুমিৎ শীংবুম তককি শুবদা সোবাবেনদা কাসা অমুক পাউতাকই। ঙাবীনা পবেং মবীক চুম্না লেংদুনা লৈ পবেংগুম হাপ্পী যাংকোক্তা

১১। মোইবাংথেম চন্দ্রসিং (সম্পা), *পাম্থোইপী খোঙ্কুল্* (ইম্ফাল ঃ মণিপুবী সাহিত্য পবিষদ, ১৯৯৯) লাঃ ১৪১, ১৪২।

১২। লাইবেনমযুম ইবুংঙোহল অমসুং খেলচন্দ্র (সম্পাঃ) *চৈথাবোল কুম্বাবা* (ইম্ফাল ঃ মণিপুবী সাহিত্য পবিষদ, ১৯৮৯) লাঃ ১০২।

১৩। মথক্কীসিদা, লাঃ ৩৮।

১৪। মথক্কীসিদা, লাঃ ৬২, ৬৩।

পোৎ মশীং শুনা হাপ্লগা মালেম লৈমবেন শিদবীগী মফমদা থৌনিজে। অসূন্না তরুক্লি শুবদা ফমশিল্লগা নুমিৎ শীংবুম তবানি শুবদা মমা-মচা অনীমক তাইবেন মশানা হকশেং নাহাইবোনবু শোল্লগা ঈশিংনা হাইদোক্কুনা শেংদোকপী। অঙাংদুনা থাবুম অহুম শুরবগা অঙাংদু নীংথিনা ঈরুজবিদুনা অহনবা ফি-বোল শেৎপীগনি। অদুগা সনথোঙ পুঙমায় লেপ্পা লাইযিংথৌদা পুন্সি নিজবগা চফু অহনবদা চাক অমসুং ঙাবম তবেৎ, শাবম তবেৎ, যেল্লাঙ-যেল্লম তবেৎ তোঙান-তোঙান্না চফু অহনবদা থোঙগনি। থোঙবা লোইবগা অপোকপদা তবা লুকমায শেমদুনা পুন্সি থৌনিজবগা ঈমোইনু অহোঙবীদসু খুবমজগনি। অদুগা মান্সোন্দা পলেম মমানা অঙাংদু পল্লগা মপানা চাক-ইঞ্জাং মথেল শুনা চদুম তাদুনা লৈবগা অমাইবনা লাইশোন তৌবক্লগা চদুম অদু অঙাংদা ইনবি। তবা চায়িন লোইবগা সনা লুপা থল্লগা অঙাংদুবু থাদোক্কুনা পাযহল্লি। কবম্বনা হান্না পাযবা যেংলগা অঙাংদুগী তুংগী পুন্সিগী লমদাংবু খঙবা ঙম্মী হাযনা থাজনৈ। অঙাংদুগী চহী অহুম শুবকপদা তানতে খূৎহৈবনা লাইশোন শোল্লগা নাহুৎ নাবেং তম্বী।

মৈতৈ শিবগী মথৌ মঙম (মথৌ যাংকেলবা) —১

মৈতৈশিংনা মাগী মাগী পুন্সি চেংজেল লোইবক্কুনা নোঙ্গাববদা যুমগী অৱাং চৎলম নাকথদা অশিবা মশা অদু পুথোক্লগা শুমাংদা মকোক অৱাং ওন্দুনা হিপহল্লি। অসূন্না মীওইবনা যাইবী থৱায শুপ্পা মাঙখি হাযবগী মফমবু শুপমাঙ (শুম্মাঙ) কৌই। থেলনা লোংনা তাবে হাযবগী থেল্লোং কৌই।[১৫] অদুগা যাথোকশঙদা মতম খবা পোথাহল্লগা নীংথিজনা ঈক-শন্দের্ববিবগা চবে ফিড্রৌ শেৎপীদুনা অশিবা মীদুগী পাবী-পুবী, সলাই লাইহুই, লাইবী লাইচৎ থিদুনা থনুংদা কাসা পাউতাক্লগা পুং-শেল যৈদুনা অশৈবনা 'সনা লমওক' নচিংবা ৱাকযৈ হিবান লীবোন ঈশৈ শক্কুনা মংফম তান্না পুথৈ। লৈবাক্কী পোৎলোই তৌবিঙে নৎত্রগা তৌবা কাঙলূপ্পা অচা-অথক, তবা-চেংজেল, তবেৎ-শেলজা, ফিবোই ফিঙাম,খূৎশু-খূৎলাই মশীং শুনা হাপ্লগা মকোক অৱাং পাংনা যাতাহল্লগা লৈবোল চল্লি। মৈগী পোৎলোই তৌবক্লবা মতম নৎত্রগা তৌবা কাঙলূপ্পা মালেম লৈগা থানা শীংখল তবেৎনা মালেম লৈবোল তবেৎ শক্লা শীংপৈ থোন্দুনা অশিবদু মকোকঅৱাং ওলহন্দুনা থন্নগা নিপা ওইবগনা যেৎওইননা মঙাবক, নুপী ওইবগনা ওইওইননা তকক্লক কোযবগা খাম্বী মৈ চুই। মৈদি মৈবা চিংদুনা লৌবগা তৌনবম্মী। নুমিৎ শীংবুম হুন্নি শুবগা শুম্মাঙদা ঈশাইফু খিন্দুনা মথেল লুকমায শেমদুনা তবা চযোম শেন্নগা তাইবেল মশানা হাইদোক্কুনা নাহে লীবোল শক্কুনা ঈবাৎকনি। নুমিৎ মঙানি শুবগা অমাইবনা অশিবগী মিতম লাক্কুনা খানীং মিকোনবা মথৌ যাংকেলবগী থৌবম মথং মথং চথৈ। নুমিৎ তবেৎনি শুবদা পাবী-

১৫। যুম্নামচা বুদ্ধিচন্দ্র (সম্পা) *খালোয নোংখাযলোন* (ইম্ফাল ঈনাৎ কনবা অমসুং সেমগৎ সাগৎপা লুপ, ১৯৮৬) লাঃ ৫৬, ৫৭।

পুবী, য়েক্রোন লাইহুই থিনা অৱাং নোংনিংথৌদা থিনজিনবি। তবানি শুবা নুমিত্তা শাগে যেনলূপ পুন্না তাইবেল মশানা য়ুমশেং নাহাইগনি। তবামাথোইনি শুবা নুমিত্তা শুস্মাঙদা হৈবাং-লৈবাং কয়ানা অথেলপোৎ ওইনা মশীং শুনা থেল্লগা অমাইবনা পাবী-পুবী, শাগৈ, *যেক-সলাই লাইহুই তাক্লা লাইবোল শোল্লগা খন্নুংদা অমুকসু কাসা পাউতাক্লুনা মংথোঙ* থিংলগা মথৌ যাংগেল্লি। অশৈবশিংনা চীংঙু মাগী মতিক-মযাইবু তবেৎ *শেনফাং যৈদুনা* নোংগা লীবোল ঈশৈ শক্লুনা লান্ন-থৌবমবু পাঙথোকই।[১৬]

(মতাং অসিদা নীংশিংগদবা অমদি মৈতৈ হাযবা জাতিঅসি মমাংঙৈদগী লৈবাক্কী পোৎলোই চৎনবস্মী। তৌইগুম্বসুং অহানবা শতাব্দীদা পোইবৈতোন্না লমদম অসি মী মৈ থাবা থেংনখিবা অদুদি চকপশিংনি।)

অশিবগী মথৌ য়াঙ্গেল্লবা থৌবম পাঙথোকখ্রবা মতুং চহী ফাবকপদা কুমওন থৌবম ওইনা উক্রোং হোংবা হাযদুনা পাঙথোক্লে। মসি শিখ্রবা মীদুগী থৱায, কাসা লাই অমসুং পুবোল-পাবোলশিংনা পেনবিনবা তৌবা থৌবমনি। থৌবম অসি পাঙথোকপদা ফি, চেং-লৈ, মৈবা, শা-ঙা, খোইজু-লৈখাম, তবা চাকলেন, হৈ-বা, অথেনপোৎ কয়া যাওনা লাইশোল পাঙথোকই অমসুং অশৈবশিংনা পূং-শেন অহোঙলোন্নচিংবা শক্লুনা কাসা পাউতাকই। উক্রোং হোংবগী থৌবম পাঙথোকপগী মতাংদা *চৈথাবোল কুম্বাব* দগী অমত্তং লৌখৎলি

> ২০নি য়ুমশকৈশদা চোংথা এন্দ্রেম্বনা উক্রোং উতু পা চৎএ। ২৩নি থাংজদা নিংচৎৱাদা কৈ অমা ফায়এ। নেংমদা চিঙ্গোন্দা কৈ অমা ফাযএ। কালেন থাদি থাংজনা হুনএ। ৭নি ঈবাইদা উক্রোং থুংলয়ে। ১০নি নিংথৌকাবা উক্রোং য়ুংএ। শিজ ঙাইখোং ঙম্বীনা উক্রোং হোঙএ।[১৭]

অসূন্না উক্রোং হোংবগী থৌবম অসি যান্না ঙল্লিঙৈ নিংথৌ কাংবগী মতমদগী চৎনবক্লুবা হৌজিক্কী ফিবোইগা মান্নবা তেংবানবা মপূগী মফমদা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা মীবু পীজ-পীথক তৌদুনা পাঙথোকপা মক ওইবা থৌবম অমনি। অসিগুম্বা চহী ফাবকপগী মথৌ-মঙমগী থৌবম অসিদা ফূমজিনখিবা অশিবা হকচাং অদু চহী ফাবক্লুবা মতমদা তৌথোক্লুগা শব্দ-শয়াং মক ওইনা কোক্কী শরুক অদু নীংথিজনা চামথোক্লুগা নিংথৌ, অঙম-অথৌ, মীচম অসিনচিংবগী চাংগী মতুং ইন্না সনানা নৎত্রগা অতৈ পোৎলম চফূনচিংবগী মনুংদা

১৬। মথক্কীসিদা, লাঃ ৫৬-৫৯।

১৭। লাইরেনময়ুম ইবুংঙোহল অমসুং নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র (সম্পাঃ) *চৈথারোল কুম্বাবা* (ইম্ফাল মণিপুবী সাহিত্য পবিষদ,, ১৯৮৯) লাঃ ৭১।

হাপ্লগা অমুক লৈবোল চনবগী চৎনবী লৈবক্সী হায়বসি *থৌরান থাবা হিবান* লাইরিক্তা অসূন্না ইবি

> হয়েং লোইদাম কুমওল্লবদা মদাইবেম শিন্নাই য়াইহোনগী খোইরু তেংমাই থিনবনা থাংলেন য়ৌব়াই মেন্না খল্লৌয়োইহনবা তাংজ লুতেংবা পাবোং থোপথিনবদা লাহান্নোং মৈদিংঙু লোইনাই থৱাছাবনা যোইবু তাংজা লুমাই খাযনা যোৎপী হুইগা থাববু মিৎযেং শানগৈবে।[১৮]

লৈবাক অসিদা যাম্না ঙল্লিবঁগে মতমদগী চৎনবক্লিবা লাইনীং লীচৎ অসি নিংথৌ কযাগী মতমদা শেমদোক শেমজিন মওঙ খবা তৌজখ্রবসু মনুংগী ওইবা ভাবতি কবিমত্তা খেন্নবা লৈতে। পামহৈবগী মতমদগী লৈবাক অসিদা পাক-শন্না হিন্দু ধর্ম্মদা মায় ওনশিনখ্রবসু মৈতৈশিংনা মৈতৈ লাইনীং লীচৎপুদি ঙসি ফাওবদা থাদোকপা লৈতনা চৎনবি।

১৮। ময়াংলম্বম গৌবচন্দ্র (সম্পাঃ), *থৌরান থাবা হিবান* (ককচিংঃ পিপলস ম্যুজিয়ম, ১৯৯৮) লাঃ ৩৩।

মঙাশুবা পন্দুপ

লৈঙাক্লোন অমসুং ফমলোন

য়ুমথোং অমা, লৈকাই অমা, খুঙ্গং অমা, জাতি অমা অসিনচিংবা মখোয় মখোযগী তোঙান-তোঙানবা মশাগীতা ওইবা চৎনবোল খবা লৈজে। হৌনশানি পীক্রবা য়ুমথোং অদুগীসু য়ুম্বুবেলগী অফবা অপাম্বা মশাগী হৈনিংবা মওঙ খবা লৈজে, মদুবু মাগী মখা থাবা মচা-মগুশিংদা তাকপী তম্বী অসূন্না কবিগুম্বা লৈকাই, খুঙ্গং, জাতি খুদিংমক তোঙানবা চৎনবী অমমম লৈজবিবদু মখোযগী অহনশিংনা মখা থাবা মচা মগুশিংদা তাকপী তম্বীদুনা চত্থরকনৈ। অসিগুম্বা মওঙ অসি কবিগুম্বা লৈবাক অমগী মতাংদসু অদুমঙাই। নিংথৌ নৎত্রগা অঙম-অথৌশিংনা নীংথিনা শেমদোক্লবা নিয়ম-নীতিশিংদু লৈবাক প্রজানা ঙাক্লা চৎনৈ নৎত্রগা ঙাক্লা চৎপগী তঙাইফদবা লৈ।

ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা মণিপুরগী মশাগী ওইবা লৈঙাক্লোন লৈজবকই। নিংথৌনা লৈবাক্কী খ্বাইদগী মকোক থোংবা লুচিংবনি। নিংথৌগী ঈ নন্তুনা অতোপ্পা মতিক মগুণ লৈবা মীওই অমনা হেক্তা নিংথৌ ওইবা যাদে। *নুমিৎ কাপ্পা* লাইরিক্তা খ্বাই নুংজেংবম পিবানা তাউহুইবেং অহনববু তেন্না কাপথুববদা মনাও সনা খোম্মদোন নিংথৌ মশামক কিদুনা মোইরাংদা চেন্দুনা লৈখি। মতমদুদা নিংথৌ খুভম হাঙদুনা লৈরবদা অকন-অথৌ অমনা নিংথৌ ওইবগী মহুত্তা লৈবাক্কী অঙম্বশিং তান্নদুনা নুমিৎ সনা খোম্মদোনবু অমুক নিংথৌ ওইবিবনবা হায়জবা মতাংদু অসূন্না ইরি

মালেম লয়পি খোঙবাই সেম্না।। পবয় থাংথোং লোইরে।। লোইবেন খুনপিলোক্তাকি য়াকারকও।। লোইরেন লোকপুংকিপু তেখৎলক্রো।। লোইনিন পুংকিপু তানখৎলক্রো।। অঙান্পা সনা লয়্কোয়বেন্কিপু।। যেনপা খুবৌ থাং।। মকায়বৈ নাক্তা য়েপ্না।। পাউথেম লাপাতা।। মচেঙ্ কায়বৈ খোংমারক্না।। অঙ্গান্পাতি লাক্মাকাবক্লে।।[১]

নাউথিংখোং ফম্বাল কাবা হায়বিবা লাইবিক অসিদা কবম্বা মীশক্লা নিংথৌ ওইগদগে

১। ওইনাম ভোগেশ্বর (সম্পাঃ) *নুমিৎ কাপ্পা,* (ইম্ফাল ঃ ইউনিভর্সেল লিটবেরি এসোসিয়েসন, ১৯৭৭) লাঃ ৩৮,৩৯।

হাযবগী মতাংদা নিংথৌগী ঈ ওইৰবসু শোয়নাইৰবদি নিংথৌ ওইবা য়াদে হাযদুনা নাউথিংখোংবু কৌনবা যাথং পীখিবা মতাং অদু অসূন্না ইবি

লাইবেল ইপাবি সনা খোমমাহন, মচি যোইনাউহন অহনববু ফম্মোই মিৎতা ফমহনসে হাযবসু চেংলৌ মঙম শোযএ ফল্লাংমৈবু তোংফবোইএ। ইপাবি য়োইচবোন অৱাং লাংচা লৌপূংফৈ তোংবসুঙ শমু পাংশোই নীকএ। ফম্মোই মিৎতা ফমফবোই। পাবি সনা খোম্মদোন নিংথৌ লাংঙা অনা লাংঙা ফম্বাল চুমবা লানলোই চীংঙা লৌখোং তোংবসুঙ পায়মা মপুক কংএ। মাসুঙ ফম্মোই মিৎতা ফমফবোই। ইদাইবেমশিংও লাইবেন ইপাবি সনা খাঙৱাইগী চীংবন খোম্মুক অঙল্লা মমাঙ শাৎকববা শাৎতবা হুইযাই লীকলু অথেঙঙা মতুং কুইনা ফুয়গববা ফুয়দবা মযিম শেল্লোয সনাচীং লংমাই তবঙ চীং খূৎশাদা যোযবু ইহুইবোন লংমাই পীতঙঙা লীকলু লৌথিবীদা নুযিনববু লৈবনে। পাবি হোঙনেময়োয খুঞ্জাউবু থুনা পাউকৌকও। ফম্মোইমিৎতি মানা ফমঙৈনে, ফলাংমৈদি মানা তোংঙৈনে,[২]

চেংলৈবোল হায়বা লাইবিক অসিদা নিংথৌগী মচানিপা অহন্না নিংথৌ খুভম ফংফম থোক্লবসু ঈ শেংদ্রবদি নিংথৌ ওইবা যাদবা অমসুং নিংথৌ অমা হাপ্পদা খুনফাংথৌ নাইফাংথৌশিংগী অযাবা যাওদনা হাপ্পা যাদে হাযবা মতাং অদু অসূন্না ইবি

মৈদিংঙু নাওখম্বনা কোবৌ নোঙ্গাখিববদা নাওফং অহনবনা ৱাহমখিএ। হে ইদাইবেম পোইবৈ খুনফাংথৌ, তাইয়ম নাফাংথৌশিংও লাইবেন ইপা মৈদিংঙু কোবৌ নোঙ্গাখিববনিনা নুমিৎ ঐনা হান্না উইএ, থাবা ঐনা হান্না খাইএ। ইনাওদি উনৌ কোন্দে কোন্না হুনবনে। ঐদি শোইবেল লৈখৈ হান্না হুনবনে, চোইনৌ সনা ফম্বাল্লাংদি ঐনা ফমঙৈনে হায়না ৱাহম্ববু পোইবৈ খুনফাংথৌ তায়ম নাইফাংথৌশিংনা তাংজা মক লুক্রা লৈবিঙৈদা খাবী থিযাথৌ অমাই লোক্রৌ শীনবনা পাউযাদে। মৈদিংঙু নাওফোংবনা চোইনৌ সনা ফম্বাল ফমলবদা মশাবী থাংযি নাওফং অহনবদি তাংজ ইকাইবা হুযাই শেনকোই ৱাগী মোংবা থাংঙা কাবেনমদা ৱাইচিশি অচিকপদা, ৱাইবং কোন অকোনববু নুংনাং কাওখংকোন কাওবী শম্লোংকোন্দা মতোম্মা খোইয়ম লাই ওইখিএ হাযদববা?[৩]

২। *নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র* (সম্পাঃ) *নাউথিংখোং ফম্বাল কাবা,* (ইম্ফাল ঃ সম্পাদক মশা, ১৯৯৫) লাঃ ৭০, ৭১।

৩। নোংমাইথেম মনাওয়াইমা (সম্পাঃ) *চেংলৈবোন* (ককচিং এন চন্দ্রাবলি দেবী, ২০০০) লাঃ ১৮-২০।

মৈতৈ লৈবাক্তা খৃষ্টগী অহানবা চহীচাদগী হৌনা নিংথৌগী ভমথংদা লৈবাক্কী বায়েন-থৌদাগীদমকখুনফাংথৌ মাপন লৈবম্মী। হায়বিবা খুনফাংথৌ মাপন অসি উমঙলাই মাপনগী মহুৎ শিনবনি। কবম্বা ফন্নাইবনা কবম্বা উমঙলাইগী মহুৎশিনবা অমসুং মখোয়গী হৌবকফম নৎত্রগা থোবকফমগী মবমদা মখাদা পীবি

ফমগী মমিং	লাইপা	উমঙলাইশিংগী থোবকফম
খুবাযবাকপা	লাইয়িংথৌ হনবনে	গুরুগী মিৎ ওইদগী
বাংখৈবাকপা	মোংবাহনবনে	গুরুগী নাকোং যেত্তগী
নোংথোনবা	খমলাংবনে	গুরুগী য়াদগী
পুখ্রনবা	চাখাবনে	গুরুগী নাতোন যেত্তগী
খ্বাইবাকপা	নাওকন্নে	গুরুগী নাকোং ওইদগী
য়াইস্কুল লাকপা	মুবা নিংথৌনে	গুরুগী মিৎ যেত্তগী
অহন্নুপ লাকপা	লুবাং পুনসিবনে	গুরুগী ঈশিং থোঙদগী
হিয়াংলোই হনজবা	মাবজিংনে	গুরুগী পেং থোঙদগী
চোঙখানবা হনজবা	কৌববেননে	গুরুগী নাতোন ওইদগী

হাযবিবা উমঙলাই মাপন অসি পাখঙবগী ফমলূপ নৎত্রগা মকপ নিংথৌ পোংবা তবা অদুনি হাযনা মান্ননা হায়বি।[৪] অদুগা *কংলা হৌবা* হায়বা লাইবিক্কী মতুং ইন্নদি লৈকাইবাকপা মবি, শঙলেন লাকপা অনী, শঙখুবা শঙলাকপা অনী, পুখ্রনবা, নোংথোনবা মখোয তবা অসিবু নিংথৌ পোংবা তবা অদুনি। নিংথৌ পোংবা তবা অসি অবিবা লাইবিকশিংদা অমগা-অমগা খবা খবা মান্নদবা উবা ফংই। অতোপ্পা লাইবিক অমদা নিংথৌ পোংবা তবা অদুদি - পুখ্রনবা, নোংথোনবা, খ্বাইবাকপা, যাইস্কুল লাকপা, হিয়াংলোই হঞ্জবা, চোঙখানবা হঞ্জবা, ইমাঙলোয় হঞ্জবা, ইমিংলোয় হঞ্জবা, ফমথকচা অমসুং নাইখুবাকপা।[৫]

মৈতৈ লৈবাক্তা কংলাদা ফম্বাল তোংখিবা অমসুং তোংখিদবা মতিক-মথৌনা লৈবা মীওই কযাগী মতমদা লৈবাক বাযেনবদা খুদোং চানবা হাযদুনা ফম কয়ামকম হাপলম্মী। মদুশিংদুদি - *মৈদিংঙু নোংদা লাইবেন পাখঙবগী মাগী মতমদা খাযবম্বা ফমলূপতি পুখ্রনবদি* লাইফমনি, নোংথোনবদি খাবমনি, কৈরুংবা অমসুং শেলুংবা ফমলূপ মবি খাযবম্মী।[৬] অদুগা *লোযযম্বা শিনযেন* হাযবা লাইবিক্তা পাখঙবগী মতমদা লৈবম্বা ফমলূপশিংদু অসূন্না ইবি

৪। খুলেম চন্দ্রশেখব (সম্পাঃ) *লোযযম্বা শিনযেন,* (ইম্ফাল শ্রীমোইবাংথেম ইবোতোম্বী সিংহ, ১৯৭৫) লাঃ ১,২।

৫। নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র " অঙনবা মতমগী মণিপুব," *মণিপুবী সাহিত্যগী ইতিহাস,* নোংমাইথেম তোম্বী অমসুং থোকচোম ইবোহনবী (সম্পা) (ইম্ফাল মণিপুবী সাহিত্য পরিষদ, ২০০১) লাঃ৮।

৬। নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র (সম্পাঃ) *ফমলোন* (ইম্ফাল মণিপুবী সাহিত্য পবিষদ, ১৯৮৭), লা ৩।

লাইয়িংথৌ পাখংবগী ফমলুপ পরেং অহানবদি অঙোম নিংথৌনা লাংচে ফমই। অহল্লুপ লাইফম অনিমদি অঙোম নিংথৌনা লাংচৈ ফম্নগা, য়েৎতা পুখ্রনবা, খুবাইবাকপা, খ্বাইবাকপা, হিয়াংলোই হঞ্জবা, সঙলেন লাকপা, থাঙসু হনবা তেনসু হনবা, লমবৈবাকপা, যেনদ্রেন হনবা, লৈচোন লাকপা, খুনতোং লাকপা, লাইবেন লাকপা, অচনবা, ইবাৎ লাকপা, ওক্রন হনবা, য়োইবেন্ হন্বা, অশৈহনবা, ফমথকচা শিনাইবা হনবা, সগোন হঞ্জবা, থাংসা হনবা, খূৎহৈবা হঞ্জবা, অমেৎপা হঞ্জবা, তোলাইরোই হঞ্জবা,নাহাব্দপ, খাফম অনিমাদি নোংথোনবা, রাংখৈবাকপা, য়াইস্কুল লাকপা, চোঙখানবা হঞ্জবা, নাহাব্দপ সঙলেন লাকপা, চিংসু হনবা, অমু খুল্লাকপা, হুইত্রোই হনবা, কৈক্রন হনবা, নাকপ্ লাকপা, যিললোই হনবা, অচনবি, মাইবা হনবা, শামু হঞ্জবা, শগোল হঞ্জবা, হিচাবা হঞ্জবা, নাইত্রাকপা, নাইখূ লাকপা, অযেকপা হঞ্জবা, মোইফেংবা হঞ্জবা, অহৈবা হঞ্জবা, ফিশাবা হঞ্জবা ফমলূপতি অসিনে। লুপলাকপা ফমদি খুল্লাকপা ফমগি মতুং ইল্লি।[৭]

কংলৈদা ফম্বাল তোংখিদবা তৌইগুম্বসুং মতিক-মগুণ লৈবশিংগী খোঙলূপশিংসু লৈবাক রাযেনবদা নুংঙাইনবা লৈবম্মী। মদুশিংদুদি - মাবহন হাযবদি মাবজিংগী খোঙলূপতি যোইবেনহনবদি লাইফমনি, মাইবাহনবদি খাবমনি। পোইবৈতোনগী খোঙলূপতি তককি, মদুদি- অশৈবাহনবদি লাইফমনি, থাঙসুপুবেন (থাঙসুহনবা) দি লাইফমনি, খূৎহেবা হনজবদি লাইফমনি, হিজবাহনবদি লাইফমনি, কোনশাবাহনবদি খাবমনি, থাঙশাহনবদি লাইফমনি। নোংমোইনুগী খোঙলূপসু অহুমনি, মদুদি - ওক্রনবনবদি লাইফমনি, কৈক্রনহনবদি খাবমনি অশৈবা হনজবদি লাইফমনি। যোযমোংবগী খোঙলূপতি অনীনি, মদুদি- নাকপক হনজবদি খাবমনি, নাকপক লাকপসুং খাবমনি। যাওবৈ খুনকামগী খোঙলূপতি অমত্তনি, মদুদি- ঈবাৎ লাংবা হনজবদি খাবমনি। মৈদিংঙু নাউফংবগী খোঙলূপতি মঙানি, মদুদি হিযাংলোই হনজবা, শঙলেন লাকপা অনীদি লাইফমনি, শঙলেন লাকপা অমগা, চোঙখানবা হনজবা অমগা, মখোয অনীদি খাবমনি, লৈচোললাকপদি লাইফমনি।[৮] মৈদিংঙু নাউফংবগী মতমদা খোঙলূপ মঙা অসিতা নত্তনা লৈবাক রাযেল থৌদা, লৈমা নিংথৌনা প্রজাদা তৌগদবা চৎকদবা নীতি নিয়ম অমসুং ফত্তবা মীগী চৈবাক্লচিংবগী মতাংদা *লোযযম্বা শিনযেন* দা অসূন্না হাযবি

৭। খুলেম চন্দ্রশেখব (সম্পাঃ) *লোযয়ম্বা শিনযেন* (ইম্ফাল শ্রীমোইবাংখেম ইবোতোম্বী সিংহ, ১৯৭৫), লা ৯,১০।

৮। নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র (সম্পাঃ) *ফমলোন* (ইম্ফালঃ মণিপুরী সাহিত্য পবিষদ, ১৯৮৭) লাঃ ৩, ৪।

মৈদিংঙু নাওফংবনা মঙাং গুরু, লুবাং গুরু খুমন গুরু অহম মাগি য়াথং লৌদুনা পোয়বৈ কংলৈ মৈতৈন্না লৈবাক অসিগি ৱায়েন থৌদা খঙননাবা হায়গে হায়দনা চিঙঙু লাইগীদি মমৈ তইবং মি নমু পোংগীদি মকোক লাইবেল মৈদিংঙু নাওফংবানা থন্নমবা হায়বম্বা ৱাবু হায়গে তাও কংলৈ মৈতৈ লৈমানা ৱাই হাযফবোইয়ে লৈবাক নিংথৌগী ফনবা তৌবদা লন্ লিকফবোই ৱা অনি সুফবোই মৈদিঙঙু অপানবানা ৱা অনি হাযফবোই। ৱা অনি হায়ববদি লৈবাক ৱা থোকই। ৱাযামই তৌহৈদে খংও গুরুনা পনতিংনা মহৈ হৈবানা লৈবাক্কী ফমদৌ নিংথৌ অঙম্বা অথৌবনা লৈবাক নিংথৌ অনিমাদা অফা ফৎতা তৌবগদবা থোক্লগদবা উবা খংলাবদা হায়দ্রবদি লৈবাক নিংথৌ ফৎতে। লৈমা নিংথৌ পুনশিদে। হে মিৱোইবাশিংও খংও নোংথিল নোং চুফবোই চুবাবদি লৈখোং নোংখোং কায়বা কৌই। কাযফাবোযযে। কাযদনবদি ৱাযেল চুমও থৌখালমগনো, থকসু খাসু নম লমলানগনো কুম থাদি মিগি ৱায়েল ইললে, ৱাযেল শোইফবোইযে ৱাযেনদি ষল হুবা শগোল হুবা নাই হুবা অসিদি মখোং ককও লৈখুন হুৎপা হুবানবা অসিদি মখুৎ ককও মচিলথিবা পুকহোলচাপা অসিদি মচিল লেললো নিংথৌগী ইবেম্মাশিংদা মিৎয়েং নাযেংবা লাল্লবা, মীগী মতু হুবা অসিদি মমিৎ হনলো মচেম মনেম খংদনা লাল্লবদি নোং লাও নৌও নিংথৌগী ফিচি ফিনা নেৎপাদি লোই থাও নিংথৌশেমবা ফংলাবদি তুন্না হাৎলো লাইথুং মখাক নাইফাদে যেক্লবা মখাক নাইফাদে যেক্লবা মখাক নাইগনো লমন মখাক থমগনো ।[৯]

মৈদিংঙু উবাকোনথৌবগী খোঙলূপতি অমত্তনি, মদুদি — শগোলশেনবা হনজবদি খাবমনি। মৈদিংঙু নাউথিংখোংগী খোঙলূ পসু অমত্তনি, মদুদি— হুইদ্রোনহনবদি খাবমনি।[১০]

মৈদিংঙু খোঙতেকচাগী মতম (৭৬৩ - ৭৭৩) দা মৈতৈ লৈবাক্তা ফমদৌ ৬৪ লৈবম্মী। মহাকথক্তা শা তানবা চৎপদা লাইনা লৌদুনা লোইনা শিখি লোং পাযবা অমত্তং হিংহৌবগী ৱাফম *চৈথারোল কুম্বাবদা* পল্লি

শকাব্দ ৬৮৫দা মৈদিংঙু খোঙতেকচানা নিংথৌ ওই। মহাকথক্তা লাংজা লৌপুংফৈদা ফমদৌ ৬৪ মক্তা শা তাল্লুবদা ঙন্না লাইনা লৌদুনা ঈশিংদা

৯। খুলেম চন্দ্রশেখব (সম্পাঃ), *লোয়যম্বা শিনযেন* (ইম্ফাল ঃ শ্রীমোইবাংখেম ইবোতোম্বী সিংহ, ১৯৭৫) লাঃ ৩৩, ৩৪।

১০। নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র (সম্পাঃ) *ফমলোন* (ইম্ফাল মণিপুবী সাহিত্য পরিষদ, ১৯৮৭),। লা ৪।

শিখিএ। লোঙ পায়বা অমতং হিংহৌদুনা মাগী ধাবা মখৈ লোংজম কৌখিএ।[১১]

মৈতৈ লৈবাক্তা মৈদিংঙু লোইয়ুম্বনা পানবা মতম (১০৭৪ - ১১২২) দা লৈবাক ভাকপদা খুদোং চানবা হাযদুনা লূপ তরুক থোক্লা খায়দোক্লম্মী মদুদি

> শেয়োয়লুপতি কোংজকপ (কোংচালুপ) কোবমনা লুপমা চিংএ, লংমাইলুপতি থৌজকপ (থৌচালুপ) লংমাইথেমনা লুপমা চিংএ, অঙৌবা লুপতি অঙোমনা চিংএ, লুপলেন লুপতি লৈচোনলাকপা তোললোং খোম্বনা লুপমা চিংএ, চিংজাকপনে (চিংচালুপনে), খুবায়লুপতি লোকখুবা লুপনে, খুরায় লুপমা চিংএ, খুবায বাংলে খাইজনৈএ, খাইজরুপ, চহুই লৈরোংপামবনা লুপমা চিংএ। লুপ তককমা অসিনা পানা পামবোম ওইদুনা লৈবাক ভাকএ।[১২]

মথক্কী লূপ তরুক অসিগী মমিং খবা খেন্নবা মওঙদা *চৈথাবোল কুম্বাব*দা পল্লম্বা থেংনৈ

> ১। অঙৌবা লুপ্তি লুপলেন লুপ ২। নোংমাইলুপতি থৌচা লুপ ৩। আকোং লুপতি কোংচা লুপ ৪। খুরাই লুপ্তি লুপখুবা লুপ ৫। লৈচোল লাকপা তোলোংখোম্বনা লুপ অমা চিংএ চিংচাকপ। খুবাই বাংলে লুপ অমা বাংলে খাইচানখি। ৬। খাইচারুপ। অসিনা পানা ৬ থোকনা কাখিএ।[১৩]

মৈদিংঙু লোইয়ুম্বগী সনা হাক্তক অসিদা লূপ তরুক অসিতা নত্তনা লৈবাক ব্রায়েন থৌদাদা নুংঙাইনবা হাযদুনা অনৌবা শঙ কয়া হাপচিনখিবগী মতাং অদু *শঙলোন* হাযবিবা খুৎই লাইবিক্তা অসূন্না ইবি

> লাইনিংথৌ লোযযুম্বনা শঙ পুথোক্লম্বা যোইবেন মাইবা অশৈবা শঙ ৩ তিন্নহন্দুনা পুথোকলকএ। অচোইবা শঙ লিংলমএ। লুপ ৬মা খাইজনখি। লাইগা মীগা খাইনবে। লোইপোৎ খমপোৎ হৌবে। পাবি লিংকোপ নাইবে। কৈ লোই নাইবে। অয়াম ফমলুপ হাপ্লে। লাইদগী মীনা শিলহৌবে। য়েইবেন হনবা, মাইবা হনবা, অশৈবা হনবা, হিয়াংলোই হনজবা, চোংখানবা হনবা, ফমথকচা, নাইখুবাকপা, ইমাংলোই হনজবা,

---

১১। লাইবেনময়ুম ইবুংঙোহল অমসুং নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র (সম্পা) *চৈথাবোল কুম্বাবা* (ইম্ফালঃ মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ১৯৮৯), লা ৬, ৭।

১২। *নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র (সম্পাঃ) ফমলোন* (ইম্ফালঃ মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ১৯৮৭), লা ৪।

১৩। লাইবেনময়ুম ইবুংঙোহল অমসুং নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র (সম্পা) *চৈথাবোল কুম্বাবা* (ইম্ফাল মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ১৯৮৯), লা : ৯।

ইমিংলোই হনজবা, কৈকংবা অসি খৈবিকনচিংবা ফমদৌ ঙমলুপ ৬০ মা হাপলে।[১৪]

মথক্তা পনখ্রিবশিং অসিতা নত্তনা ইনিংথৌ *অসিগী সনা হাক্তক্তা যুম্নাক্কী মতুং ইন্না* মাইবগী মশিল, কবম্বা যুম্নাক্লা কবি লাই লাৎকদগে? কবম্বা যুম্নাক্লা মচু শঙগদগে হায়বগী মতাংদা যান্না কুপ্না ইবম্মী। ৱাফম অসি *চৈথারোল কুম্বাবা* দসু যুম্নাক যুম্নাক খুদিংমক মশিল তৌহল্লি হায়না ময়েক শেংনা পল্লি। অদুগা *লোযযম্বা শিনযেন* হাযবা লাইবিক্তা পুন্নমক মচা খায়না মযেক শেংনা ইবি। কবম কবম্বা যুম্নাক্লা কবি কবি ফি শাগদগে হাযবগী মতাংদা অসুন্না ইবি

থিঙকুজম নঙদি মুঙফি, লাইবেল্লাকপম নঙদি লাইফি শা-ও, চরৈ ফিশাবা নাওতম নঙদি ফিশাবা য়াংনু ফিশাবা হৈসু নাহা ফিশাব, খোইবিয়ান ফিশাবা নখোয় মঙামাদি চবৈ নিংথৌফি শা-ও।[১৫]

মচু শঙবগী মতাংদা কবম্বা লংশংবন্না কবি মচু শঙগদগে হায়বদু তাকপগা লোয়ননা মৈতৈশিংনা ঙল্লিডৈ মতমদগী কবম-কবম্বা মচু শীজিন্নবম্বগে হায়দু খঙবা ঙম্মী, মদুদি

লংশঙবম, অকাংচমপম নঙদি লৈরেল খোইপাকলৈবু সঙও, লঙশঙবম চিংখ্বামপম নঙদি চিঙসাং য়ুমুলৈবু সঙও লঙশংবম বুসিয়ামপম নঙদি ৱানা কাতাং মানবা শংলেন য়াইচু লৈবু শংও।[১৬]

কবম্বা য়ুম্নাক্লা কবম্বা লাই শঙগদগে হায়বগী মতাংদনা অসুন্না ইবি

ইবোম নঙদি খল্লাংবা সংও, সোইয়াম নঙদি বুশোই শংও, হিদাম নঙদি যিথৈ সংও, চিংখ্বাপম নঙদি লাইচিং হিয়াংথৌ লৈমা শংও, থাওপিচম নঙদি য়ুমচা লাইবেম্মা শংও।[১৭]

যুম্নাক্কী মতুং ইন্না মাইবগী মশিলগী মতাংদা অসুন্না ইবি

অশৈবম নঙদি খোংহামও, অরাম্বম নঙদি য়িকও,লৈবাংচম নঙদি লৈকললো, তৌইবিচম নঙদি থবাউচি খোংও, পুবোইচম নঙদি পুবোই পাবোই থোপথিললো, লুৱাংচম নংদি লুসেংও,[১৮]

১৪। "শঙলোন", খুৎই লাইরিক, লাঃ ১,২, ফংফম নিংথৌখোংজং খেলচন্দ্র, উবিপোক, ইম্ফাল।

১৫। খুলেম চন্দ্রশেখর (সম্পাঃ), *লোয়য়ম্বা শিনযেন* (ইম্ফাল ঃ শ্রীমোইরাংথেম ইবোতোম্বী সিংহ, ১৯৭৫) লাঃ ৩৩, ১৭, ১৮।

১৬। মথক্কীসিদা, লাঃ ১৮,১৯।

১৭। মথক্কীসিদা, লাঃ ১৯, ২০।

১৮। মথক্কীসিদা, লাঃ ২০, ২১, ২২।

তম্পাক মাইবগী মশিলগী মতাংদা অসূন্না ইবি

তম্পাক মাইবা নংদি মোংবাহনবা লাৎলো, খাপা লাংথংচা, কাবা ৰামাই পা নংদি নাওহল অহলবা লাৎলো, জগোই ৰা মাইবা নংদি থন্নাংবা লাৎলো,[১৯]

মতৌ অসূন্না মৈদিংঙু লোইয়ুম্বনা পানবা মতমদা লৈবাক অসিদা মহাক্কী মমাঙদা পাল্লম্বা নিংথৌশিংগী ৰাযেল পথাপতগী হেন্না ফজবা, লৈবাক ৰাযেনবদা খুদোং চানবা হাযদুনা লূপ তকুক থোক্না খায়বম্বগা লোয়ননা তোঙান-তোঙানবা লোযশঙগী তোঙান-তোঙানবা মশিল যেম্লোকপীবমদুনা লৈবাক ৰায়েল থৌদা তৌবদা চাউখৎলকপগী মওঙ উবা ফংই।

মৈতৈ লৈবাক্তা মথক্তা পনখ্রিবা নিংথৌশিং অসিগী মতমদা হাপ্লম্বা ফমশিং অসিগুন্না লোযুম্বগী মতুংদা পাল্লকপা নিংথৌ থবগী মতমদা ফম কযামকমসু হাপ্লম্মী। মদুদি - মৈদিংঙু খুমোম্বগী খোঙলূপতি ফিশাবা হনবদি খাবমনি, মৈদিংঙু তেলহৈবগী খোঙলূপতি নাইখুবাকপা অমসুং নাইফাবাকপা অনীসি খাবমনি। মৈদিংঙু কিযাম্বগী মতমদা ৰাংখৈবাকপা, যাইস্কুল্লাকপা, শামুহনজবা, অচনবা অসি লাইফমনি, অচনবীনা খাবমনি। অহল্লুপ অমসুং নাহাৰুপ শঙলেন অনী লিংখৎলি। থাংযি লমযাই য়াংবনা অহল্লুপ লাকপা অমসুং ইৰাংবমচা নানবা শাবাবনা নাহাৰুপ লাকপা হৌএ। মৈদিংঙু লমগাই ঙম্বগী মতমদা হুইবোইহনজবা হাযদুনা খাবমদা খোঙলূপ অমা হাপ্লম্মী।[২০]

মৈত্রবাক্তা মৈদিংঙু খাগেম্বনা পানবা মতমদা দোলাই তোংবা হৌদোকপা, পাঙলগী লোয়শঙ লিংবা, শগোল কাঙজৈবু অনৌবা নিয়ম অমগী মখাদা শান্নবা, মৈদিংঙুবু লাইযিংথৌ কৌবা, হিদাকফু থকপা মৈতৈ লাইরিক কয়া থোকহন্দুনা, তমহনবা, হিয়াং তান্নবা অসিনচিংবা মকওইবা থবক থৌবম কয়া হৌদোক্লম্বতা নত্তনা লৈবাক্কী ৰায়েল থৌদা লৈঙাক্লোনগী মবমদা অকূপ্পা মীৎয়েং চংলম্বা মৈতৈ নিংথৌশিংগী মনুংদা অমনি। ইনিংথৌ অসিগী খোঙলূপতি

দোলাইবোই হনজবদি খাবমনে। লাইফম শঙলেন, খাবমশঙলেন অনীমা লিংএ। শঙখুবা মরিমাসু লিংখৎলে। লাইরিক য়েংবা হনজবা ক্ষেত্রি হনজবা অনীমা হাপ্পুনা লাইফম ইনহল্লে। শঙ পুন্নমাসুঙ লিংখৎলে। কৈবোই পুন্নমাসুঙ লিংখৎলে।[২১]

১৯। মথক্কীসিদা, লাঃ ২৩।

২০। নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র (সম্পাঃ) *ফমলোন* (ইম্ফালঃ মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ১৯৮৭) লা ৪, ৫।

২১। মথক্কীসিদা লাঃ ৫।

মৈদিংঙু খাগেম্বগী মতমদা হান্নদগী লৈবন্নবা লোয়শঙশিংগী মথক্তা অনৌবা লোয়শঙ কয়ামকম লিংখৎখিবগী মতাংদা *"শঙলোন "* দা অসূন্না ইবি

লাইয়িংথৌ খাগেম্বনা তাইবোংথোং উত্রা অনীমা শাহৌএ। শঙদি দোলাইবোই দোলাই পাবা শামু শঙ, হিদাক শুংবা, মোইবুং খোংবা, নাগনা পাঙন অসি লিংএ। হিজগা শঙ লাংমৈপুং থোকলমএ। লানমিথোং কৈকুংবা মবোই লিংলমএ। হিনাও হনবনে দোলাই পাবা হনজবা, দোলাইবোই হিদং, শামু হিদং, শগোল হিদং, হিদাক শুংবা হিদং, কৈরুংবা, মবোই হনজবা, হিদাক ফানবা হনজবা, পোংশংবা হিদং অসি হাপএ।[২২]

মৈদিংঙু অসিগী সনা হাক্তক্তা তোঙান-তোঙানবা লোযশঙ নৎত্রগা কাঙলূপকী শিষ্যাগী মবমদা "শঙপানবা পূন্নমক্কী মশিল" কৌবা লাইবিক্তা অসূন্না মচা খাযনা ইবি, মদুদি - হাওপলনাবগী শিষ্যাদি

মোয়ুম কাইবং বুবিকাং।। সেকবুংকাং।। বুথাউসুক।। কোলনাপা।। তেম।। যেৎপু।। ফিসা বুতোং।। সাপৌতে।। কাংহূ।। অক্রপৎ।। বুংমু তোংচই।। নাৎ তোং চই।। নোংখুল।। বুনিং।। খুতেং।। ফাল।। লাঙচল।। সাবিক সাথলকি বুপাক ।। হইযিৎ।। কাংক্রৌ।। হইপ।। হঙ্গপোৎ।। যেনশঙ।। হিবিশঙ।। কোঙৌযেন।। মোলসামহই।। য়েনপুম।। লমকুমনা।। নোংকা হই। চোম।। লাকোই।। কাকলা।। মনা হই।। হইচুকা। তায়াল অঙৌপাৎ।। ঙামু যাই।। চিঙপোৎ থা।। চিঙফবা।। য়েনখৎ।। হওবই।। থাবাম।। নোং সবিক। বুয়ুঙ মক।। হাওপলনাপতা থাকানি।।[২৩]

শঙখুবা মবিগী শিষ্যাগী মতাংদনা অসূন্না ইবি

সঙলেনকি তংখাঈ থাঙপা।। কইকংপা যাইরেক সঙকি।। সিঙ থাঙপা। অসিপাকি কাই পুপা।। য়েনশিল চলপ।। অসি খিবিক্তি সঙখু বা ৪মাতা থাকানি।। মনা মসিঙসুঙ তংখাঈ থাকানি।।[২৪]

পোৎশঙবগী শিষ্যাগী মতাংদসু অসূন্না ইবি

ফিকি চাৎকি মখৈ।। ফাগঙ।। য়ুখল খলপা।। তবাউফি।। খুতই ফিসাং।। মোলপাক।। মোল।। লাইকমফক।। মোইথাপ।। চামেল।। হিংঙোল।।

২২। "শঙলোন", খূৎই লাইরিক, লাঃ ২,৩, ফংফম ঃ নিংথৌখোংজং খেলচন্দ্র, উবিপোক ইম্ফাল

২৩। "শঙপান্নবা পূন্নমক্কী মশিন" খূৎই লাইবিক, লাঃ ৬,৭, ফংফম ঃ বি কুলচন্দ্র শর্ম্মা, ব্রহ্মাপুব থাঙ্গ পাৎ মপান, ইম্ফাল।

২৪। মথক্কীসিদা লাঃ ৮।

চিঙসুপু।। লাইকি কাইবং।। লাইবিককি থৌকল ফিতা অসিনচিংবা অসি পোৎশঙপাতা থাকানি।। সিলথা ১তী।। লংসঙপ।। মুগা সঙপা।। মেৎপা।। তিংপা।। লংসুং সুংপা।। লং মেৎপা।। অসি খিপিক।। কাপ খুলতৈতা।। থাকানি।। লাললুম ১তা।। লং সঙপা।। মেৎপা।। খোৎপ।। সুংপ নুবি ৬।৬ পোৎসঙপাতা কাকনি।[২৫]

অদুগা অমুক শগোল তোংবগী শিল্পাগী মতাংদা অসূন্না ইবি

সাকোন পাউ চৎপা।। থানা লেকপা।। লালপল খুৎসমনাপা।। পাউঙাইপা।। পানা সাকোল তোংপাতা থাকানি।[২৬]

শঙলিংবগী শিল্পাগী মতাংদসু অসূন্না ইবি

মিহাৎ মিপুল।। মিৎহল।। নাকক।। খুৎকক্।। খোঙকক্।। নাফুৎথাপা।। কোম তওপা।। মি ফুমপা।। অঙাংনা।। মাপা মামা খঙতানা।। সিবাই পুসুঙ ফুমপা।। ককপা।। মি হাৎলাপা।। সকোঈ সাপা।। সঙলিংপাতা থাকানি।।[২৭]

শামুশঙগী শিল্পাগী মতাংদনা অসূন্না ইবি

লাইকি তিনকি অসিপাকি।। থৌকল পাউচেল।। সামু মচুম।। বাঈ তইপ।। সিথা থিলপা।। ফুনত্রৈ চিংপা।। সামুমাই অসি সামুসঙতা থাকানি।।[২৮]

কৈরুংবা মাবোঈগী শিল্পাগী মতাংদসু অসূন্না ইবি

কাঙচই থৌকল ফিতা।। চাক হৌবাঈ।। থোইতিং।। য়াংকোক।। বুনাপু।। খাকঙ।। ফকলোং মোলথক।। সিং।। মুবোক।। কুরেক।। মইখু হিতাক লাঙচল।। লিহিং।। লাই হিতাক।। সামন।। বুচাল সুক।। বুয়ুঙসুক।। থোঈতিংকাপা।। মাকে।। সাবাম।। মুয়ুম।। য়াংকেল সুমচিং।। বুনোংসুমজিৎ।। কাঈরেং।। তেলচই।। সঙপাঈ।। য়েনতাই।। নিঙঙই।। লিখাইকক।। চেঙচামলুক।। পোললাং কাংছ।। লইহৌরা।। খঙলা।। হইপোপ।। হইকপোপ।। অসি কঈকংপা মাবোঈতা থাকানি।।[২৯]

২৫। মথক্কীসিদা লাঃ ৮।
২৬। মথক্কীসিদা লাঃ ৮, ৯।
২৭। মথক্কীসিদা লাঃ ৯, ১০।
২৮। মথক্কীসিদা লাঃ ১১।
২৯। মথক্কীসিদা লাঃ ১১।

হিরু হিনাউবগী শিল্পাগী মতাংদসু অসূন্না ইবি

সামু খুতা।। মাবুল।। মাতিঙ।। মাহাও।। মাসিংখা।। মারু।। মামিৎ।। কৈ মবুন।। খুচিন।। মাহাউ। মায়া মাসিংখা।। মাকোই।। মারৈ।। মামিৎ।। লুসম।। রোক।। সাচি।। সাঙাই।। খাবিসা।। সানমপা।। য়ীসিংতা হৌপা ।। থমপাল।। হইকক।। থংচিং।। চবাং।। য়েনসম য়িসং।। কঙপী।। কঙচাও।। ঙাচক।। খোমমোল।। য়েললাং।। চাওখোং।। য়িসিংপান।। য়িসিং য়েনশাং।। চুমথাং।। চুমলাং।। তওরিক। তঙপোম।। অসি হিরু হিনাউপাতা থাকানি।[৩০]

হিদাক ফানবগী শিল্পাগী মতাংদনা অসূন্না ইবি

চুহি।। তেবা।। সাকোন হৌরাই।। মংকল।। কাসাবি।। মুক।। ঙালথক।। তীকি।। হিদাক।। মইতাল।। মইফু।। তাংপল।। অসি হিতাক ফানবদা থাকানি।[৩১]

পাঙল যিংখোলগী শিল্পাগী মতাংদসু অসূন্না ইবি ঃ

চুহি।। হওরাই।। লৈনাচিংপা মারুগী মখে।। ফাতিকোম।। পাখোল।। চামক্রুক।। কাপা।। আফিং। চিনি।। হংকাম।। মককি মখে পাঙল য়িংখোলতা থাকানি।[৩২]

লাইযিংথৌ খাগেম্বা সনা হাক্তক অসিদা লাইবিক যেংবা লোইশঙনা রাবী লিবা অমসুং ইবগী থবক, ক্ষেত্রি লোযশঙনা রাবী লীবা অমসুং লাইবিক থিবগী শিল্প তৌহল্লম্মী হায়বসি অসূন্না ইবি

খাফম, লাইফম লাল্লুপ অনিমাদা লাইবিক য়েংবা লোইশংনা রাবি লিবা লাইবিক ইবা থৌগল চংযে। নাহারুপ, অহল্লুপ লাল্লুপ অনিমাতা খেত্রি লোইশংনা স্না থৌগল্ রাবি লিবা লাইবিক থিবা খনবা চংএ। মশিল কৌই। খাগেম্বা স্না হাকথক্তগি হৌনা চঙই লোইশং লিংলকই মাগি মাগি মসিল কাইহলদানা তৌহললমই।[৩৩]

মতৌ অসূন্না মথক্তা পনখ্রিবশিং অসিদগী মৈদিংঙু খাগেম্বগী সনা হাক্তক অসিদসু

৩০। মথক্কীসিদা লা ১৭।

৩১। মথক্কীসিদা লা ১৯।

৩২। মথক্কীসিদা লা ২১।

৩৩। খুলেম চন্দ্রশেখর (সম্পা) *লোয়য়ম্বা শিনয়েন* (ইম্ফাল শ্রীমোইবাংথেম ইবোতোম্বী সিংহ, ১৯৭৫), লা ৭১, ৭২।

লৈবাক বায়েল থৌদাদা খুদোং চানবা হায়দুনা অনৌবা ফমলূপ কয়ামরুম হাপচিনবগা লোয়ননা লৈবাক্কী চাউখৎ থৌবাংগী মরমদসু শিংথানিংঙাই ওইবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎলম্মী হায়বদু ময়েক শেংনা খঙবা ঙম্মী।

মসিগী মতুংদা মৈদিংঙু খুনজাওবগী সনা হাক্তক্তা লমরৈবাকপা হায়দুনা লাইফম পানাদা ফম অমা হাপ্লম্মী। মৈদিংঙু পাইখোম্বগী খোঙলূপতি পাচাহনবা অমসুং ফমদৌ ফমলূপ লূপলাকফম পুন্নমক হাপ্লম্মী মৈদিংঙু চবাইরোংবগী সনা হাক্তক্তা অনাশঙ হনজবা হাপ্লম্মী।[৩৪]

মৈতে লৈবাক্তা মৈদিংঙু গবিবনিবাজনা পানবা মতমদগী মৈতৈগী হান্নগী চৎনবী ফিজেৎ-চাকচা, লমচৎ-শাজৎ পুন্নমক হোংদোকহন্দুনা শা-ঙ্গ্র, যু থক্লম্বা, ঙানু, খুনু, ওক, যেন লোইবম্বা পুন্নমক ঙম্না থিংখি। অদুগা অনৌবা সংস্কৃতিগী মশক অমা শাগৎপা হৌখি। মৈতৈগী হান্নগী ধর্ম্মবু নাথৈদুনা থন্নলগা নিংথৌগী অকনবা যাথং মতুং ইন্না লৈবাক শীনবা থুংনা বামান্দী ধর্ম্মদা মায ওনশিনহনখি। নিংথৌ অসিগী সনা হাক্তক্তগী মৈতৈগী উমঙ লাই লাইনিংথৌ নোংশাবা, য়িমথৈ লাই, পান্থোইবী, তাইবং খাইবা লাই মবিদা বামোন্না ঈরাৎপা হৌহল্লি।[৩৫] মী শিবগা পোৎলোইবদা মৈগী পোৎলোই চৎনহনবা অমসুং নিংথেম্বু মহারাজ হায়না কৌবসু চৎনহনখি।[৩৬] অদুগা পোং নিংথৌগসু অফবা মবী লৈনরম্মী হায়বদু অসূন্না গ্রক্রি

> ইঙেন থা থা অহন নোংদা পোং নিংথৌ খেথোম্বগী য়াইবু নিংথেমগা পোং নিংথৌগা কুচুদা ফম্মিন্নবদা পীএ।[৩৭]

মতাং অসিদা 'য়াই' হায়বিবসি বিষ্ণুগী অতোপ্পা শক্তম শালগ্রাম ওইবম্বা য়াই হাযবসিনি।

মৈদিংঙু গবিবনিবাজ মাহাবাজগী খোঙলূপতি

> থাঙশূহনবা লাইফমনে। তেনশূহনবসুঙ লাইফমনে। উমু খুম্লাকপা খাবমনে। চুংশূহনবা খাবমনে। খুনতোংলাকপা লাইফমনে। চীংশুহনবদি খাবমনে। ফমথকচা লাইফমনে। লাইবেল্লাকপসু লাইফমনে। ইমিংলোই হনজবসুঙ খাবমনে। খাবম লাকপা লাইফম লাকপা অনীমা হাপএ। লৈকাই হাজবি মবি হাপএ।[৩৮]

৩৪। নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র (সম্পাঃ) *ফমলোন* (ইম্ফালঃ মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ১৯৮৭) লা ঃ ৫, ৬।

৩৫। লাইরেনময়ুম ইবুংগোহল অমসুং নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র (সম্পা) *চৈথাবোল কুম্বাবা* (ইম্ফালঃ মণিপুবী সাহিত্য পবিষদ, ১৯৮৯) লা ঃ ৮৪।

৩৬। মথক্কীসিদা লা ঃ ৮৫।

৩৭। মথক্কীসিদা লা ঃ ১০২।

৩৮। নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র (সম্পাঃ) *ফমলোন* (ইম্ফালঃ মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ১৯৮৭) লা ঃ ৬।

অদুগা অমুক মহারাজ অসিগী সনা হাক্তা ইনৌ নৌনা হাপলম্বা ফমশিংদি :
যুবরাজ, সেনাপতি, মন্ত্রী, কপ্তান, পানা হাজারি মরিমা পোৎশঙবা হনজবা, হীদাক ফানবা হনজবা, চাংগম নিংথৌ, হিক্রুহনবা, হিনাউহনবা, লম্বোং হনজবা অসি হাপএ।[৩৯]

অদুগা লৈবাক রায়েলগীদমক লিংখৎলম্বা শঙলেনশিংদি- চৈবাপ, পোৎশঙবা শঙলাংমৈ, হিদাক ফানবা শঙলেন, কৈরুংবা য়ারেকশঙ, নিংথৌশেনবা য়ারেকশঙ, লাম্মী য়ারেকশঙ, তানয়েবা লোয়শঙ, হাওমচা, কৈবি চিনা, দোলাই পাবা, পাশোৎশাবা, ঈনুংলোই ঈশৈ শকপা, পানজি লোয়শঙ লিংখৎলি।[৪০] অদুগা "শঙলোন" দদি অসূন্না ইরি-থাংচা পান্নবা, পাইচাওবা শঙশারোই। তেংখন, শন্নুংশঙ, লোয়চবা, অয়েকপা ফুনীন চাওপোক, থুমজাওলুংবা, খেত্রি কিত্না লাইবিক এংবাশঙ, পোৎশংবা থোংদগী হাওমচা থোংগিশং, সনামহীগী শঙ্গাই, ইনুংলোই নান্দেবা, কৈরোই শঙ অমসুং শঙশাংস্ লিংলম্মী।[৪১] ফমগী মতাংদস্ - মোইবুং খোংবস্ হনজবা হাপএ। লাইফম লাকপা, খাবম লাকপা, থাংজা পুবেন, উরুং পুবেন, শঙশারোই হনজবা, থোং হনজবা, তেংখল হনজবা, শন্নুং পুরেন, লৌরুং পুরেন, থুমজাওরুংবা পুবেন, অয়েকপা হনজবা, খেত্রি হনজবা, কিত্না হনজবা, লাইরিক এংবা হনজবা, অয়োকপা হনজবা কানাবতি। নান্দেবা হনজবা, কৈরোই লাকপা অসি খিবিক হাপ্রম্মী।[৪২]

মৈদিংঙু অসিনা 'খাবম' অমসুং 'লাইফম' অনী অসিগী অপুনবা মমিংবু 'খুঞ্জা' অদুগা 'নাহারুপ' অমসুং 'অহল্লুপ' কী অপুনবা মমিংনা 'নাইজা' হায়না কৌরম্মী। খুঞ্জাগী ফমনা খুনফাংথৌ কৌই। নাইজাগী ফমবুনা রাংভম নাইফাংথৌ হায়না কৌই। ফমথৌ কৌবদি চৈরাপকী রায়েনফমগী খুল্লাক ফম অয়াম্ববুনি, নিংথৌ কৌবদি অঙোম নিংথৌ, মোইরাং নিংথৌ, লুবাং নিংথৌ অমসুং খুমন নিংথৌ মরিবু খঙনৈ।[৪৩]

লাইফম পানাগী মরু ওইবা ফম্নাইবশিংদি — পুখ্রনবা, শঙলেন লাকপা, ইমাগুলোয় হনজবা, লমলৈরাকপা, লৈচোম্লাকপা, খুতোংহনবা, কোনশাহনবা, হিশাবা হনবা।

অহল্লুপ পানাগী মরু ওইবা ফম্নাইবশিংদি— খাইরাকপা, হিয়াংলোই হনজবা, ফমথকচা, য়েন্দ্রনহনবা, ওক্রনহনবা, ঈরাৎলাংবা, সিনাইবা হনবা, ফি শাবা হনবা।

৩৯। মথক্কীসিদা লা : ৬।

৪০। মথক্কীসিদা লা : ৬।

৪১। *শঙলোন*, খুৎই লাইরিক, লাঃ ৩, ফংফম : নিংথৌখোংজং খেলচন্দ্র, উরিপোক, ইম্ফাল।

৪২। মথক্কীসিদা লা : ৩।

৪৩। মোইরাংথেম নরেন্দ্র "ফমলোন", খুলেম চন্দ্রশেখর (সম্পাঃ) *ফিদম রারেং* (ইম্ফাল : মৈতৈ ময়েক ওর্গেনাইজিং এণ্ড রিসর্চ এসোসিয়েশন মণিপুর, ১৯৮৪) লাঃ ৩২।

খাবম পানাগী মরু ওইবা ফন্নাইবশিংদি - ব্রাংখৈবাকপা, নোংথোনবা, শঙলেন লাকপা, ইমিংলোয় হনজবা, উমু খুল্লাকপা, কৈক্রনহনবা, খুৎহৈবা হনজবা, থাংশাহনবা।

নহাকপ পানাগী মরু ওইবা ফন্নাইবশিংদি — য়াইস্কুল লাকপা, অহৈবা হনজবা, হুইবোই হনজবা, চোঙখানবা হনজবা, লাইখুবাকপা, হুইত্রেনহনবা, নাইফাবাকপা, নাকপলাকপা।

মথক্কী লাইফম পানাগী ফম ৮, অহল্লুপ পানাগী ফম৮, খাবম পানাগী ফম ৮, নাহারুপ পানাগী ফম ৮, শুপ্না ৩২ অসি পোইবৈথৌ, খুনফাংথৌ, তয়ুমথৌ, নাইফাংথৌ কৌই। মখোয় অসিবু পূন্না খুল্লাকফম কৌই।[৪৪]

অদুগা পুখ্রন হিদং, নোংথোল হিদং, খ্বাই হিদং, ব্রাংখৈ হিদং, যাইস্কুল হিদং অসিনচিংবা হিদং ৩২ লৈবি, মসিবু লুপলাকফম কৌই।[৪৫]

ইনিংথৌ অসিগী সনা হাক্তক্তা চৎলম্বা নীতি নিযম অমসুং ফমহাপলোনগী মতাংদা অসূন্না হাযবি - কবিগুম্বা ব্রায়েল অমদা চৈবাপনা ঙমদ্রবদি লৈবাক নিংথৌগীনি হাযদুনা অচৌবা ব্রাফম ওইনা নিংথৌগী ওইনা থম্মী। নিংথৌ অমসুং লৈমা শেনবদা কাগদবা মীদি পিবাগা মথংগা অনী অসিতনা কাগনি। নিংথৌগা কোনুংদা লৈমিন্নগদবা মীদি যোইবু যোইহৈগা, হাওমচা অসিতগা লৈমিন্নগনি। নিংথৌ অমসুং অঙম্বনা কৌশিনদনা মনাক্তা চঙফদে। কবিগুম্বা মতাংদা চঙলক্রবসু নিংথৌনা ব্রা হংদনা ব্রা হঙ্গৎপা যাদে। চহী কুন্থ্রা শুদ্রিবা মীবু নীং-মাং খঙবা ব্রাৎলি হাযদুনা ফম হাপলমদে। নুমিৎ কুন্নি মবক থা অমগী মবক্তা নিংথৌ অমসুং অঙম্বন লৈবাক্কীদমক ব্রা তান্নগনি। নোংপোক অমসুং নোংচুপহাবমগী যূম্নাক শাগৈ নৎত্রগা মীনা সনামহী, পাখঙবনচিংবা লাই অযাম্বা চঙবা যাদে অমসুং মাইবা লোযশঙ অহুমদসু খনবা যাদে। দোলাইপাবনা নিংথৌগী সনা শঙ্গাইসু চঙবা যাদে।[৪৬]

সনা হাক্তক্তা দোলাই পীবম্বা অঙম্বা নৎত্রগা ফমলূপশিংদি অসূন্না পল্লম্মী অঙোম নিংথৌনচিংবা শুরু পণ্ডিত, পুখ্রনব, নোংথোনবা, লৈকাইবাকপা মবি, পানা লাকপা মবি, মন্ত্রী, সেনাপতি, কপ্তান, শঙলাকপা মবিমা, শঙলেন লাকপা মবিমা, কৈরুংবাহনবা মবিমা, শেলুংবাহনবা মবিমা, শঙশুবা শঙলাকপা মবিমা, পানা হাজাবি মবিমা, ফৈদা হনজবা, থোঙশঙবা হনজবা, থাঙবন চাববা মী, দোলাইবোই হনজবা অসিনে।[৪৭]

লোইদগী লাকপদা দোলাই পীবম্বা খুল্লাক পশিংদি-চোথে খুল্লাকপনা মোংশাংগৈ

৪৪। খুলেম চন্দ্রশেখব (সম্পাঃ) *লোযয়ম্বা শিনয়েন* (ইম্ফাল ঃ শ্রী মোইবাংথেম ইবোতোম্বী সিংহ, ১৯৭৫) লাঃ ২৬ ২৭।

৪৫। মথক্কীসিদা, লা ঃ ২৭।

৪৬। নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র (সম্পাঃ) *ফমলোন* (ইম্ফালঃ মণিপুরী সাহিত্য পবিষদ, ১৯৮৭) লাঃ ৬।

৪৭। মথক্কীসিদা, লা ঃ ৮,৯।

ফাওবদং দোলাই তোংগনি। মোইবাং খুল্লাকপা অমসুং *লূপলাকপা অনীদি লাংপোক* ফাওবদং দোলাই তোংবা য়াই।[৪৮]

মহাবাজ গবিবনিবাজগী সনা হাক্তক অসিদা তোঙান - তোঙানবা ফমলূপশিংগী শিষ্টাগী মতাংদা *শঙ পান্নবা পুন্নমকী মশিন* দা ময়েক শেংনা ইবম্মী। মদুদি শঙশাবোইগী শিষ্টাগী মতাংদা অসূন্না ইবি

পায়া।। হুমতাং।। বাচেৎ।। মী।। বা য়ানপা।। সিঙবুৎ সিঙনাং।। বুচিবা য়ুংপা।। কুমনা।। ফনত্রাগী ফৈ।। সুমচিৎ।। খাপই।। অসিপাকি।। খাংপক খলপা।। বাঈ তইপা।। অসিপাকি চালত্বা খলপা।। লমসেংপা।। সঙসাপা।। লাইকি তিলকি থৌদোকলাপতা।। লাফু ফানবা।। য়ুংপা কাইখোঙ য়ুংপা।। মাইথিল পুপা।। বুচেকতী।। সোইপোল।। বুরেমপী।। বুনা খোই।। খোইঙাং।। খোইঙৌ।। খোইঙাল।। লম মোইপুঙ।। লাংপল কৌখা।। সাপল কৌখা।। সাপন কাকলৈ।। সাপন লৈসোক।। বালতেংখোইপী।। অঙাংপা লাপা।। পাখংপা লৈতোল।। য়ীবিকসিপী।। কাবোঙ হই।। মিকৌপা।। লুলপা।। সাকই সাপা।। অসি সঙসাবোইতা থাকানি।।[৪৯]

অয়েকপগী শিষ্টাগী মতাংদনা অসূন্না ইবি

খামেন চপপা।। লৈচা পেপা।। বুচপ য়েকপা।। ফালতেং সাপা।। ফাল য়েকপা।। মোইমিৎ লাললু য়েকপা।। কাইবেল কাইচাও য়েকপা।। কু য়েকপা।। নিংথৌফি য়েকপা ফুমইচই য়েকপা।। কাংখোল য়েকপা।। কুচপকি মমি লৌপা।। অসি খৈপিক।। অয়েকপতা থাকানি।।[৫০]

থাঙচা হনবগী শিষ্টাগী মতাংদসু অসূন্না ইবি

তাখোক।। লমপুখোক।। লিরুং।। নোংমাইখোক।। নুঙচাক য়াচুঙ।। তেল।। তা।। সিঙচঙ।। হাঙমই।। থাঙ।। য়োবি।। য়োৎ।। তোক।। নাহুল।। ফেলতিল। পাইচা।। নুঙথং।। চেকপা কাপতু ।। কাপলেন।।পৌবোল।। য়োৎপাক।। সেংকম।। হোবাঈ।। নোংমই মরু।। য়োৎকি চাৎনা।। চঙপাকি মখৈ।। থাঙচা হনপতা থাকানি।[৫১]

৪৮। মথক্কীসিদা, লা : ৯।

৪৯। "শঙ পানবা পুন্নমকক্কী মশিল", খুৎই লাইবিক, লাঃ ১৩, ফংফম : বি কুঞ্জচন্দ্র শর্ম্মা, ব্রহ্মপুর, থাঙপাৎ মপান, ইম্ফাল।

৫০। মথক্কীসিদা, লা : ১৩।

৫১। মথক্কীসিদা, লা : ২৫।

থুমজাওরুংবগী শিঙ্গাগী মতাংদি ·

খ'রি।। থুমাই।। খারি মচঙ।। অসি থুমচাউরুংপাতা থাকানি।।[৫২]

অয়োকপগী শিঙ্গাগী মতাংনা .

লা।। লাফু।। লাবোই।। চু।। য়েনসাং মনা মসিঙ।। মাবোই।। পেরুক।। লাই পেরুক।। বুচি সমমন।। লাললুকোক।। খুনু চেংবি।। পেরুক নুংচে।। কাইখোঙকি লাফু।। খাললিকি লফু।। চেঙকুম।। চেঙকুম পোকলাউপী।। মানলেচাবেঙ।। মোনসাউবি।। অসিপাকি লা থাপা।। লাফু মোল থাপা।। খাংপক সিপা।। মংফম মরু হুলপা।। মইকোইপাকি চাকুম সেংপা।। থাবা হৈফম সেংনা।। মইকোই নাইপিপা।। বুহল।। অসি খাঙলা।। কওচেং যোংমালবি। তোবপোৎ।। সলসিবি।। লাফু চানামাকি বু।। খামেল অসি খৈপিক অযোকপা।। ফুনিল।। চাওথোক।। ২ মাতা থাকানি।।[৫৩]

কিত্তাগী শিঙ্গাগী মতাংদা অসুন্না ইবি

লাইসঙ তইপা।। তুলসি মনা হেকপা।। কুমা মনা হেকপা।। চেঙ থোইতিং তিংথৌ।। থালি তুংগা সাপা।। থাবা হৈফম শেমবা।। সাবিক খিংপা।। সেন যইপা।। বাই সিংপা।। য়াম সুপা।। সাবাৎকী লা থাপা।। চেঙ থাপা। লৈ থাপা।। সেন পুঙ য়ইপা।। লৈ মলপা অসি কিত্তাতা থাকানি।।[৫৪]

কৈবোইগী শিঙ্গাগী মতাংদসু অসুন্না ইবি

তেবা।। ফুনিন।। কেঙজোই।। কওখা।। কওথুম।। খামু।। চামু।। লাইকি কাইরং।। বুরেইরোম।। কুহি।। সলখোম।। লাইসৌ।। চোঙজা।। লমখুনু।। সঙাইরাপা।। অসি কইরোইতা থাকানি।[৫৫]

তেঙখলগী শিঙ্গাগী মতাংদসু অসুন্না ইবি

নুঙ খেৎপা।। য়ানপা।। পুবা।। থাঙপা হই লৈ থাপা।। ফুকপা।। চেকপল খোলপা।। লাংখোং তেংপা।। লইবঙ খোলপা।। তইপা।। অসিপাকি হুমাই খোক পালপা।। মং সেমপা।। মইতান খোমপা।। মুৎপা।। ফুমপা।। কোম তওপা।। দাবা হইপমকি মফম যেংপা।। খোইতিং মাল খোমপা।। খুৎচুম পেরেকি বুৎ।। খাংখাকি বুৎ।। মইতিল

৫২। মথক্কীসিদা, লা ঃ ১৬।

৫৩। মথক্কীসিদা, লাঃ ১৭।

৫৪। মথক্কীসিদা, লা ঃ ২২।

৫৫। মথক্কীসিদা, লা ঃ ১৭।

তুমপা।। পোকলওপি।। খোমত্রোকপি।। বুচি হংকাম।। য়ীসিং চাইপা।।
হিতাক।। মইকি চাৎ মাখে।। পুকপ্রি।। থাউনম।। কেকে।। সাকোন
হিতাক।। ককচেং নোংমাইথৌ।। অসি খিপিক তেঙখলতা থাকানি।।[৫৬]

মথক্তা শন্নপ্না থরদং নৈনজত্রিবশিং অসিদগী খণ্ডবদি মহারাজ গরিবনিবাজ সনা হাক্তক্তা নিংথৌগী য়াথং মতুং ইন্না তম্পাক্কী শরুক মখে পাক শন্না হিন্দু ধর্ম্মদা লাইমিং লৌহন্দুনা হিন্দুগী ওইবা চৎনবী কয়া পুশিল্লক্রবসু লৈবাক অসিগী লৈবাক বায়েনতা নত্তনা চাওখৎ থৌরাংগী লমদা থোইদোক্লা মায়পুননা হোৎনখিবা নিংথৌ অমনি। মহাক্কী বায়েন থৌদা মতিক মথৌনাতনা তখেল, ঔবানচিংবা লৈবাক কয়া মায়থীবা পীদুনা মরৈবাক মজাতিবু য়ান্না নুংশিজবা নিংথৌ অমনি।

মৈদিংঙু চীংথংখোম্বা খৃ ১৭৫৯ শজিবু থাগী ৭নি পানবা শগোলশেন নুমিত্তা আখাম চনু মহাবাণীগা ফম্বাল কামিন্নে। খৃষ্ট ১৭৬১ ময়াম্বুং ইবুংঙো মবাম্ব (গৌবশ্যাম) গা হায়নবগী মতুং ইন্না নিংথৌ ফম্বাল অমুক কাবা মতমদা চীংথংখোম্বনা যুববাজ ওইনা লৈখি। অসুন্না চহী অনী ময়াম্বুংনা পাল্লবদা খৃ ১৭৬৩গী থবানগী ২৭নি পানবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ময়াম্বুং গৌবশ্যাম নেঙ্গাখিবদগী নুমিৎ অদুমক্তদা চীংথংখোম্বনা অমুক ফম্বাল তোংখি।[৫৭] মৈদিংঙু চীংথংখোম্বনা পাল্লকপগা ইকান কান্নদনা মোইবাং নিংথৌনা ঔবাগা লৌতুনবগা লান হৌবক্তুনা লৈবাক কাং-খোং চাইখি। নিংথৌসু লৈবাক থাদোক্রুন্নগা অহোম নিংথৌ বাজেশ্বরগী মফমদা চঙজখি। অহোম নিংথৌ চাওসুরেমফা (বাজেশ্বর)না লান পাংবিদুনা মৈদিংঙু চীংথংখোম্বনা মৈতৈ ফম্বাল অমুক ফংজখি।[৫৮]

মৈদিংঙু চীংথংখোম্বগী খোঙলুপতি অসুন্না পল্লি, মদুদি - পাচ্চাহনবা, ফৈদা শঙলাকপা, হাওমচা শঙলাকপা, ঈশৈ শকপা শঙলাকপা, কৈরুংবা নাহা মবি, শেলুংবা নাহা মবি, তেখাওদগী হুল্লক্রগা বাজখ্বা হাপ্তুনা লৈকাইরাকপা মবিগা ফম তিন্ননা ফমহল্লি। শঙলেন মবি, শঙখুবা মবি, লোয়িন নীপান, লৌকং পুবেন, থুমজাউপুবেন, শল্লুং পুবেন হাপ্পী।[৫৯] মৈদিংঙুনা মোবান্দগী হুল্লক্রগা পানা মবিগী শঙ্গোইবা হনজবা হিদং নীপাল হাপ্তুনা ফমদৌ খুল্লাকফম নীপালগী মখা ফমহল্লি, তেংখন লোয়শঙনচিংবা শঙ পানবা পুন্নমক্কী লোয়শঙ

৫৬। মথক্কীসিদা, লা : ৯।

৫৭। লাইরেনময়ুম ইবুংঙোহল অমসুং নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র (সম্পাঃ) *চৈথারোল কুম্বাবা* (ইম্ফালঃ মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ১৯৮৯) লা : ১২২, ২৩, ২৪।

৫৮। বাই সাহিব গুলাবচন্দ্র (অনু অমসুং সম্পাঃ) *অহোম বুরনজি* (শিলংঃ আসাম গোর্বণমেন্ট, ১৯৩০) লা : ২৮৬, ৮৭।

৫৯। নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র (সম্পাঃ) *ফমলোন* (ইম্ফালঃ মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ১৯৮৭) লা : ১২, ১৩।

লিংখৎলি। শঙখুবা মবি, শঙ্গোইবা হনজবা হিদং মবি, শঙলাকপা মবি, থাঙজা পুবেন, অবাং পুবেন, লমবোং হনজবা, তন্ত্রবি পুবেন, চন্দ্রসিদ্ধান্ত, তেংখন অতেংবা হাজাবি, অয়েকপা হাজারি, হাওপান্নবা পুবেন, পাঙন কাজি, তখেলঙামন, লাইয়েংবা হনজবা, ক্ষেত্রিহিদং, ধোবা হনজবা, নাপেৎ হনজবা, তেলিহনজবা অসিখিবিক হাপ্লম্মী।[৬০]

সনা হাক্তক্তা চৈবাপকী ফমলূপ খায়বম্বগী মতাংদা অসূন্না পম্লি

অঙোম নিংথৌনা লাঙজৈ ফম্মে। য়েন্তা সেনাপতি, গুরু পণ্ডিত, খূরায়রাকপা, পুখ্রনবা, বাজখ্বা, খ্বাইবাকপা, লাইফমলাকপা, অহলুপ লাকপা, পাচ্চাহনবা, চন্দ্রসিদ্ধান্ত, হিয়াংলোয়হনজবা, শঙলেন লাকপা, পণ্ডিত, কৈকংহন, লাইবিক য়েংবা হনজবা, ক্ষেত্রি হনজবা, থাঙগুহনবা, তেনগুহনবা, লমলৈবাকপা, যেন্দ্রেনহনবা, যোইবেনহনবা, অশৈবাহনবা, লৈচোল লাকপা, খুনদোংলাকপা, লাইবেনলাকপা, অচুনবা, ওক্রনহনবা, নাকপ লাকপা, শিনাইবাহনব, থাঙশাহনবা, শামু হনজবা, ঈবাৎ লাংবা, ফমথকচা, কোনসহনবা, খূৎহৈবাহনবা, অমেৎপা হনজবা, দোলাইবোই হনজবা, উশাবা খুল্লাকপা অসি ফমএ।[৬১]

নহাকপ খাবমগী ফমফমগী মতাংদসু অসূন্না পম্লি

বাংখৈবাকপা, মন্ত্রী, নোংথোনবা, কত্বান, যাইস্কুল লাকপা, খাবম লাকপা, নাহারুপ লাকপা, চোঙখানবা হনজবা, শঙলেন লাকপা, পণ্ডিত, কৈরুংবাহনবা, চাংগমনিংথৌ, চুংগুহনবা,উমু খুল্লাকপা, হুইদোনহনবা, কৈক্রনহনবা, মাইবাহনবা, নাকপ্পলাকপা, ইমিংলোইহনবা, অচুনবী, শগোলহনজবা, হিশাবা হনবা, নাইফারাকপা, নাইখুরাকপা, অয়েকপাহনজবা, মৈইফোংবা হনজবা, অহৈবা হনজবা, ফিশাবা হনজবা, উনুংদা খুল্লাকপা, ফুবিৎশাবা খুল্লাকপা অসুম ফমএ।[৬২]

দোলাই তোংবা অমসুং পে খোঙশাংবা খানবা অঙম্বশিং অদুগী মতাংদা অসূন্না ইবি

অঙোম নিংথৌ খুবায় লাকপা, বাংখৈবাকপা, পুখ্রনবা, নোংথোনবা, খ্বাইবাকপা, য়াইস্কুল লাকপা, সঙলাকপা মবি, মন্ত্রি, সেনাপতি, বাজখ্বা, কতবান, শঙলেন লাকপা মবিমা, পাৎচাহনবা পণ্ডিত অহমমা নিংথৌ মচা ফম ওইসে হায়না লিংখৎলম্বা, দোলাইবোই হঞ্জবা, শামু হঞ্জবা, শগোল হঞ্জবা অহুম্মানে, শঙখুবা শঙলাকপা মবিমা, ফমদৌ নিপালমা,পানা হাজাবি

৬০। মথক্কীসিদা, লাঃ ১৩।

৬১। মথক্কীসিদা, লাঃ ১৩, ১৪।

৬২। মথক্কীসিদা, লাঃ১৫।

মরি, কৈরুংবাহল মবি, সেম্লুংবাহল মবি, ফৈতা হঞ্জবা, হিদাক ফানবা হঞ্জবা, পোৎশঙবা হঞ্জবা সুপ্পা য়াখৈ হমদোইমা অসিদি দোলাই তোংবা, পেখোকশাংবা খানবনে, ফম অয়াম্বদি খুদোং পে খাললে।[৬৩]

মৈদিংঙু চীংথংখোম্বা সনা হাক্তক্কী মশিলগী মতাংদা অসূন্না ইরি .

মৈদিংঙু চিংথংখোম্বা হাকথক্তা কারাতাকি ময়াংনা নুঙপুইয়ে। য়িক্লবা মৈতানদি লাললুপ অমদা পোৎ তরুক পিয়ে। লাম্লুপ অমদা নুংঙৌ চাং অনি কৎলে। ময়াংনা ঙমু চিলবোক তরা ঙা চাং তরা লাললুপ অমদা বোকনায়ে। কুম অমদা অন্দ্রোনা য়িচুমফু তরা, সেকমাই খানা ফু কুন কৎলে। থৌপালতোংনা ৰাইতৈফু তবা য়িৰাইপু তরা চাং সুনু লোননাবা ঙাংখা তালই, শিঙ তালই খামাবলনা কেকাম খুম শোই নাইযে। অরাংপানা ঘি হাপনায়ে। অবাংবানা অহিং নোংশোইনাবা থাউ তাললি। কৈরুংবা যাইবেক শাঙতাকি নুং য়াললাবা থাং য়োৎসুপি চেক্কপ য়োৎকি থাউমৈ খাপৈ য়োৎ য়াংকোক সুমশিৎ য়িখুমফি মোইথাপ মেবা হাও চোংবদা চুং তা অসি তালই। পাঙল য়িংখোলগি হিতাক চুহি হৰাই আফিংলৈ মাবোই মাক পুন্নমা নাইয়ে। সৎপা চৎপদি চাপোল লুংবা, ঙাকুংবা, থুমলুংবা পললুংবা অতৈ নত্তে অনৌবনে চেসং থৌপালতোং, তিললি ফুন্দ্রে মাসিলনে। লাংগোল হিদাক কৎলে। থাংগানা উথম হিতাক কৎলে। চন্দ্রখোং থুমলুংবা চংই। লোইফম আনান তাংখুলনচিংবাগি মাখৈ লমচাপা চংই।[৬৪]

তাংখুল খা-ৰাং লূপকী মশিলগী মতাংদসু অসূন্না ইবি ঃ

অনিমানা মৈখু হিদাক কৎলে। য়িবেং, মাখাল খুলখু মপাউ, যিবৈমা, লৈমাবেন গুকসিদবা অনিমাকি লোইনে। লমচা লমপু চংফাদে। লোইকোকনে। কাবাখুল, কাংচুপ খুল, খুন্তোং খুললেন অসিদি লমচাপা চংএ। হিদাক ফানবা মাচা মাশুদি নিংথৌ মচা মশুদা খলফদে। অনাল নালফৌনচিংবা হিদাক কৎলে নাই খৈপিক চৎতে। চাবাইথাংতা লেকই। থৌকল চাক চাযে যাকু থৌপাম্ভোং লোইদি য়িহালাই, সেকমাই, খবিখুল চকপা ফযেং কৌতাককতি নত্তে। ৰাইকোক সোইচাকামেংগা অন্দ্রো নত্তে,

৬৩। খুলেম চন্দ্রশেখব (সম্পাঃ) *লোযযম্বা শিনয়েন* (ইম্ফাল ঃ শ্রীমোইরাংথেম ইবোতোম্বী সিংহ, ১৯৭৫) লাঃ ১৫।

৬৪। মথক্কীসিদা, লাঃ ৬২, ৬৩।

চন্দ্রখোং, নিংঙেল, সিখোং, ৱাইখোং, থুমখোং, পললেন, ককচিং, লাংঙাথেল, অসিনে।[৬৫]

তালযৈবগী মশিলগী মতাংদনা অসূন্না পল্লি

তালয়ৈবগী থৌখলদি পুংচা য়ৈয়ে। তিনথুং লাইথুং সন্নাই য়েংই। য়াইপুং য়াইশেল য়েংয়ে। অসিনা মি অমনা নাই হাইবাবু য়েংনদে হায়বগী শাখিদি চৈবাপনা য়াইরেকশংনা কৌদানা য়েংহললাগা মখোয়গী মাচিলদগি চৎলি। ৱাখে চান্মা ফংজয়ে। লাই পাখংবানা থৌনিবদা খযোম লাকয়ে। স্নামহি য়াবা য়ুমপুম খুদিং চংতনা সেন খাইদনা মৈবিংনায়ে। নিংথৌনা খাউপিদানা মৈ মুৎহলদে, স্না খোংলেংলবদা পুংচা পুদানা চৎলি। অযোকপানা উতুপ মৈবা পিযে। থৌযাংশং শাযে অবাংপানা থাউ থুম অমা পিয়ে। অসি অনা চত্তে। পাই লোইবা য়াওদে। নিংথৌনা পাৎ অমা পিজয়ে। তাংখুনসুং পিজযে। লাইতিন অনিমাগি চাকচা পিজে। লাইনা তিন্না যাইয়ে। লাইবম তিল্লম খঙনা নিংথৌনা তৌহল্লে পুংচা কায়হন্দনা তৌহললে।[৬৬]

মাইবা শঙগী থৌগল্লোন মশিনগী মতাংদসু অসূন্না ইবি

মাইবা শঙ অহুম্মাগি থৌখললোন হায়গে যোযবেল সঙ নামুংদি লাইফম তিনফম লিংখৎকানি। পোৎ লাক্কানি লাই তিন শঙহলগনি। অশৈবা লোইশঙনা লাইতিন অনিমগি লাইচৎ তিনচৎ খঙনা তেংথানা যিশৈ শক্কনি। পাহায লোই খোমগনি। মাইবা লোল মঙামাতি লাই মঙামাগি মমিং খঙনা লাইশোল্ তিলশোল শোন্দুনা নাহৈগনি। চূপশা মোইসালাকা কোনচল্ যাইচল্গনি।[৬৭]

চৈবাউবা নুমিত্তা তৌগদবা থৌবম পবেংগী মতাংদসু অসূন্না পল্লি

চৈবাউবা নুমিত্তা চৈবাউবা লোযবাবদা লৈপাক নোংথৌ মবা চেৎননবা হাযদনা খুলচা নাইচা অনিমা অঙম্বা অথৌবা, সাচিং লানচিং সংলেন লাকপা, কৈকুং শেল্লুং, হাজাবি, সতৱান, চৈবাকপকি য়িঙুশিং পুৱন নোংথোন অঙৌ পানবা গুকনচিংবা পাচা অমাই অশৈ যোইবেল সঙ

৬৫। খুলেম চন্দ্রশেখব (সম্পাঃ) *লোযয়ম্বা শিনযেন* (ইম্ফাল ঃ শ্রীমোইবাংথেম ইবোতোম্বী সিংহ, ১৯৭৫) লাঃ ৬৩, ৬৪।

৬৬। *মথক্কীসিদা*, লাঃ ৬৪।

৬৭। খুলেম চন্দ্রশেখব (সম্পাঃ) *লোযয়ম্বা শিনযেন* (ইম্ফাল ঃ শ্রীমোইবাংথেম ইবোতোম্বী সিংহ, ১৯৭৫ লাঃ ৬৪, ৬৫।

মরিমানাচিংবা শঙপানবা অয়াম্বা খিবিকমক নিংথৌগি পোংবৈফমদা ফমদনা চহি অদুগী ফত্তহাওদি চঙদানাবা লাইখুল তিনখুল মেলহলগদবনে। গুরুনা লাই মঙামাবু মাইববোল মঙামানা মেলহলদানা থবাই মঙামা মিগা থানা তরুকমাবু নুঙঙাই মাবাং কাযনানবা হবাউ তযামনা পালননবা লাইতিন অনিমাগি মেলদানা নুমিৎ হুমনি, মঙানি, তবেৎনিনা অমানে। মাপলনিনা লোমগনি হাবাউনা নিংথৌনা নোংলোল মেলগনি। হবাউনা মাহাবানিনা লৈবোল মাপলমাবু তাইগনি। নুপি নুপা অনিমা হবাউনা সান্নগনি থৌচৎ য়িচৎফবোই। লৌচৎ শিংচৎফাদে হাযবা খঙও।[৬৮]

ফৈদাগী মশিলগী মতাংদসু অসুন্না ইবি, মদুদি - ফৈদাদা শঙপানবা পুন্নমক্না য়িযামমা কৌই। ফৈদানা নিংথৌ মচা অঙম্বগী মনাক্তা চংবা য়াদে। মহাবাণীনা লমথোকপদা ফৈদানা কোনচি পায়। নিংথৌগী ফম্মাংদা বাবী লিবা, পেনা খোংবা ঈশৈ শকপনা সনা থৌগলগীদমক চংলকপদা ফৈদানা পাউতাকই। ফৈদানা অহিংদা কোনুং চংবদা লৈবাক্তা লীচৈ মতোন্না খোৎপগী খোবক খোবক লাউবা মখোল থোক্না চৎলবদি ফৈদানি খঙগনি। নিংথৌ ফম্বাল কাবদা চৈবাপকী অঙম-অথৌ য়িঙুশিং পুন্নমক চংবদা ফৈদানা মাং থাগনি। লৈমা নিংথৌনা পানা পীজবদা ফৈদা হান্না পীজগনি। ফৈদাদা অহকপা চৈবাক তৌফদে, লাইকপনি হাযদুনা লুনা তৌবিবম্মী।[৬৯]

মৈদিংঙু চীংথংখোম্বা অসি লৈবাক্কী বায়েল থৌদাগী মবমদতা অকুপ্পা মীৎয়েং চংলম্বতা নত্তনা কলাপ্রেমী অমসুং কালাকাব অমসুনি। মহাথক্তা ঙসি মণিপুব অমসুং মণিপুবী জগোই শক্তাক্লিবা বাস মখল অহুম- মহাবাস, কুঞ্জবাস, বসন্তবাস পুথোকপীবম্মী। অসিগুন্নবা বাস অসিগী শৈহৌগী নিপা পালাদা নিংথৌ মশামক্না পূং য়েদুনা সংকীর্ত্তন কৎখিবা অসিমক কলাপ্রেমী অমসুং কলাকাব অমগী মগুণ ফোঙদোকপনি। মৈদিংঙু অসিনা মৈতৈ লৈবাক্তা চহী নিফুবোম শা-লানগী মবক্তা লাম্থেংনবগা পোখাদুনা লৈথোকপগী মহুত্তা মৈতৈ জাতিগী সংস্কৃতি শেমগৎনবগী নীংহন্নবা লৈতনা পুন্সি চেংজেল লোইশিল্লকপা মতম ফাওবদা হোৎনখিবা নিংথৌনি।

মৈদিংঙু নোংচুপ বাইবং পামহৈবা চৌবজিৎ মহাবাজগী সনা হাক্তক্তা ইবুংশি খুচুমবু দেবান হাপ্তুনা চৈবাপ্তা ফমহল্লি, শঙশাবোইগী শঙসু লিংদুনা হনজবা হিদংনচিংবা হাপ্লী।[৭০]

৬৮। মথক্কীসিদা, লাঃ ৬৫, ৬৬।

৬৯। খুলেম চন্দ্রশেখব (সম্পাঃ) *লোযযম্বা শিনযেন* (ইম্ফাল ঃ শ্রীমোইরাংথেম ইবোতোম্বী সিংহ, ১৯৭৫) লাঃ ৬৭, ৬৮।

৭০। *নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র* (সম্পাঃ) *ফমলোন* (ইম্ফালঃ মণিপুবী সাহিত্য পরিষদ, ১৯৮৭) লা ঃ ১৫।

মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তিনা অম্ভাং ওইনা নিংথৌ ফম্বাল তোংবা মতমদা লৈবাক্কী ভাব খুদিংমক মতোন ইবুংঙো নবসিংহ যুববাজনা পুবস্মী। মতম অদুদা শ্রীযুৎ সনা য়াথং হায়দোক্তুনা পাউনা পণ্ডিত য়াওনা চৈরাপকী ফমফমগী মতাংদা ৱাবেপ্লখিবা মতাং অমসুং ফম ফম মওঙ অদু অসুম্না ইরি ·

> শকাব্দ ১৭৫৬ চন্দ্রাব্দ ১০৪৬ চৈরাপকী ফমবৈ ফমশাংফম্বা মথক মখা থিনা হায়দোকখিবদি অহল্লুপ লাইফমগী অঙৌপানবনা লাঙজৈ ফমএ। যেত্তা সেনাপতি গুরু পণ্ডিত, খূবায়বাকপা, পুত্রনবা, মোইবাং নিংথৌ, বাজখ্বা, খ্বাইবাকপা, লাইফম লাকপা, অহল্লুপ লাকপা, লাইফম দেৱান, অহল্লুপ দেৱান, পাচ্চাহনবা, চন্দ্রসিদ্ধান্ত, হিযাংলোইহনজবা, শঙলেন লাকপা, পণ্ডিত কৈরুংবাহন, লাইবিকয়েংবা হনজবা, থাঙশূহনবা, তেনশূহনবা, লমলৈবাকপা, এন্দ্রেনহনবা, য়োইবেনহনবা, অশৈবাহনবা, লৈচোল লাকপা, খুন্দোং লাকপা, লাইবেন লাকপা, অচনবা, ওক্রনহনবা, নাকপ লাকপা, শিনাইবা হনজবা, থাঙজা হনবা, শামুহনজবা, ঈবাংলাংবা, ফমথকচা, দোলাইরোই হনজবা, উশাবা খুল্লাকপা অসি ফমএ। নহারুপ খাবমগী ওয়দা ৱাংখৈরাকপা, মন্ত্রী, নোংথোনবা, কত্তান, লুৱাংনিংথৌ, যাইস্কুল লাকপা, খাবম লাকপা, নহাকপ লাকপা, খাবম দেৱান, নহাকপ দেৱান, চোঙখানবা হনবা, শঙলেন লাকপা, পণ্ডিত, কৈকুংহনবা, চাংঙমনিংথৌ, চুংশূহনবা, উমু খুল্লাকপা, হুইদ্রোনহনবা, কৈক্রনহনবা, মাইবাহনবা, নাকপ লাকপা, ইমিংলোই হনজবা, অচনবী, শগোলহনজবা, হিশাবা হনজবা, নাইফাবাকপা, নাইখুবাকপা, অযেকপাহনজবা, মোইফেংবা হনজবা, অহৈবা হনজবা, কোনসাবা হনবা, যিশাবা হনবা, উনুংদা খুল্লাকপা, ফুবিৎশাবা খুল্লাকপা অসুম ফমএ।৭১

কুম্মৈ ফিযোংগী থৌবমদা অহল্লুপ লাইফমগী মবমদা অসুম্না ইবি

> অঙোম নিংথৌ, সেনাপতি, গুরু পণ্ডিত, খুবায়বাকপা, লুৱাং নিংথৌ, পুখ্রনবা, মোইবাং নিংথৌ, বাজখ্বা, খ্বাইবাকপা, লাইফম লাকপা, অহল্লুপ লাকপা, লাইফম দেৱান, অহল্লুপ দেৱান, পচ্চাহনবা, চন্দ্রসিদ্ধান্ত, ফৈদা শঙলাকপা, হিযাংলোই হনজবা, শঙলেন লাকপা, পণ্ডিত, ক্ষেত্রি শঙলাকপা, ফৈকংহনবা, ফৈদাহনজবা, হিনাউহনবা, লাইবিক য়েংবা

৭১। নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র (সম্পাঃ) *ফমলোন* (ইম্ফালঃ মণিপুরী সাহিত্য পবিষদ, ১৯৮৭) লাঃ ১৫, ১৬।

হনজবা, ক্ষেত্রি হনজবা, থাঙশূহনবা, তেনশূহনবা, লমলৈবাকপা, এন্দ্রেনহনবা, য়োইরেনহনবা, অশৈবাহনবা, লৈচোললাকপা, খুন্দোং লাকপা, লাইবেল্লাকপা, অচনবা, হীদাকফানবা হনজবা, শেলুংবাহনবা, ওক্রনহনবা, নাকপলাকপা, শিনাইবা হনজবা, থাঙজা হনবা, শামু হনজবা, ঈবাৎ লাংবা, ফমথকচা, কোনসাহনবা, অশৈবা হনজবা, অমেৎপা হনজবা দোলাইবোই হনজবা, উশাবা খুল্লাকপা।[৭২]

নাহাকপ খাবমগী ফমফমগী মতাংদসু অসুন্না ইরি

বাংখৈবাকপা, মন্ত্রী, নোংথোনবা, কত্বান, য়াইস্কুল লাকপা, খাবম লাকপা, নাহারুপ লাকপা, ফুঙ্গানাই, শঙলাকপা, খাবম দেবান, নাহারুপ দেবান, চোঙখানবা হনজবা, শঙলেন লাকপা, পণ্ডিত, কৈরুংবাহনবা, চাংঙম নিংথৌ, পানা হাজাবি, হিরুহনবা, চুংশূহনবা, উমু খুল্লাকপা, হুইদ্রোনহনবা, কৈক্রহনবা, মাইবাহনবা, নাকপলাকপা, ইমিংলোই হনজবা, অচনবী, পোৎশংবা হনজবা, শগোল হনজবা, হিশাবা হনজবা, নাইফাবাকপা, নাইখুবাকপা, অয়েকপা হনজবা, মোইফেংবা হনজবা, অহৈবা হনজবা, কোনসাবা হনবা, ফিশাবা হনজবা, উনুংদা খুল্লাকপা, ফুবিৎশাবা খুল্লাকপা, থোং হনজবা, ফৈদা হিদং, কৈকবা নাহা, পানা সত্বান, লৈমনাই কৈরুংবা, লৈকাই হাজাবি, লৈমনাই শেলুংবা শঙজাবোই হাজাবি।।[৭৩]

মৈদিংঙু নবসিংহগী সনা হাক্তক্তা মথক্তা পনখ্রিবা ফমশিং অমসুং শঙশিং অসিগী মনুং চন্দবা তোপ তোপ্পা 'গারোৎ' হায়দুনা শঙ অমা লিংখৎখি। শঙ অসিদা লৈবা ফমশিং অসিগী লাইপা লৈতে। মসি মিলিটরি শাসনগী মওঙ ওইবমগদরা হায়বসিনি।[৭৪]

মথক্তা নৈনখ্রিবশিং অসিদগী মৈতে লৈবাক্তা ঙসিদগী চহী লিশিং অনীগী মমাঙদগী লৈবাক অসিগী বায়েল থৌদাগী হীবমদা মশাগী ওইবা তোপ তোপ্পা লোয়শঙ অমসুং ফম কয়ামকম লিংখত্তুনা লৈজরকই হায়বসি খঙবা ঙম্মী। লোয়ননা অতোপ্পা লৈবাক্তা য়েংনরুবদসু চাং কবিমত্তা তাবা লৈতে। অসিগুম্বা বায়েল থৌদাগী মশক য়েংলুবগা মৈতে ঐ খোযনা চাওথোকচদবা ঙমদে হায়বদা হায়মনবা থোক্রোই।

৭২। নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র (সম্পাঃ) *ফমলোন* (ইম্ফালঃ মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ১৯৮৭) লাঃ ১৬।

৭৩। *মথক্কীসিদা*, লাঃ ১৭।

৭৪। মোইরাংথেম নরেন্দ্র, 'ফমলোন', খুলেম চন্দ্রশেখর (সম্পাঃ), *ফিদম বাবেং* (ইম্ফালঃ মৈতে ময়েক ওর্গেনাইজিং এণ্ড রিসর্চ এসোসিয়েশন, ১৯৮৪) লাঃ ৩৫।

তরুকশুবা পন্দুপ

লাল্লুপ অমসুং লৌচা

লাল্লুপ

লাল্লুপ কদাইবু কৌবগে হায়বগী মতাংদা পণ্ডিত নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্রনা অসূন্না হায়বি

> প্রজাশিংনা চহী অমগী মনুংদা থা অহুম হায়বদি নুমিৎ নিফুনিগী মনুংদা নুমিৎ তরানি নিংথৌগী (লৈবাক্কী) থবক তৌই। প্রজাশিংনা নিংথৌগী থবক শূবিবা অদুগীদমক মখোয়না অসূমন ফংদে। অসুম তৌনা লৈবাক নিংথৌগী থৌ পুবা অসিবু লাল্লুপ কাবা কৌই।[১]

নন্দলাল শর্ম্মানসু অসূন্না হায়বি

> শিন অমদা শিন্থাকুবগী অৱামলনা খাজনা ওইনা সবকাবদা পীবা পথাপ অসিবু লাল্লুপ কৌই।[২]

লাল্লুপ কাবগী থৌবম অসি কবম্বা মতমদগী হৌবকপগে হায়বগী মতাংদা *চৈথারোল কুম্বাবা*দা অসূন্না হায়বি

> শকাব্দ ৯৯৬ তা মৈদিংঙু লোইয়ুম্বনা নিংথৌ ওইএ। মহাকথক্তা লাইগা মীগা লাল্লুপ কাবম্বদগী মীনা লাকচদুনা লাইগী মথৈ মাঙখবে। মীদনা শিলহৌএ।[৩]

মথক্কী ৱাফমসিদা থন্নবা যাবদি মৈদিংঙু লোইয়ুম্বগী মমাঙদগী হৌনা লাল্লুপকী থবক অসি চৎনবকপগী মওঙ অমদি উবা ফংই। মহাক্কী মতমদগী মওঙ খবা হোংলকপা মাল্লি।

১। নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র (সম্পাঃ) *অৱিবা মণিপুরী লোনগৈ* (ইম্ফালঃ মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমী, ১৯৭৮) লাঃ ১৭৪।

২। নন্দলাল শর্ম্মা, 'মৈত্রবাক্কী লৈবাক ঙাকলোন , বি চিত্রেশ্বর শর্ম্মা অমসুং এন, কুঞ্জমোহন (সম্পা), *ৱাবেং-ৱাখল* (ইম্ফালঃ সম্পাঃশিং, ১৯৭৩), লাঃ ১২১।

৩। লাইরেনময়ুম ইবুংঙোহল অমসুং নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র (সম্পাঃ) *চৈথারোল কুম্বাবা* (ইম্ফালঃ মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ ১৯৮৯) লাঃ ৯।

অদুগা সাব ব্রাউনদি মৈদিংঙু *পাখঙবগী মতমদগী হৌদোকখিবনি হাযরি* -

> **The system of lallup was first introduced, it is said, in the reign of Pakhangba, and it has undergone little change.**[8]

কবম্বা মীওইনা চহী মতাং কয্যাদগী কয়া ফাওবা লাল্লুপ কাগদগে হায়বগী মতাংদা চহী তরাতবেৎতগী হুম্ফু ফাওবগী চহী মতাংগী নিপা মখৈ লাল্লুপ কাবগী থবক অসি তঙাইফদনা তৌদবা যাদ্রবা লৈবাক্কী ৱাবেপনি। কবম্বা মীওইনা কবি থৌ ওইনা লাল্লুপ পুগদগে হাযবগী মতাংদা টি সি হোদসন্না অসুম্না হাযবি -

> The immediate family of the 'Peepa', or head of the Tribe, is not called upon to perform any heavy duty Its post is near the Raja, acting as 'Ningthou Selba' or personal attendants The family next in seniority has a heavy duty to perform in the 'Laikai' The third has the 'Lalmee', and the fourth the 'Sungsaroi' The lalloop of the second and fourth families works generally in unison Their chief duty is to make houses and bridges for which they cut and bring the materials [৫]

মথক্কী ৱাফম অসিনা তাকপদি যুমথোং অমদা মচানিপা ময়াম পোক্লবদি মচা অহন পিবানা নিংথৌগী মনাক্তা লৈদুনা নিংথৌ শেনবগী থবক তৌই। অনীশুবা মচানিপানা লৈকাইগী শিল্পা হাযবদি লম্বী-থোংনচিংবা শেম্বগী থবক তৌই। অহুমশুবা মচানিপানা লাম্মী ওই অমসুং মরিশুবা মচানিপানা শঙশারোই ওইনা থবক তৌই। মচানিপা অনীশুবা অমসুং মরিশুবগী শিল্পা অসি মান্নে হাযনা লৌবা যাই। মখোযগী মক ওইবা থৌদাংদি যুম-থোং শেম্বা অমসুং মদুগী মচাকশিংসু কক্লুনা পুবকপগী থবক তৌই।

লাল্লুপ কাবগী থবক অসি মণিপুরদা লৈরিবা ব্রাহ্মণ পাঙনচিংবসু কাবম্মী। ব্রাহ্মণশিংনা গোবিন্দগী সেবা অমসুং নিংথেমগী পূজাবিনচিংবগী থবক তৌই। অসুম্না ব্রাহ্মণ পাঙননচিংবশিংনা লাল্লুপ কাবম্মী হায়বগী মতাংদা T C Hodson না অসুম্না ইবি

> The persons liable to duty under the lal-lup system were the Meitheis, The Brahmins, and the

৪। আর ব্রাউন, *ষ্টেটিষ্টিকেল একাউন্ট ওফ মণিপুর* (দিল্লী সংস্করণ প্রকাশক, ১৯৭৫), লাঃ ৮৩।
৫। টি সি হোদসন, *দি মৈতৈজ* (দিল্লীঃ লো প্রাইস পাব্লিকেসনস, ২০০৩) লাঃ ৬৩।

Musalmans, who are called Pang-gans Nagas and Lois are subject to much heavier duty, and with them work the Keis, or slave communities [৬]

লাল্লুপ কাবা যাববা নিপা অমনা চহী অমদা নুমিৎ ৮০নি লাল্লুপ কাগদবনি। চহী অমদা নুমিৎ ৪০গী মতুপ ৮ থোক্লা খাযবগা নুমিৎ ৪০নিগী মতুপ অসিগী মনুংদা নুমিৎ ১০নি লাল্লুপ কায়। ১০নিগী লাল্লুপকী থৌদাং লোইবগা যুমদা কুম্লকুনা থা অমা লৈবগী খুদোংচাবা লৈ।[৭] লাল্লুপকী থৌদাং কোকপা হায়বদি কাদ্রবসু য়াবা মশক নাইবা মীশক খবা লৈ। মদুদি- সনামতৈ, লৈমা মতৈ, সনাগী মচা, শীজপাম মখোয় অসি লাল্লুপ কানদে, মখোয়দি অপাম থৌগল ওইনা কায়। অচৌবা মশক নাইবা ফম্নাইবগী মচা মশু নিংথৌমচানচিংবদি লাল্লুপ কাদে, থৌ কোক্লবম্মী, মেজবগী মচা-মশু, সুবেদাবগী মচা ফাওবা লাল্লুপকী থৌ অসি কোকই।[৮]

লাল্লুপকী থৌগী মতমদা চৎনগদবা নীতি নিযম কযামকম লৈ, মদুদি- খুন্দিন, চীংজিল লাংবন থৌকাইবা, পলেমলাং পষ্টোলাং কাইবা, অকা-অকুম থিংবা অসিনচিংবা।

খুন্দিন - লাল্লুপ পুবকপা ৯নি শুবকপা নুমিত্তা পালি পুবিবা মীশিংনা নোংমদুগী শিঙ্খা লোইববা মতুংদা লাল্লুপনচিংবগা লোযননা লোযশঙদা ফম্মিন্নদুনা বা তানৈ, অসুন্না বা তান্নবা অসিবু খুন্দিন কৌই। লাল্লুপ থৌদাং লৌহৌগদবা মীশিংগী মনুংদা কনাগুম্বনা অশি-অনা যাওদুনা হেনফদবদগী পালি পুবা ঙমলোইদৌবে হাযজবক্লবদি খুন্দিনদা থন্নদুনা লাল্লুপ কাদবা যাই। অসুন্না মবম চানা লাল্লুপ কাদ্রবদি মদুগীদমক বাকোংবা অমসুং চৈবাক লৈতে। কবিগুম্বাদা মবম চাদনা লাল্লুপ কাদ্রবদি বাকোংই। খুন্দিনগী মীফমদা যাওদুনা লাল্লুপ কাবা মীশিংগী মবক্তা লাল্লুপ কাবা ঙমলোইদৌবিবা নিপা অদুগী লাল্লুপ শিঙ্খা অদু হনগৎকেবা হাযনা হংই। মদুদা কনাগুম্বনা হনগৎচগে হায়ববদি পুখগদবা লাল্লুপ অদু ফুকৎহল্লি অমসুং ফুকৎপগীদমক লৈবাক নিংথৌনা ফুকৎলিবা নিপা অদুদা অহেনবা শিঙ্খা পাযখিবগীদমক শেল ওইনা অবামন পীবি।

চীংজিল লাংবন থৌকাইবা - লৌ লোকপগী মতমদা লৌমীশিংগী খুদোং চানবা হাযদুনা লাল্লুপকী কাঙলোন খবা কোমথোকপী। বাকোংশেল পীবগা লাল্লুপ কাদবা যাবগী

৬। *টি সি হোদসন, দি মৈতৈজ (দিল্লীঃ লো প্রাইস পাব্লিকেসনস, ২০০৩)* লাঃ ৬০।

৭। *নন্দলাল শর্মা, 'মৈত্রবাকী লৈবাক ঙাকলোন', বি, চিত্রেশ্বর শর্মা* অমসুং এন, কুঞ্জমোহন *(সম্পা), বাবেং বাখল (ইম্ফালঃ সম্পাঃশিং, ১৯৭৩)*, লাঃ ১২১।

৮। নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র (সম্পাঃ) *অরিবা মণিপুরী লোনগৈ* (ইম্ফালঃ মণিপুর স্টেট কলা একাদেমী, ১৯৭৮) লা ঃ ১৭৫।

মওঙভদি নত্তে। অসিগুম্বা লৌবোক পাম্বাদা লাল্লুপকী কাঙলোন খবা কোমথোকপা অসিবু চীংজ্জিল লাংবন থৌকাইবা হায়বগা খঙনৈ।

পলেমলাং পম্ভৌলাং কাইবা - মসি লাল্লুপকী য়াম্না মরুওইবা কাঙলোন অমনি। লাল্লুপ কাগদবা নিপা অমনা মাগী কাগদবা লাল্লুপ অদু অহানবা পুখবদগী হেন্দোক্লুনা অনীবক সুনা পুখবক্লবদি অহানবগী লাল্লুপ পুখবগী রাকোংশেল অদুগী তম্থায় অমা হেন্না পীগনি। অদুগা পুখবিবা লাল্লুপ অনীমক নিপা অমতনা ফুকৎপা তাববদি অহানবা লাল্লুপ ফুকৎপগী অরামলগী তম্থায অমা হেন্না ফংই। মসিবু 'পলেমলাং পম্ভৌলাং কাইবা' কৌই।

অকা-অকুম থিংবা - মৈতৈ লৈবাক্তা তোঙান তোঙানবা লোযশঙ কযামকম লৈ। লোযশঙ খুদিংমক্কী তোঙান তোঙানবা শিন্মীশিংনা মখোয মখোয লাল্লুপ কাবগী তঙাইফদবা লৈ। কবিগুম্বা লোয়শঙ অমদা লাল্লুপ কাবিবা কাঙবু অমনা মখোযদা শিন্নবা থবক লোইবা ঙমদ্রবদি অতোপ্পা লোযশঙদগী লাল্লুপ কাবিবা শিন্মী রাযদুনা থবক অদু লোইশিন্নবা তৌই। অসূন্না খূৎলং পাংলবিবা লোযশঙ অদুদা খূৎলং নেক্লিবা লোযশঙ অদুনা মতম চাবা যেংদুনা খূৎলং অমুক শিংজিল্লি। অসূন্না খূৎলং লৌথোক লৌশিন তৌবগী মওঙ অসিবু 'অকা অকুম থিংবা' কৌই।

লাল্লুপসু কাবা রাসাসু শাবা - কনাগুম্বা নিপা অমনা মাগী কাফম থোকপা লাল্লুপকী থৌদাং অদু মাগী লোযশঙ অদুদা কাবা ঙম্লবোই হাযনা পাউ পীদ্রবা নৎত্রগা ৯নি খুন্দিনদা হাযজদনা লাল্লুপ কাদ্রবদি চৈবাক্কা লোযননা রাকোংশেল অমসুং মাগী কাহৌদ্রিবা লাল্লুপ অদু অমুক ফুকত্তুনা কাবগী মথৌ তাই। মসিবু ''লাল্লুপসু কাবা রাসাসু শাবা'' কৌই। মসি থোক্তনবা নিপা খুদিংমক্কা মাগী মাগী লাল্লুপকী মতমদা চেকশিন্নৈ।

লৈবাক নিংথৌনা লাল্লুপকী অকূপ্পা পথাপ অসিবু ঙাক্লা চৎনহন্নবা লোযশঙ অমমম লিংই, মসিগী মমিং কৈরুংবা যাবেকশঙ নৎত্রগা খুন্দিন শঙলেন কৌই। লোযশঙ অসিগী শঙলাকপবুনা লাল্লুপচিংবা কৌই।[৯]

লৌচা –

মণিপুরনা মশাগী নীংতম্বা মাংদ্রিঙৈ, নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতমদা লম পূম্নমক নিংথৌগীনি। মতম অসিদা নিংথৌনা প্রজাশিংদগী ইংখোলগী খাজনা লৌবমদে, লৌগী খাজনাদমক লৌবম্মী। নিংথৌনা লৌ ইংখোলগী মবমদা য়েংশিন্নবা অঙম্বা ফম্নাইবা

৯। *নন্দলাল শর্ম্মা*, 'মৈত্রবাক্কী লৈবাক ঙাকলোন', বি, চিত্রেশ্বর শর্ম্মা অমসুং এন, কুঞ্জমোহন (সম্পা), *রাবেং-রাখল* (ইম্ফালঃ সম্পাঃশিং, ১৯৭৩), লাঃ ১২৩।

কয়ামরুম হাপতুনা মসিগী লোয়শঙ অমা থম্লম্মী। লোয়শঙ অসিগী মকোক ওইবা ফম্নাইবা অদুবু লৌরুংপুবেন কৌই। নিংথৌনা প্রজাশিংদগী লৌখৎপা লৌগী খাজনা অসি শেল ওইনা লৌবগী মহুত্তা ফৌ ওইনা লৌবম্মী। কবিগুম্বদা খাজনা অদু মতম চানা পীবা ঙমদদুনা থেঙনা পীবা তাববদি মাগী পীফম থোকপা ফৌগী মমল অদু মতম অদুদা পীনবিবা মমল অদু ফৌকংবা লাক্লগা লৌনবম্মী। অসুন্না লৌগী খাজনা লৌরিবা অঙম্বা অদুবু ফৌকংবা কৌই।

মণিপুবদা লৈবিবা লৌ অসি মওঙ অনী থোক্লা লৈ, মদুদি - **খাজনা লৌদবা লৌ অমসুং খাজনা লৌবা লৌ**। খাজনা লৌদবা লৌশিংদি - (১) নিংথেম মশাগী লৌ, নিংথৌ মচা-মশূ অমসুং ইমুং মনুংগী লৌ, (২) ব্রাহ্মণগী লুগুণ লৌ, (৩) সিফাইগী লৌ, (৪) মনা ওইনা পীবা লৌ, (৫) পাঙ্গল লৌ অমসুং (৬) লাইগী লৌ। অদুগা খাজনা লৌবা লৌশিংদি - (১) ফমলৌ, (২) থৌনাবৌ নৎত্রগা তৌনবৌ, (৩) সবকাবী।[১০]

খাজনা থীদবা লৌশিং -

(১) নিংথেম মশাগী লৌ নৎত্রগা মাগী ইমুং মনুংগী লৌ — নিংথৌনা লৌবা বাণীশিংম্বী লৌ, নিংথৌগী মচিন-মনাওগী মিংদা পানবা লৌ, মজাইবুংঙোশিংগী মিংদা পানবা লৌ, মজাইবুংঙোশিংগী নুপীশিংগী লৌ, মজাইবেম্মাশিংদা উন্বা লৌ অসি খাজনা লৌদে। নিংথৌগী মজাইবেম্মা খুদিংমক হেক লুহোংবদা খাজনা থিদবা লৌ পবি ২৫ উল্লম্মী। মসি পাল্লি-পাল্লিবা নিংথৌ অদুতগী নত্তনা হান্না পাল্লম্বা নিংথৌশিংগী মজাইবেম্মাশিংসু অদুম ফংলম্মী। অসিগুম্বা খাজনা থিদবা লৌচাশিং অসিবু "খবপোষ লৌ" হায়না খঙনৈ। নিংথৌগী মজাইবেম্মাশিংগী লৌ পবি কুনমঙা অসিদগী অহেনবা নিনবা নৎত্রগা লৈবা তাববদি মদুগী খাজনাদি থীবা তাই।

(২) ব্রাহ্মণগী লুগুণ লৌ — মণিপুবদা লৈবিবা ব্রাহ্মণশিংবু লৈবাক নিংথৌনা যান্না লুনা তৌবিবম্মী। ব্রাহ্মণ খুদিংমক লুগুণ হেক থাংবগা নিংথৌনা খাজনা থিদবা লৌ পবি অমা পীবি। মসি নুংশি-চানবগী মতুং ইন্না কনাগুম্বা ব্রাহ্মণদা হেন্না পীবসু যাওই। অসিগুম্বা লৌ অসি ব্রাহ্মণ অদুনা কনাগুম্বা অমদা যোনথোকপা যাদে। ব্রাহ্মণ অদু শিবগা নিংথৌনা অমুক লৌখৎলি। ব্রাহ্মণ অদুনা মযুম মকৈ পাল্লম্বা ওইববদি মাগী মতু-মচাগী লৌবাক অমা খাক্লগা অবেম্বা লৌ অদু লৌখৎলি। অসুন্না ব্রাহ্মণনা লুগুণ থাংবগা নিংথৌনা লৌ পবি অমা পীবা অসিবু ব্রাহ্মণগী লুগুণ লৌ হায়না খঙনৈ।

১০। নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র " অঙনবা মতমগী মণিপুব " নোংমাইথেম তোম্বী অমসুং থোকচোম ইবোহনবী (সম্পাঃ) *মণিপুবী সাহিত্যগী ইতিহাস* (ইম্ফাল ঃ মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ২০০১) লাঃ১৭।

(৩) সিফাই লৌ — নিংথৌনা মণিপুরগী সিফাইশিংবু থাগী তলব শেল ওইনা পীবগী মহুত্তা লৌ ওইনা পীবন্মী। কনাগুম্বা সিফাই অমনা মচানিপা অমা নৎত্রগা খবা পোক্লন্নগা শিখিবা থোক্লবদি মাগী ইমুং মনুংগী চানবা (পেন্সনগুন্না) লৌবাক অমা খাকপিরন্নগা অতে অরেম্বা লৌ অদু নিংথৌনা লৌখৎলি। মচানুপীগুক্তা পোক্লবদি লৌ পুন্নমক লৌখৎলি। মণিপুরগী লাম্মীশিংদা নিংথৌনা ফমগী অচৌ-মচাগী মতুং ইন্না লৌ পীবন্মী। মেজব অমনা মহাক্লা পুবিবা কম্পানী মশীংগী মতুং ইন্না কম্পানী খুদিংগী লৌ পবি অমমম পীরন্মী।

পোইলা অমদা লৌ পবি ৬ পীবন্মী। সুবেদাব অমদা লৌ পবি ৪ পীবন্মী। জমান্দাব অমদা লৌ পরি ৩ পীবন্মী। কুৎ অমদা লৌ পবি ২১/২ অনীমবাকপীবন্মী। হবিলদাব অমদা লৌ পবি ২ পীবন্মী। আমোন্দাব অমদা লৌ পবি ১৩/৪ (অনীদগী শঙম তাবা) পীবন্মী। কোথোন্দাব অমদা লৌ পবি ১১/২ (অমা মরাক) পীবন্মী। সিফাই অমদা লৌ পবি ১১/৪ (শঙম মত্তা) পীবন্মী।[১১]

(৪) মনা লৌ — খাজনা থীদবা লৌশিংগী মবক্তা মনাবৌ অসিসু অমনি। মসি নিংথৌনা কনাগুম্বা অমদা মহাক্লা হেন্দোক-থোইদোকপা করিগুম্বা থবক অমা তৌবকপগীদমক পীবা লৌনি। মনাবৌ অসি ফংলিবা মীওই অদুনা শিববদি নিংথৌনা অমুক লৌখৎলি। কবিগুম্বা মচা-মশুনা অদুম চাজগে হায়ববদি চহী অমদা পবিদা ফৌপোৎ ১২ দগী হেন্দনা খাজনা পীবগা চাবা যাই।

(৫) পাঙ্গল লৌ — মসিসু মনাবৌ মখল অমনি। অদুবু মসিনা থোইদোক্লা অকন-অথৌ, থৌনা লিংজেনগী লমদা হায়বদি শা-লান্দা মযামদগী থোইদোক-হেন্দোকপা থবক, নিংথৌবু কনবনচিংবদা নিংথৌনা পেন্দুনা পীবা মনানি। মসিদি ফংলন্নিবা মী অদুনা শিববফাওবদা মাগী মচাশিংনা ফংহৌই।

(৬) লাইরৌ — মৈতৈ লৈবাক্কী নিংথৌ খুদিংমক লাইবু যান্না থাজবা ভক্তি লৈবা ঙক্তনি। মবম অদুনা নিংথৌনা লাইগীদমক লৌফম কযামুক কৎথোকই। মসিগী খাজনা অমুক লৌখত্তে। মসিবু লাইবৌ হায়না খঙনৈ। মণিপুরদা শ্রীশ্রী গোবিন্দ লিংখৎপা মতমদা গোবিন্দগীদমক হায়দুনা নিংথৌনা চবাংপাৎ, থিনুংগৈ, নিংথৌখোং, উযান্নচিংবা মফমদা লৌফম কয়ামবোম কৎথোকই। মসিগী লৌশিং অসি কৈ (মীনাই) শিংনা উই।

১১। *নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র " লম", সাহিত্য ৪০-৪১* শুবা মশীং (ইম্ফালঃ মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ,) লাঃ ৯, ১০।

খাজনা থীবা লৌশিং

(১) ফমলৌ — মৈতৈ লৈবাক্তা ফন্নাইবা কয়ামকম লৈরম্মী। নিংথৌনা মখোয়গীদমক্তা তলবকী মহুত্তা যান্না লীকপা খাজনাদা পবি অমদা ফৌ পোৎ অমা চহীদা পীবা তাই। হাযবিবা পীফম থোকপা খাজনা অসি থা ১২গী মনুংদা পীদ্রবদি ফৌকংবনা নিংথৌদা হঙ্গৎলগা সনাযাথং মতুং ইন্না ফৌকংবনা খাজনা তোনবা অদু ফাগৎলগা মতম মতমদুদা চৎনবিবা ফৌগী মমল অদু শেল ওইনা থিহল্লি। কবিগুম্বদা মসি ফাওবা পীবা ঙমদ্রবদি লৌ অদু লৌখৎলি। চৈবাপকী ফন্নাইবা অঙম্বশিং অসি ফমলৌ চাবম্মী।

(২) তৌনবৌ — মসি মখল অনী থোক্লা লৈ। মদুদি - (ক) মী অমদগী মমল পীদুনা লৈক্লগা চাবা। (খ) লৌ নিনবা হাযবদি উমঙ কোক্লগা লৌফম শেমজবগা চাবা। লৌ নিনবা অসিসু নিংথৌদা হাযজবগা নিনগদবনি। অসূন্না লৌফম শেমজদুনা চাবকপা চহী অহুম শুবকপা মতুংদগীদি মহাক্না চাবিবা লৌফম অদুগীদমক লৌ পবি অমদা চেঙ ওইনা চেঙকোক তরুক খাজনা পীগনি। খাজনা অসি থা ১২ গী মনুংদা পীদ্রবদি লৌফম অদু শত্তোকপা যাই। অসিগুম্বা চেঙ ওইনা লৌবগী খাজনা অসি শেল ওইনা লৌবসু যাই, তৌবতবু মতম মতমদুগী চৎনবিবা চেঙগী মমলগী মতুং ইন্না পীবা তাই।

নিংথেম লৌ নৎত্রগা সবকারী — মণিপুরগী নিংথৌগী লন্নাই লৌ কযামকম লৈ। মসিবু নিংথেম লৌ নৎত্রগা সবকারী হাযনা খঙনৈ। মসি মীনাই ফুঙ্গা নৎত্রগা অতোপ্পা মীনা উই। মীনাই ফুঙ্গানা উববদি লৌ পবি অমগা মবাক উহল্লি। অদুগা লৌ উবদা চঙগদবা পোৎ শন্নচিংবা খুৎশু-খুৎল্যু লাঙ্গোন্নচিংবা পূন্নমক পী। অদুগা মপুদা ফৌপোৎ ৪০ (নিফু) পী। অতোপ্পা মীনা উববদি লৌ পবি অমদমক উহল্লি অদুগা মপুদা ফৌপোৎ ৩০ পী। অতোপ্পা মীদা শান্দোক্নুনা উহল্লবদি চহীদা লৌ পবি অমদা লৌশাল ওইনা ফৌপোৎ ১২ পী।

শনজাবুং — নিংথৌনা শনজাবুংগীদমক্তা খাজনা লৌদে। কনাগুম্বগী শনজাবুংদা কৈনা শন শোক্লবদি খুন অদুগী মীশিংদা লুপা ১০ ৱাকোংই। কনাগুম্বনা শনজাবুংদা লম খোপচিল্লক্লবদি খুনগী মীশিংনা অহানবদা লৌকংবদা ৱাকৎলি, মদুদা পেন্দ্রগা নিংথৌদা অমুক ৱাকৎপা য়াই। অতোপ্পা খুন অমগী শন্না অতোপ্পা খুন অমগী শনজাবুংদা লাক্লুনা চাববদি অহানবদা হায়দুনা য়েংগনি, মদুদা যাদ্রবদি শন অদু ফাবগা শনলূংবদা পীদুনা ৱাযেলহনগনি।

খাজনা লৌখৎপা — লৌ পান্নবশিংনা মখোয মখোয়গী খুন খুনগী খাজনা লৌখৎলগা কৈদা থম্মী। ফৌ অদু লৌকংবনা শীজিন্নগদবা মতমদা কৈদগী লৌখৎলি।

লৌমীশিংদা পুখহৌবা লৌফমশিংগীদমক্তা খাজনা লৌবকপা মতমদা নিংথৌনা মথোই লৌদে। অতোপ্পা খুন্নক্কী মীনদি মথোই লৌবা চৎনৈ।

মণিপুবদা চৎনবা লৌগী পথাপ -

লৌশেল অনীনা তোং অমা।
তোং অনীনা লৌখায় অমা।
লৌখায় অনীনা শঙম অমা।
শঙম অনীনা লৌবাক অমা।
লৌবাক অনীনা পবি অমা।[১২]

১২। নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র " লম", *সাহিত্য* ৪০-৪১ শুবা মশীং (ইম্ফালঃ মণিপুবী সাহিত্য পরিষদ,) লাঃ ২৫।

তরেৎশুবা পন্দুপ

ফিশা-লোনশা অমসুং ফিজেৎ-লৈতেং

মৈতৈ লৈবাক্তা য়াম্না ভল্লিগে মতমদগী হৌনা ফিশা-লোনশাগী, মচু-মমেলগী হীরমদা খুমাং চাওখৎলম্মী হায়বসি মৈতৈগী অরিবা লাইরিক কয়াদগী খঙবা ঙম্মী। মদুদি মালেম লৈশেম্বা লোইরবা মতুংদা শাগী মউন, অপাবা উকু, উরী-বারী উনানচিংবনা শেমদুনা হকচাং কায়াৎশিং কুপ্পুনা শেৎনরম্মী। মসিগী মতুংদা লৈশীবেল লৈপূনবীনা হৈবোঙলৈমা ফিঙম্বী অমসুং সনা খোংনাং লৈমা লাইবেম্বী অনীদা ফি শানবা য়াথং তৌখি। অসুম্না লাইবেম্বী অনীনা লশিংদগী লং লৌদুনা ফৈবাক্তা মবী-মবী তাদুনা 'লং' পুথোকখি। মথংগী লাংওনদা কপত্রেং, হুইত্রি, কাংবোন পোলাং পুথোক্তুনা লং লৌবগা খ্বাংদা ফি শাবা হৌদোকখি।[১] মসিগী মতুংদা ৱালকাপ্পানা খাকি (চিন) নিংথৌগী মমোম ঔবিনুবু লৌই। ঔবিনুনা মৈতৈ লৈবাক্তা লাক্লগা মোইথাপ নাইদুনা, তবেংদা লং নাইদুনা য়োংখমদা ফি শাবা লৈবাক মীযামদা তম্বীখি। ঔবিনু অসি নিংথৌ ককশুবগী মমানি।[২]

মণিপুবদা নিংথৌ অঙম-অথৌ ফম্নাইবশিংগী শমজিন মনাফি থোক্লকখিবগী মতাংদা তোঙান-তোঙনবা লাইবিক কয়ামকমদা পল্লম্বা থেংনৈ। মদুদি - লাইস্নানা ফৌবা ফৌগী মথক্তা পাখঙবনা লিন ওইনা শায়োন্দুনা ফৌগী মথক্তা লৈববদা লাইস্নাগী মচানিপা খুয়োই তোমপোক্লা থাঙজ তবেৎ চংনা শাখিবা লোংনা লিনগী লবাইদা মপানি খঙদবদগী থিন্দুনা হাৎখি। লাইস্নাগী মঙলান্দা ফাওবকপদগী মপুবোইবনি হায়না খঙলকখি অমসুং মঙলান্দা পাখঙবনা হায়বম্বা মতুং ইন্না লাইস্না অমসুং মচানিপা খুয়োই তোমপোক্লা লৈবাক্পী পণ্ডিত মবিং হনুবা নহাঙম্বা মতৈ-মনাওনচিংবগা তান্নবগা নিংথৌগী মনাফি, নীংখম শমজিন, লমথাং খুলক, খামেন চম্নচিংবা কয়ামকম লিনগী মশক্তগী লৌদুনা শাখি।

লিনগী মশোংগী মওঙ লৌদুনা কোয়েৎ শমজিন তুংদা তাবা মতোন অপাকপা ওইনা শেমখি। লিনগী মথাগী মওঙদগী খদাংয়েৎ মবী মতোন্দা তানবা থবাক কুপ্পবা মবী মতোন অপাকপা ওইনা শেমখি। শমজিন কোয়েৎ য়েৎনবা মবী অসি লিনগী

১। ফুরাইলাৎপম ইবোতোন শর্মা *মীতৈ ফিজেৎ লৈতেং* (ইম্ফালঃ অইবা মশা, ১৯৯০) লাঃ ৩২, ৩৩।

২। চোংথামচা ভাবা (জয়) (সম্পাঃ) *মায়েম লৈসেগ্রোল অবিবা (অহানবা অমসুং অনীশুবা শরুক)* (ইম্ফাল থিংবাইজমচা টুতেশ্বর, ২০০০), লাঃ ১৮৭।

ময়াংলেন্দগী লৌবা ময়েক্তি হায়না লৌনৈ। মসিগী মবী অসিগী মওঙ নৎত্রগা ময়েক অসি অহুম থোক্লা শেমখি। মদুদি - (১) থম্বাল ময়েক, (২) য়েল্লিন ময়েক নত্রগা মালতী ময়েক অমসুং (৩) খোই অকোনবী ময়েক। লিনগী মমৈগী ময়েক্কী মওঙ লৌদুনা নিংখুম নৎত্রগা নিংখম শেমখি। মসিগী ময়েক মওঙ অসি অনী শুই । মদুদি - (১) ফাত্তুপ ময়েক। (২) খোইজাও অকোইবী ময়েক। ফাত্তুপ ময়েক অসি নিংথৌ নত্তবা মীনা শেৎনদে, নিংথৌনা শমজিন শেৎলকপা মতমদা নিংখম ওইনা হাপনৈ। লিনগী মবুক্কী অবাংবা ময়েক্কী মওঙ লৌদুনা লমথাং খুলক শাখি। মসি শীজিন্নবা মীওইদি সনা, লৈমা, নিংথৌনা মনা ওইনা পীবা কাওবুশিংনা শীজিন্নৈ। লিনগী মশাগী অরাংবগী ময়েক্কী মওঙ লৌবগা খামেন চপ্পা পুথোকখি। খামেন চপ্পা অসি কামুচপ্পা হায়নসু খঙনৈ। মসি নিংথৌগী মনাফিগী মনুংদা লৈ। নিংথৌনা মনা ওইনা খুদোল তৌখ্রবা নৎত্রগা ফংলবা মীওইশিংতনা মসি শীজিন্নবা য়াই।[৩]

নিংথৌ ফি শাখিবগী মতাংদসু মৈদিংঙু খুয়োই তোমপোক সনা হাক্তক্তা য়ানফক ফুবিৎ শাখি। অদুগা মৈদিংঙু নাউফংবগী সনা হাক্তক্তা কোবীনা শীংমিৎ ওইনা শীং খন্দ্না শাখিবগী মতাংদা "নিংথৌ ফি শাবা" হায়বা লাইবিক্তা অসূম্না ইবি

> অকো ফিশা হনবনা চবৈ নিংথৌফ্রিবু শংদিং ফিহৌতম কত্রং চাচু লংনা লংলা খাদা থা, অঙৌবনা থক্তা থোং অমুবা য়ায়দা লাং মেমানবনা তুবী য়েকসোনলৌ শীংখন লৌ থাঙলেন যাইওইবনা কোরীতুবান লোন্না তুবী য়েকপু য়েক শোয়দ্রবগী লাইবেন নাউফংবদি তুবী পুকনীং হবাউথোইখিএ।[৪]

মৈদিংঙু লোইযুম্বগী মতমদসু চবৈ ফিশাহনবনা নিংথৌফি শাখিবগা লোয়ননা সনা হাক্তক অসিদদি মৈতৈ লৈবাক্তা চৎনবম্বা মৈতৈনা শাবা ফি অসি মওঙ মখল কযামকম লৈবম্মী হায়বসি *লোযযম্বা শিনযেন* কৌবা লাইবিক্তগী খঙবা ঙম্মী। মদুদি - ১। মুংফি, ২। চিনফি, ৩। লাইফি, ৪। য়ানা কদংফি, ৫। লাইফি তোংকাপ, ৬। ফিবেন, ৭। লংদোমফি, ৮। য়াবোংফি, ৯। চামি ফি, ১০। তোংকাপফি, ১১। শাবোংফি, ১২। লৈব্ধমফি, ১৩। দোলাই কুপফি, ১৪। দোলাই থানাফি, ১৫। ফৈবোই ফি, ১৬। হৈকোয়ফি, ১৭। শীংখনফি, ১৮। লাইয়েকফি, ১৯। পুকমফি, ২০। ফাকংফি, ২১। তবাউফি, ২২। পুমথিৎফি, ২৩। ফিমুযেক পাংয়োংফি, ২৪। নোংফি, ২৫। খুনুং মুগুমফি, ২৬। খুনুং চুমখনফি, ২৭। চীংখোঙফি

৩। ফুরাইলাৎপম ইবোতোন শর্মা, *মীতৈ ফিজেৎ লৈতেং* (ইম্ফালঃ অইবা মশা, ১৯৯০) লাঃ ৪৯ - ৫৩।

৪। "নিংথৌ ফি শাবা" খুৎই লাইরিক, ফংফম নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র, উরিপোক, ইম্ফাল।

ফিমু, ২৮। ফিমু লালফি, ২৯। খুনুং মাথংফি, ৩০। কবৌফি ফিভাঙ, ৩১। সঙমু লাংমুফি, ৩২। খাঙ্গং, ৩৩। সঙমু লাংমু ফি, ৩৪। থাংলি অসিনচিংবা।[৫]

মৈতৈ লৈবাক্তা নিংথৌ পাল্লিঙে মতমদা চৎনবম্বা নিপাগী ফিজেৎ মওঙ অসি তবেৎ থোক্লা লৈবম্মী। মদুদি - ১। খ্বাঙলী লাইখন, ২। হুইত্রি খুবৌ নৎত্রগা নিংগ্রি, ৩। অকোযবী মতেক নামৈ যেপ্তবী, ৪। কপত্রেং ফিজেৎ, ৫। শামু নাতোন লাইখন (কুম্ভা) থাদবী, ৬। থৌগন ফিজেৎ লাইখন (কুম্ভা) য়েপখৎপি, ৭। থামেন চপ্পা শেৎপা।

১। খ্বাঙলী লাইখন - মসি শেৎপগী মওঙদি খ্বাঙদা থৌবিগী মওঙ মানবা মবী অমা কিবগা কাপ অমা খবা হেন্না পাকপা, খুদুপ মবিদগী মঙা ফাওবা শাংবা ফি অমনা খোয়দৌ মপাদা লোনশিন্দুনা যেপ্লগা ফি মচী অমনা মাঙলোমদগী তুংলোমদা নামৈ ওইনা য়েপকনি, ফিজিন অমনা মাঙদা খুউ য়ৌগদবা খবা ম্বাৎনা লাইখল তাহনগনি। অসুন্না শেৎপা ফিজেৎপু খ্বাঙলী লাইখল হায়না খঙনৈ।

২। হুইত্রি খুবৌ নৎত্রগা নিংগ্রি - খুদুপ মবি মঙামুক শাংবা পীক্তক তৌবা ফিনা খ্বাঙদা কোয়না তাশিল্লগা নীঙগী মপাদা কিবগা নীঙ কাবক্তা পুবক্তুনা মাঙগী খোযদৌ মপাদা লোনশিল্লগা কীশি কিগনি। মসি মুক্লা, মুক্লা কাঙজৈ, লাক্ল-ফানবা মতমদা শেৎলি।

৩। অকোয়বী মতেক নামৈ যেপ্তবী - মসি ফি খুদুপ অহুম-মবি শাংবা, পাকপনা খ্বাঙদগী খুউফাওবা পাকপা ফিনা য়েৎকী খ্বাঙ মপাদা ফিবান অনী কিবগা ফিবান ফিজিন অমনা খোয়দৌ মপাদা য়েপকনি। মসিগী ফিজেৎ অসি থবক্কী মতুং ইন্না মক্ম পুম্বদা শেৎপা য়াই।

৪। কপত্রেং ফিজেৎ - মবাক্লা খ্বাঙদগী খোঙমিৎ ফাওবা পাকপা, ময়ুংনা খুদুপ নিপান-মাপনমুক শাংবা ফিগী ফিবান্না খ্বাঙ কোয়রগা ওয়দা লৈবা ফিদোন্না য়েৎকী খ্বাঙ মপাদা য়েপ্লগা ফিদোন মচিন্না খোঙমিৎ য়ৌবা ফাওবা চোন্না থন্নগা কবাঙদা পুখৎলক্তুনা নীঙগী খ্বাঙ মপাদা য়েপশিল্লগা নামৈ অদু ওয়গী নাকন্দা পাক্লা শন্দোক্তুনা থমগনি। খ্বাঙয়েৎকী মপাদা লৈহৌবা অশাংবা ফিদোন অদু খ্বাঙদা লৈবা ফিবান অদু ওইগী খ্বাঙ মপাদা য়েপ্লগা ফিবান অদু পুখৎলক্তুনা খোয়দৌ মপাদা য়েপ্লগা লাইখল (কুম্ভা) গী ফিবান অদু য়েৎকী নীঙলোমদা শন্দোক্কনি।

৫। শামু মনাতোন লাইখল (কুম্ভা) থাদবী - মসি কপত্রেং ফিজেৎকী মওঙদা শেৎকনি, তুংগী নামৈ অদু লৈবগা য়েপকনি। মাঙদা লৈবা ফিজিন অদুনা নীংথিনা মথোন নাইনা অচৌ-মচা নাইনা থুপ্লগা লাইখল হায়বদি কুম্ভা শাবগা মতোন তুন্না শামু মনাতোন শানা তাহল্লগা খোয়দৌ মপাদা মথক থংবা ফিবান অদু য়েপখৎকনি। মসি মৈদিংঙু নবসিংহগী মতমদগী লাকপা মওঙনি।

৫। খুলেম চন্দ্রশেখর (সম্পা) *লোয়য়ম্বা শিনয়েন* (ইম্ফাল শ্রীমোইরাংথেম ইবোতোম্বী সিংহ, ১৯৭৫, লা ১৭, ১৮।

৬। থৌগল ফিজেৎ লাইখল কুঞ্জা য়েপখৎপি — মসিসু মথক্কী ফিজেৎকী মওঙদা শেৎকনি, তৌবতবু নামৈ লৈরোই অদুগা কুঞ্জা তম্ভায়দগী লৌখৎলক্লুনা খোইদৌ মপাদা য়েপশিনগনি। মসি মৈদিংঙু ভাগ্যচন্দ্রগী মতমদগী থোবকপা ফিজেৎনি।

৭। খামেন চপ্পা শেৎপা — মসি মফম-মতমগী মতুং ইন্না কপত্রেং ফিজেৎ, শামু মনাতোন লাইখল থাদবী অমসুং লাইখল য়েপখৎপি মওঙ অহুম অসিদা অয়াম্বনা শেৎনৈ।[৬]

মৈতৈ লৈবাক্তা চৎনরম্বা কোয়েৎ — মৈতৈশিংনা কোক্তা ফিনা যেৎনবম্বা কোয়েৎকী মওঙ অসি তবাতবেৎমুক উবা ফংই। মদুদি - ১। কোয়েৎ লোম্লে, ২। কোয়েৎ তোলোক, ৩। কোযেৎ পাখং তোলোক মচা, ৪। কোয়েৎ পাকলোই, ৫। কোয়েৎ কাঙদুম, ৬। কোযেৎ ফৈয়েৎ, ৭। কোয়েৎ শমজিন কাবন ওয়না নম্বী, ৮। কোয়েৎ শমজিন কাবল য়েৎনা নম্বী, ৯। কোয়েৎ শমজিন কাবন নাম তাবি, ১০। কোয়েৎ শলাই অচৌবা, ১১। কোযেৎ শলাই মচা, ১২। কোয়েৎ শলাই ওইনা নম্বী, ১৩। কোযেৎ অচৌবা অনানবী।, ১৪। আজমেবি কোয়েৎ, ১৫। ফাগুবি কোয়েৎ, অতোপ্পা কোযেৎ মখল অনী অদুগীদি থোইদোক্লা মমিং পন্নদে।

১। কোয়েৎ লোম্লে — কোযেৎ অসিগী মওঙদি খজিং মকোক্তা হাইবপ মান্নে। মসি নিংথৌনা উপনৈ। হৈক্রু হিদোংবগী হিযাং তান্নবদা নিংথৌনা তেংমায লেপ্পবদি নীংখম শমজিনগী মহুত্তা লোম্লে ওইনা হাপনৈ।

২। কোয়েৎ তোলোক — মসি লাইগীনি হায়দুনা মীনা কয়া শীজিন্নদে। ময়েৎ মওঙদি লাইবক ময়ায়দা ফিজিন থিনগত্লুনা থন্নগা লেমহৌবা ফিজিন অদুনা মায় মপাদা কাবন য়েত্লুনা কোক অকোয়বদা য়েৎলগা ফিদোন অদু লুখমদা মচীন লোৎকনি।

৩। কোয়েৎ পাখং তোলোক মচা — মসি লৈকাইদা চৎথোক-চৎশিন কোয়থোকপনচিংবা মতমদা নিপাশিংনা শীজিন্নে। ময়েৎ মওঙদি খুদুপ মবি-মঙা শাংবা ফিনা তাশিন্নগা নাপ মপাদা ফিদোন মচীন থিনগত্লুনা থন্নগা কোক অকোয়বদা কাবন চত্লুনা অতোপ্পা ফিজিন মতোন অদু লুখমদা য়েপকনি। মসি চাক থোংবা পুজাবিশিংসু মওঙ খজিক্তং খেন্নবা মওঙদা য়েৎনৈ। পুজাবিশিংনা তুংলোমগী ফিজিন অদু খদাং চীনবান খুন্না যেৎলগা নাপ মপাদা য়েপশিল্লি। অদুগা খদাং চীনবান খুন্না য়েৎপদি লাইগী সেবাদা য়েৎনৈ।

৪। কোয়েৎ পাকলোই — মসি কনাগুম্বনা পাকলোই হায়নসু কৌনৈ। নিংথৌ, অঙম-অথৌশিংনা বায়েল-বিচার, কুম্মৈ-ফিয়োং শাফা-লানফা চৎপদা শীজিন্নবা চৎনৈ।

৬। ফুরাইলাৎপম ইবোতোন শর্মা, *মৈতৈ ফিজেৎ লৈতেং* (ইম্ফালঃ অইবা মশা, ১৯৯০), লাঃ ৫৯ - ৬২।

মসি নোংদা লাইবেন পাখঙবগী মতমদগী য়েৎনবকপা চৎনৈ। ময়েৎ মওঙদি মবাক পীকপা অশাংবা ফিগী ফিদোন অমনা লুখমদা খূদুপ অমা শাংনা থমহৌরগা অবেম্বা ফিশাং অদুনা কোক ময়ায়দা পুদুনা কোক ওয়গী নাকন্দগী য়েৎলোমদা কাবল চত্তুনা যেৎকনি। লুখমদা লৈহৌবা ফিদোন মচিন অদুনা য়েৎকী নাপ মপাদা কোয়েৎকী ময়ায়দা মতোন থিনগৎহনগনি। অদুগা কোয়েৎ অকোযবদা য়েৎলিবা ফিদোন্না ওযগী নাপ মপাদা কোয়েৎকী মযাযদা মতোন থিনগৎহনগনি।

৫। কোযেৎ কাঙদুম — মসি শা- লানগী মতমদা শীজিন্নৈ। মসিগী মযেত্তি মবাক পীকপা অশাংবা ফিনা লুখমদা ফিদোন অমা থন্নগা কোক্কী মযাযদা পুখত্তুনা নাক-য়েৎ কাবল তানা যেৎকনি। যেৎলিবা ফিগী ফিদোন অদু লবাইগী কোযেৎ মনুংদা মচিন লোৎকনি। লুখমদা লৈহৌবিবা ফিদোন অদুনা হাইগত্তুনা যেৎলিবা কোযেৎ অদু কাযদনবা কোযেৎকী লবাই মনুংদা থিনজিনগনি।

৬। কোযেৎ ফৈযেৎ — কোযেৎ মওঙ অসি যেৎপা মীওইশিংদি নিংথৌ, মাগী মচা-মশু, বডসেনাপতি, শাগৈগী পিবা, থৌবম অমগী মযাম তাংবলদা লৈবা মীশিংনা যেৎনৈ। মযেৎ মওঙদি - মবাক খূদুপ অনী-অনীমখাযমুক পাকপা, অপাবা ফি, মযুংনা খূদুপ মঙা তকক শাংবা ফিনা মবাক্তা তাশিল্লগা কাবন নাইনা কিশি কিবগা মতোন অমনা নাপ মপাদা থমগনি। মতোন অমনা ওযগী লাইবক মপাদা মতোন হাইগত্তুনা থমগনি।

৭. কোযেৎ শমজিন কাবন ওযনা নম্বী — মসি মৈদিংঙু খুযোই তোমপোক্কী মতমদা পুথোকখিবনি। কোযেৎ অসি নিংথৌদগী মনা ফি ওইনা ফংলবা অখনবা মীশিংনসু যেৎপা যাই। হিযাং তান্নবা, লাই হবাওবা, পানা মুক্না শান্নবদা শীজিন্নৈ। মযেত্তি উকং হাযনা কৌবা মতোন্দা খাবৌ মকোক অফনবগী মওঙ মানবা অহোবা মচৈ কাপ অমা খবা হেন্না শাংবা কোলপ তানা শেন্নগা হোদবা মচৈ মখোঙদা কোক্কী অকোযবদা ইকোই কোযনা কোয়েৎ ফানবা লং অকনবা অমনা কিবগা লাইবক মযাম কোক্তা থমদুনা উকং অদুদা খূদৈ চনাং অকনবা অমনা খূবাকমুক পাক্না থুপ্তুনা উকংদুদা ফিদোন নামনা কোক্কী অকোযবদা কাবন চত্তুনা যেৎকনি, খূদৈ অদুগী মথক্তা উকং মতোন্দা লৈবা লং অকনবা অদুগা উকংগা পান্ননা যেৎলগা কোযেৎ অদু ফাগনি। অদুগা চাংখ্রংতাবী কোযেৎ (পুং য়ৈবনা যেৎনবা কোয়েৎ) অসিনা মযুংদা থুপতুনা ফিদোন ফিজিন অমনা উকংদা যেৎলগা কোক্কী অকোযবদা যেৎলগা উকংদগী কাবন লৌদুনা শমজিন কোযেৎ শেমগনি। যেৎলিবা ফিদোন অদুনা তিংথোক্তুনা মবাক তঙ্খায অদু কোক্তা থন্নগা ফিবান অনী নাপ অনীগী মপাদা থেৎচিনগনি। শমজিন মবী অদু কোযেৎকী মযাম উকংগী কাবক্তা লোনশিল্লগা নাপ মপাদা পুবক্তুনা খদাঙগী খোবি মপাদা থমগনি, মবী অশাংবা অদুনা নাপ অমগী মপাদা থন্নগা খদাঙ মযা ফাওবা পুথবক্তুনা মবী মপাদা কোযনা যেক্তুনা ওযনা নমদুনা কাবন তাহন্দুনা থমগনি। শমজিন মবী

অদুনা উকংদা য়েত্তুনা পুবক্লগা উকংগী অহোবদা থিনজিন্দুনা মবী অদুগা কোন্নবা অপাকপা লিন ময়েক লোনবা অদু লুখমদা তাহনগনি। মাঙদা লৈহৌবা মবী অনী লোনশিন্নদুনা খদাংদা কিবগা মতোল অপাকপা অদু থবাক্তা তাহনগনি।

৮। কোযেৎ শমজিন কাবন যেৎনা নম্বী — মসি কোয়েৎ শমজিন কাবন ওয়না নম্বী মযেৎকা চপ মান্নে। খেন্নবা হায়ববু হিয়াং তান্নবদা তেংমাই লেপ্পা নিংথৌ নৎত্রগা অঙম অথৌনা শমজিন চিনবদা উকংগী মখোঙদা কাবন চৎপা মবী অদু যেৎনা নমগনি।

৯। কোযেৎ শমজিন কাবন নাম তাবি — মসি কোয়েৎ শমজিন য়েৎ অমসুং ওয়না নম্বীগা মান্নে। তৌবতবু উকংগী মখোঙদা কাবন নামতা লৈগনি। মীচন্না থবক্কী মতুং ইন্না হবাউ-কুম্মে হিয়াং তান্নবদা হিবোইশিংনা মসি যেৎনৈ।

১০। কোযেৎ শলাই অচৌবা — মসি থবক থৌবমগী মতুং ইন্না নিংথৌদগী মীচন্না ফাওবা যেৎনৈ। খূযেৎ মওঙদি কোয়েৎ পাকলোইগা মান্নে। তৌবতবু মসি চাংখ্রং তাবী খূদুপ তকুকমুক শাংবনা যেৎনৈ।

১১। কোযেৎ শলাই মচা — মসি কোযেৎ সলাই অচৌবগী খূযেৎকা চাউবাকপা মান্নে। সলাই অচৌবগী ফি শন্দোক্লা যেৎপা মওঙ অদু সলাই মচাগীদি শন্দোক্লা যেত্তে, নাপ মপাদা কোক যেৎকী তম্ফাযদা ফিজিন অনী থিনগৎপা অদু যাও বোই। কোযেৎ ময়াইদা ফিদোন মচিন অমা থিনগৎহনি। অমনা লাইবক্কী যেৎওয়ননা থিনগৎহনগনি।

১২। কোযেৎ সলাই ওযনা নম্বী — মসিসু সলাই অচৌবগী খূযেৎকা চাউবাকপা মান্নে। তৌবতবু যেৎলকপা মতমদা যেৎনা নম্বগী মহুত্তা ওযনা নম্মী। কোযেৎ ময়াযদা ওযগী নাপবোমদা ফিজিন মতোন অদু পৈতক্লা যুংনা থিন্দোকহনগনি।

১৩। কোযেৎ অচৌবা অনানবী — কোযেৎ অচৌবা অনানবী অসি অপাবা অশাংবা কোযেৎকীদমক শাবা ফি অদুনা লুখমদা ফিদোন অমা থন্নগা কোক্কী মযাযদা পুবক্তুনা নাক-যেৎ কাবন তানা যেৎকনি। যেৎলিবা ফিদোন অদু লৱাইগী কোযেৎ মনুংদা মচিন লোৎকনি। লুখমদা তাবা ফিদোন অদুনা হাইগৎলক্তুনা কোযেৎ অদু কায়দনবা লৱাইগী মনুংদা থিনজিন্দুনা ফাগনি। মসিগী ফিজিন লৈহল্লোই। কোযেৎকী মযাযদা অমুবা লং খবা হাপ্পী মসি পেত্রুক কৌই। মসি নট সংকীর্ত্তনগী ঈশৈ শকপা, দুহাব, পালা অমসুং পেনা খোংবা অমাইবশিংনা শীজিন্নে।[৭]

১৪। আজমেবি কোয়েৎ — কোযেৎ মখল অসি মথক্তা পনখ্রিবা কোযেৎ মখল ১৩ অসিগদী তোপ তোপ্পী। মসি আজমেবগী নিংথৌনা য়েৎথংবা মিৎ অশোযবা অদু উদনবা যেত্তা নমদুনা যেৎপগী মওঙ অদু পকচবদগী মণিপূবদা মতৌ তমদুনা য়াওশঙগী

৭। ফুরাইলাৎপম ইবোতোন শর্ম্মা *মীতৈ ফিজেৎ লৈতেং* (ইম্ফালঃ অইবা মশা, ১৯৯০), লাঃ ৬৩ - ৭২।

হোলিগী সনা পালাদা য়াই শগুদুনা য়েৎনৈ। অতৈ অতোপ্পা হোলি পালাদা য়েৎনদে। তৌইগুম্বসুং মচু শগুদনা অভৌবা ওইনা য়েৎনবদি য়াওই। কোয়েৎ অসিগী মযায়দা অভাগুবা মচুগী ফিজিন অমা হাপ্পী অমসুং কোয়েৎ মনীগুদা মমৈ পাপ্নি।

১৫। ফাগুবি কোয়েৎ — য়াওশঙগী হোলি পালাদা য়েৎনবা কোয়েৎ মখলনি। মসি কোক মচা হায়না খঙনবা কোয়েৎ ফিনা কোক্তা লবাইগী শকক ফিজিন অমনা খুম্নগা ইকোয় কোয়না যেৎশিন্নবনি। মসি জয়পত্র ফংলবা কাগুবুনা য়াই শগুলগা ফংদবা কাগুবুনা অভৌবা ওইনা য়েৎনৈ। মসি বৃন্দাবনগী ব্রজবাসিশিংনা যেৎনবগী মওঙদু মতৌ তমদুনা য়েৎনবনি।

শ্রাদ্ধ নত্রগা বৎসব শ্রাদ্ধ (ফিবোই)দা সংকীর্তনগী মনুংদা তাঞ্চপ মেনকুপনচিংবা লোইবগা ফমদুনা লৈবিঙৈদা সম্ভোগ শকখিবগী ফিবোই হোংবা মতমদা পুং য়ৈবা অনী, ঈশৈ শকপ, দুহাব অমসুং খোনবাংবা মভানা মাগী মাগী হান্নগী কোযেৎ অদু লৌথোক্লগা অনৌবা কোযেৎ অমুক য়েৎনৈ। মসি য়ুমবু য়ুমবুগী মতুং ইন্না পালা খুদিংমক যেৎহন্নবসু যাওই। মসি যেৎপগী মওঙদি কোযেৎ সলাই অচৌবগা হাইবপ মাগ্নে। পুং যৈবগীদি সলাই মচাগী মওঙদা অযাম্বনা যেৎনৈ।[৮]

নুপাগী কোযেৎ মখল তবাতকক অসি নত্তবা নুপীনা যেৎপা কোকশেৎ অসিসু মক ওইবা অমনি। মসি নুপীশিংনা লাই-তীনগী থবক তৌবা, লৌলিংবা, চাকথোং-ফৌগুগী মতমদা কোকশেৎ অসি য়েৎনৈ।

মৈতৈশিংনা শীজিন্নবম্বা ফুবিৎ অসি চাউবাক্লা তবেৎমুক লৈবম্মী। মদুদি - ফুবিৎ শাইজোনবা, ফুবিৎ শাইককপা, ফুবিৎ তাজিন, বানফক ফুবিৎ, কোনখা ফুবিৎ, ফিবেন ফুবিৎ, খাওন ফুবিৎ অসিনচিংবনি। লৈবাক অসিদা লৈমা-নিংথৌ অমসুং সনামহী লৈমবেন্না থোনবা ফিজেৎ তোঙান্না খায়দোক্লুনা লৈবম্মী। নিংথৌনা থোনবা ফিজেত্তি - লৈকথেৎ, তাবি নিংখম, ফিবেন ফুবিৎ, লোনফি, হাই-নিংখম, কোনখা ফুবিৎ, ইনফি লংদোম ফি অসিনচিংবনি। লৈমনা শেৎ ইনগদবদি - লৈবেন লৈচাও, কুমলং ফনেক, কাব্রং ফনেক, কনাপ ফনেক, খাওন, ফৈজা-বেনখাং, ফুবিৎ শাইজোনবা, ফিবেন কনাপ, থাবোন ফনেক, শাবোং অসিনচিংবনি। সনামহী লৈমবেন্না থোনবা ফিশিংদি - তোগুকাপ ফনেক, মপান লোন্দবা ফনেকনি। ইনফিনা লাইফি হায়বদি ফি মপান্দা পীক্লা পীক্লা মপান চনবা অদুবুনি। উমঙ লাইশিংগী ফিদি শমজিন, নমথাং, কোয়েৎ, ফৈজোম, ফনেকঅসিনচিংবা থোল্লে।

মৈতৈ লৈবাক্তা ওল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা নিংথৌনা কনাগুম্বা অমনা মাগী থোইদোক হেন্দোকপা মতিক-মথৌনা, নিংথৌবু লান্দা কনবিবকপা অসিগীদমক মনা ওইনা পীবম্বা

৮। তাকপীরকপা পদ্মশ্রী শৌগাইজম থানিল (চহি ৬০), প্রধানগুরু, জে এন মণিপুর ডান্স একাদেমী, ইম্ফাল।

ফুবিৎশিংদি - ফুবিৎ শাইজোনবা, ফুবিৎ শাইককপা, ফুবিৎ তাজিন, ৱানফক ফুবিৎ অসিনচিংবা পীবম্মী। অসিগুম্বা মনা অসি ফংলিবা মীওই অদু শিববা মতুংদা মচা-মশুদগী অমুক নিংথৌনা লৌখৎলি। লৌখৎলক্লিবা ফুবিৎশিং অদু অমুক মতিক চাবা মীওই থোবকপা মতমদা মনা ওইনা অমুক পী।

মৈতৈশিংনা মথক্তা পনখ্রিবা ফৈজোম, কোযেৎ অমসুং ফুবিৎশিং অসিতা নত্তনা অতোপ অতোপ্পা লৈতেং কযামকম নেংথ্রৈ, চনিং, নূং, লিক্নোন, সনা অমসুং লুপানা শাবা পোৎশক কযামকম শীজিন্নবম্মী। চীংমীশিংনা মৈতৈ নিংথৌদা চনিং পবেংনা লোইপোৎ ওইনসু পীনবম্বসু যাওই। মথক্তা পল্লিবা পোৎশকশিং অসি ঙক্কী লৈতেং ওইনা, নাগী লৈতেং ওইনা, খূদোপ অমসুং খূজি ওইনা, পাম্বোম ফাবী ওইনা, খোঙজি ওইনা শিনবম্মী হায়বসি *পাখংবা নাওযোম, চীংলোন লাইহুই, নুমিৎ কাপ্পা,* অসিনচিংবা লাইহিবিকশিংদা পল্লম্বা থেংনৈ।

মৈতৈশিংনা ঙক্কী লৈতেং ওইনা শিন্নবম্বা লিক মওঙ খবদং পল্লবদি - ঙাংগোই পবেং, সনাবুং ঙাংগোই পবেং, কোন্দূম পবেং, হৈক্রু পবেং, কিযাম লিকফাং, সনদ্রেম্বী পবেং, মবৈ পবেং, পুমতাবিক, খাংসবিক, বোকুল পবেং, অংগোৎ পবেং, থবোই মনিং পবেং, হৈবী মপাল, হৈযাই থানবী পবেং, থবী মরু পবেং অসিনচিংবা। খূৎ মচাগী লৈতেং ওইনা শিনবম্বা খূদোপ মওঙশিংদি - পবৈ, লিকখাও, লিকখাও খাইবী, হমক্র মপাল, লাইবেন মখোয, খোইমহুম, চবোৎ খূদোপ, যুবী খূদোপ, মিংশেল মখুম অসিনচিংবা। নাগী লৈতেং ওইনা চিনবম্বা লৈতেং মওঙশিংদি - নাযিন, নাথাং, কোবিযান, চোমলাং, তাইবেন মপাল, অংগোৎ অসিনচিংবনি। খবা থেংথবক্রবা মতমদা কুখুব অমসুং নাবী ফাবসু চৎনবম্মী। পাম্বোমগীদমক্তা পাম্বোম ফাবি অমসুং তান্নচিংবসু পাম্বোমদা ফানবম্মী। খূদাংগী লৈতেং ওইনা সনা খূজি, খূজি পোকচাওবী অমসুং শমসোক ঙম্বা (মৈদিংঙু গবিবনিৱাজনা শমসোক লান ঙম্ববু তুংগী মীবোলনা কাওদনবা শাহনখিবা) অসিনচিংবনি। খোঙগী লৈতেং ওইনা যোৎনা কোল্লগা শবিক মচা মচা হাপ্পুনা শিবা নৎত্রগা লুপানা শাবগা শিবসু চৎনবম্মী।[৯]

৯। মুতুবা বাহাদুর, "মণিপুরী সংস্কৃতিদা ফিজেৎ লৈতেং" *মণিপুরী সংস্কৃতিদা লাইয়েকপা, লাইশাবা অমসুং ফিজেৎ- লৈতেং,* (সেমিনার পেপর) (ইম্ফালঃ দি কলচরেল ফোরম, মণিপুর, মে ২৬, ২০০২), লাঃ ৯ - ১৪।

নিপানশুবা পন্দুপ

মৈতৈ লৈবাক্তা চারৌ-মৌরৌনবা

পৃথিবীদা লৈবিবা জাতি খুদিংমক্কী চাবৌ-মৌবৌনবগী ৱাযেল ৱাথুপ লৈবগুম মণিপুরী জাতিগীসু যাম্না ঙল্লিঙে মতমদগী হৌনা চাবৌ-মৌবৌনবগী অকুপ্পা পথাপ লৈজবকই। লৈবাক অসিদা খৃষ্টনা পোকত্রিঙে মমাঙদগী হৌনা লুহোংবগী চৎনবী অসি অদুক হাক্না অকুপ্পা পথাপ অমা লৈবমদ্রবসু হৈজিং খবাই হৈকৎ-লৈকৎ তৌদুনা লুহোংলম্বগী ৱা অবিবা লাইবিকশিংদা পল্লম্বা থেংনৈ

> লৈমা ঔবিনু নীঙথিপীনা মপাবিকিতামক ককচা লৈনৌপীপু ঙাপা পাওতোং য়ান হৈচিঙ মশীঙ সু, খুতোংমপু পুনা হৈথীনপীয়ে অতুনোংকিপু নুচা হৈথীনপাতা তাওচীঙ হৈচীঙপুপা নুচা লুহোংপা হাইনা সীনতমপীবময়ে হাইতাপাবা।[১]

মতৌ অসুন্না মৈতৈগী অঙনবা মতমদগী হায়বদি হিন্দু ধর্ম্মদা মপুঙ ওইনা মায় ওনশিন্দ্রিঙে মতম ১৮ শুবা শতাব্দীগী মমাঙ ফাওবদা নিপানা নুপীবু মাগী লোযনবী ওইনা লৌবগী মওঙ অসি চাউবাকপা মীৎযেংদা মঙা থোক্লা খাযদোকপা য়াই। মদুদি -(১) মশা মশা যানদুনা লৌন-লৈনবা, (২) অহল-লম্মন হায়ন-শীংনবগা লৌন-লৈনবা, (৩) লানফা ওইনা পুবক্লগা লৌন-লৈনবা, (৪) নমদুনা লৌন-লৈনবা অমসুং (৫) মুন্দুনা লৌন-লৈনবা।

(১) মশা মশা য়ানদুনা লৌন-লৈনবা— মৈতৈ লৈবাক্তা মপুঙ মবৈ ফাদ্রিবা নিপামচা নৎত্রগা নুপীমচাবু লুহোংবিবগী চৎনবী অসি উবা ফংদে। অদুম ওইনমক মপুঙ মবৈবু ফাবক্লবদি মশা মশা যানদুনা চেনখিবা নৎত্রগা অহল-লমন্না লুহোংবিবগী চৎনবীদি লৈবকই। অসুন্না মপুঙ মবৈ ফাবক্লবা ফাবক্লবী নিপা-নুপীশিংনা অপাম-নুংশিগী ৱাখল মহৌশানা য়াকাইবকপা মবন্না মান মানা পামজবা, নকশিন্নরুবা নৎত্রগা ৱাখল মীৎযেং মান্নকবদগী পুন্সি লম্বীদা অমত্তা ওইনা চৎনীংলকপদগী অনীগী মবক্তা অবোৎপা অথুপ্পা থন্নবক্তে। অসিগুম্বা খোঙথাং অসিদা চঙশিনখিদুনা পুন্সিগী অৱা-নুংঙাই কয়াদা শরুক

১। চোংথামচা জাম্বা (জয়) (সম্পা), *মায়েম লৈসেম্লোল অরিবা (অহানবা অমসুং অনীশুবা শরুক)* (ইম্ফালঃ থিংবাইজমচা টুতেশ্বর, ২০০০) লাঃ ১৮৮-৮৯।

যামিন্নবগনি, খোঙবু ওইনা চৎমিন্নবগনি হায়বগী অবেপ্পা রাখলদা অফ-ফত্ত খঙ্বা তৌদনা লৌন-লৈনবা হায়বদি যূম পানমিন্নে। অসিগুম্বা মওঙ অসি লৌনবা য়াদবা, অহল-লম্মন মশেন যানদবা, অহল-লম্মন খঙহন্দনা যানবদগী হায়বদি অরোনবা মবী থম্বদগী থোক্লি। মসিগী মতাংদা খূদম ওইনা *নাউথিংখোং ফম্বাল কাবা* দা নাওথিংখোংনা শেল্লোই লংমাই য়ুমলেম্বম চনু পিতঙ্ঙাগা মতম খবা পান্নদুনা লৈমিন্নবম্বা অদু পনবা যাই।[২]

(২) অহল-লম্মন হায়ন-শীংনরগা লৌন-লৈনহনবা— মখল অসিগী লৌন-লৈনহনবগী মওঙ অসি মৈতৈ খুনাইদা খ্বাইদগী হেন্না রাংবা থাক্তা পুখত্তুনা থম্নে। মসি সমাজ অদুগী মনুংদা লৈবিবা মীওইশিং অদুনা চাওখৎপা, লৈবাক মচা তাবা খুনবান-লৈপান অমা ওইবক্লবা, শিঙ্থা পাঙবা ঙম্বা মীওই অমমম ওইবক্লবা অমসুং মশা মশাগী মথৌ মশক খঙনবক্লবা মতমদা খ্বাইদগী হেন্না শীংথানববা লৌন-লৈনবনি। মসি শাবী-শানৌ অনীদুগী মমা-মপা নৎত্রগা মখোযবু কোনবিবিবা অহল-লম্মনশিং অদুনা মমৌ অমসুং মযা থিবা নৎত্রগা খল্লকপদা শাগৈ সলাইগী খূৎকন পাঙ্গনবা, খুন অমগা অমগা নৎত্রগা লৈবাক অমগা অমগা মতেং পাংননবগী পাম্বে থিবকপদা থাক মান্নবা নৎত্রগা হেনবা কাঙলূপশিংগা চাবৌ-মৌবৌনহন্দুনা ঙাই-শেলগী মবী শাগৎপনি। মসিগী খূদম ওইনা *নুংবান পোম্পী লুবাউবগীদমক মমা-মপানা কৌক্রনা যোকচবী মচানুপী কৌববোন নামোইন্নুবু হৈজিং খবাই পুদুনা লৌন-লৈনহনবা পনবা যাই।*[৩]

(৩) লানফা ওইনা পুরক্লগা লৌন-লৈনহনবা— মপাঙ্গল মথৌনা লৈববা নিংথৌ অমসুং অকন-অথৌশিংনা মখোয় মখোয়গী লৈবাক্কী ঙমখৈ শন্দোক্লবা য়ুমথংনবা লৈবাকশিংদা লান্দাদুনা নমথনবা নৎত্রগা লোই চনশিনবা হায়বসি ঙল্লিঙৈ মতমদা তোযনা থোক্লম্মী। মখোয়না লান তারুবিবা মফম অদু লৌশিল্লবা নৎত্রগা নমথবগা মমল য়ান্নবা পোৎ-চৈ শগোল, শামু, শন-ইবোই লোয়ননা লোই চনশিল্লবা লমদম অদুগী মশক মতৌ চঙখোল্লবী নিংঙোল কযামরুমসু পুরক্তুনা নিংথৌ নৎত্রগা অঙম-অথৌশিংগী তালোযশিংদা চনশিল্লি। মসিগী খূদম ওইনা *তুতেংলোন* দা য়োইমোংবা অমসুং তাওথিংমাং অনীনা তুতেংবদগী হাওখা লোকখাদা লান তারুবদা লানফা ওইনা যোইমোংবনা লাইতোংখু অমসুং লাইতোংহনবু তালোয মরুম্বী ওইনা, অদুগা তাওথিংমাংনা হাওনুখু অমসুং হাওনুহন অনীবু তালোয় মরুম্বী ওইনা কংলৈদা পুবকপা অদু পনবা য়াই।[৪]

২। নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র (সম্পাঃ), *নাউথিংখোং ফম্বাল কাবা* (ইম্ফালঃ সম্পাঃ মশা, ১৯৯৫), লাঃ ১।

৩। নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র (সম্পাঃ), *নুংপাল পোম্পী লুবাউপা* (ইম্ফালঃ মণিপুর ষ্টেট কলা একাদমি, ১৯৯১) লাঃ ১৬ - ১৮।

৪। নোংমাইথেম মনাও য়াইমা (সম্পাঃ), *তুতেংলোন* (ককচিংঃ এন চন্দ্রাবলি দেবী ১৯৮৮), লাঃ ২১। নাওরোইবম ইন্দ্রমনি (সম্পাঃ) *পাখংবা লাইহুই*, (ইম্ফালঃ নাওরোইবম মেধাবতি, ১৯৯৫), লাঃ ৩৭, ৩৮।

(৪) নমদুনা লৌন-লৈনবা— কনাগুম্বী মথোৎ কাবক্রবী নুপী অমবু মাগী অপাম্বগী মায়োক্তা কনাগুম্বা নিপা অমনা অবোনবা শবৌ শীন্দুনা নৎত্রগা নমজা- নমথেক্তুনা নুপী ওইবীগী ইজৎ মাঙহনবদগী নুপী অদুনা মাগী ইজৎকীদমক খনবদগী নিপা অদুগী মখূৎ চনশিনখি। অসূম্না নিপানা নুপীবু নমদুনা লৌন-লৈনহনবগী মওঙ লৈবকই।

(৫) মুন্দুনা লৌবা— কনাগুম্বী মপুবোইবা লৈববী নুপী অমবু মতিক-মথৌনা লৈববা নিংথৌ নৎত্রগা অঙম্বা অমনা অপাম মীৎযেং চঙবদগী লান্দাদুনা নৎত্রগা মপুবোইবদু হাৎতোক্লগা নৎত্রগা নমথবগা লৌববু মুন্দুনা লৌবা হায়না খঙনবা যাই। মসি ঙল্লিঙৈ মতমদা যান্না তোযনা থোকপা থৌদোক অমনি হায়বা যাই। মসিগী খূদম ওইনা মৈতৈ নিংথৌ নাউখম্বনা থাংযি খোঙজ্রোম্ববু লান্দাদুনা মায়থীবা পীবগা মাগী তালোয মকম্বী যাওবৈমাবু নাউখম্বগী তালোয ওইনা লৌথিবা অসি পনবা যাই।[৫]

মৈতৈ লৈবাক্তা ঙল্লিঙৈ মতমদগী ১৮শুবা শতাব্দীগী মযায ওইবা মতম ফাওবদা মীগী নুপীবু মুন্দুনা লৌবা নৎত্রগা অবোনবা মবী লৈনবগা লৌবা অসি হস্থনা খন্নববসু মবক মবক্তা অদুমক অঙম অথৌ নৎত্রগা নিংথৌনা তৌনবম্মী। মদুদি - নোংপোক নিংথৌনা তবংখোইনুচাগী নুপী পান্থোইবীবু লৌবা,[৬] নোংদা লাইরেন পাখঙবনা লৈনাওতাবীবু পোইবৈতোন্দগী মুন্দুনা লৌবা[৭], নাউখোম্বনা থাংযি খোঙজ্রোম্বগী নুপী যাওবৈমাবু লৌবা[৮], মৈদিংঙু লোইযুম্বনা চহুই লৈবোং পাম্বগী নুপী খ্বাংলাংমৈবেম্বীবু লৌনবগী শবৌ শীনবা[৯], মৈদিংঙু পামহৈবা (গবিবনিৱাজ) না ঈৱাংলোন থম্বালবু মপুবোইবদগী নমদুনা লৌবগা গোমন্তী হায়না মিংওন্দুনা মহাবাণী ওইহনবা[১০] অদুগা অমবোমদা অমুক মৈতৈ নিংথৌ থৱান থাবনা মচানুপী চীংখৈথানবীবু খূমন নিংথৌ পুন্সিবদা পীবা, খূমন নিংথৌ পুন্সিবনসু মচানুপী চকপা শম্ফবীবু থৱান থাবদা পীবা[১১] অসিনা তাকপদি মিঙ্গৌদা মুংনবা (চযেৎনবা) লৈববসু বাজনীতিদনা হেন্না লুনা খন্নবম্মী হায়বসু তাকই। অসিগুম্বা চাবৌ মৌবৌনবগী অমকপা মওঙ অসি লৈবাক্কী অঙম্বা নিংথৌতনা যাববসু মীচম প্রজাদদি চৈবাক লৈবম্মী হায়বদু অসূম্না তাক্লি

৫। নোংমাইথেম মনাওয়াইমা (সম্পাঃ) *চেংলৈবোন* (ককচিংঃ এন চন্দ্রাবলি দেবী ২০০০), লাঃ ৪।

৬। মোইরাংথেম চন্দ্রসিং (সম্পাঃ) *পান্থোইবী খোঙ্গুল* (ইম্ফালঃ মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ১৯৯৯) লাঃ ৪৯-৫৯।

৭। *থিরেল নানম্বা*, খূৎই লাইবিক, ফংফমঃ বি কুলচন্দ্র শর্মা, ব্রহ্মপুর থাঙ্গপাৎ মপান, ইম্ফাল।

৮। নোংমাইথেম মনাওয়াইমা (সম্পাঃ) *চেংলৈবোন* (ককচিংঃ এন চন্দ্রাবলি দেবী ২০০০), লাঃ ৪।

৯। থোকচোম থৌয়াংবা মৈতৈ (সম্পাঃ) *চহুই লৈরোং পামপা* (ইম্ফালঃ সম্পাদক মশা, ১৯৮৮) লাঃ ৩২ - ৩৪।

১০। বি কুলচন্দ্র শর্মা *মৈতৈগী লুহোংবা অমসুং লৌন-লৈনবগী বায়েল-বাখুল* (ইম্ফালঃ তাম্না পব্লিকেসন্স, ১৯৯৮) লাঃ ১০।

১১। ময়াংলম্বম গৌরচন্দ্র (সম্পাঃ) *থৌৱান থাবা হিবান* (ককচিং ঃ পিপলস ম্যুজিয়ম, ১৯৯৮) লাঃ ১০ - ১৫।

নিংথৌগী ইবেম্মাশিংদা মিৎয়েং নায়েংবা লান্নবা, মীগী মতু হুবা অসিদি মমিৎ হনলো,[১২]

অদুগা অমুক কবিগুম্বদা খরা হুম্বা কাঙলূপ নৎত্রগা জাৎ ধর্ম্ম খেন্নববদি ইম্বোকপগী মওঙ অমসু লৈবন্মী। মদুদি লুবাং চনু খোংচোমনুপী মতা তরুকপু হাওকু পাখঙদা য়ুম্বানবগী মবী লৈনকবগীদমক ইম্বোকপা,[১৩] সলাম মচা অমনা বামোন কোনোক নুপী অমা লৌরুবগীদমক মতৈ-মনাওবু হাওজোংপন্দা লোই থাখিবা পনবা য়াই।[১৪]

নিপা-নুপী লৌন-লৈনবগী পথাপ অসি ঙল্লিঙৈগী মতমদা অসূন্না খায়দোক্নুনা ঙাক্না চৎনবন্মী। মদুদি - (১) য়েক তিন্নবা (২) শাইরুক তিন্নবা, (৩) পেন তিন্নবা, (৪) লৈনুং পেন তিন্নবা, (৫) মুংনবা, (৬) ঈ ওন্নবা, (৭) ঙাক্লবা, (৮) জাৎ তিন্নদবা। কনাগুম্বনা হায়বিবা চৎন-পথাপ অসি কায়বক্লবদি লোই থাবা, ইম্বোকপা, ঝাকোঙহনবা, হান্নগী ফমদগী হুম্বহনবা অসিনচিংবা চৈবাক ওইনা পী।

(১) য়েক তিন্নবা— পুকোক তিন্নবা হায়বদি মীশক অমত্তদগী খায়থ শমথবকপা নৎত্রগা চাদা নাওদাবকপা ঈ তিন্নবা শাগৈ, য়ুম্নাকশিং পূন্নমক্তুবু য়েক তিন্নবা হায়না কৌই। য়েক তিন্নবা য়ুম্নাক শাগৈ অমগা-অমগা লৌন-লৈনবা তৌনদে। মৈতৈ লৈবাক্তা মীবৈবাক্তগী হাযবদি নোংচুপ অমসুং নোংপোক হাবমগী মীওই কয়া খুন হোংলকপা মীওই কয়াশিং অদুসু নিংথৌনা য়ুম্নাক পীদুনা য়েক সলাই অমদা তিলহনবী। অসূন্না মখোয়শিং অসিসু মান্নদবা য়েক সলাইশিংগা নিপা-নুপী লৌন-লৈনবগী পথাপ অসি ইন্দুনা চৎলন্মী। কনাগুম্বনা মসিবু থৌওইদদুনা লৌনরবদি মখোয় অনীবু দণ্ডিগী মশক ওইনা লাই-তীনগী থবক থৌবমদা য়াওহন্দে।

(২) শাইরুক তিন্নবা— কন্নাগুম্বা মীশক অমত্তদগী খায়থবকপা চাদা নাওদাশিংনা অতোপ অতোপ্পা ফুরূপ কাঙলূপ ওইনখিদুনা তোঙান-তোঙানবা যেক্তা চঙনববু শাইরুক তিন্নবা কৌই। খূদম ওইনা নোংদা লাইবেন পাখঙবনা খাবা ফান্দোংবগা ফম্বাল মুন্নঙৈদা পাখঙবনা ইম্ফাল কংলৈদগী চেনখিদুনা মোইবাংগী লোইরেন সনাপুংদা লৈবা মতমদা মূংমাং চাউবা অমসুং তাংক্রুক লুম্মিবা মচা নিপা অনী পোকই। মূংমাং চাউবনা

১২। খুলেম চন্দ্রশেখর (সম্পাঃ) *লোয়য়ম্বা শিনয়েন* (ইম্ফাল ঃ শ্রী মোইরাংথেম ইবোতোম্বী সিংহ, ১৯৭৫) লাঃ ৩৪।

১৩। মোইরাংথেম নরেন্দ্র (সম্পাঃ) *খোংচোমনুপী নোংকারোল* (ইম্ফাল ঃ পোক্লফম পব্লিকেসন, ১৯৯৫) লাঃ ৩০ - ৩২।

১৪। লাইবেনময়ুম ইবুংঙোহল অমসুং নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র (সম্পাঃ) *চৈথারোল কুম্বাবা* (ইম্ফালঃ মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ ১৯৮৯) লাঃ ৩৪৮।

সোরারেনগী মচানুপী অবাই লৈমগা পান্নদুনা মাগী ঈবু মুংয়াংজম হায়না খঙনখি। তাংক্রুক লুম্মিবগী ঈনা লোইবেনচম হায়না খঙনদুনা মোইরাং অরিবা সলাইদা তিন্নখি। মরম অসিনা য়ুম্নাক অনী অসি মোইবাং অবিবা সলাই ওইজববসু অশেংবা মকুদদি নিংথৌজাগী ঈ ওইবনা নিংথৌজা সলাইগা শাইরুক তিন্নে হায়বগীদমক লৌনহৈদে।[১৫] মৈতৈগী চৎনবীদা শাইরুক মরি হাযদুনা লৈ। মদুদি-

(১) মোইবাং অনৌবগা অঙোমগা শাইরুক তিন্নে।

(২) খুমনগা লুৱাংগা শাইরুক তিন্নে।

(৩) খাবা ঙানবগা চেংলৈ সলাইগা শাইরুক তিন্নে।

(৪) মোইবাং অবিবগা ঙানবা সলাইগা শাইরুক তিন্নে।[১৬]

শাইরুক তিন্নবা অসি মখল অনী শুই, মদুদি -

(ক) শাইরুক অচৌবা অমসুং (খ) শাইরুক মচা।

(ক) শাইরুক অচৌবা - মসি নিপা হায়বদি মপাগী ঈ মবীগী চাদা-নাওদানি। কনাগুম্বা নিপা অমনা খেন্ন-খেন্নবা মমাশিংদা পোকপা মচানিপাশিংগী মবক্তগী অতোপ্পা য়েক সলাইগী মীনা য়োকখিদুনা য়োক্লিবা মী অদুগী য়েক সলাইদা চঙখ্রবদি হায়বিবা য়েক অদুগী য়ুম্নাক অদুগা মপাগী য়েক্কা লৌন-লৈনবা য়াদে। মসিবু শাইরুক অচৌবা হায়না খঙনৈ।

(খ) শাইরুক মচা - মসি মমা হায়বদি নুপীগী ঈ মবী তিন্নবা চাদা -নাওদানি। মসিবু পী নৎত্রগা পেন তিন্নবা হায়না খঙনৈ। লৈনুং পেন তিন্নবা নত্তনা অতৈ পেন তিন্নবা মখলশিংদি - মমা মমা মচিন-মনাও ওইবা, মমাগী মবুঙ নৎত্রগা মৌপ্পাগী মচাশিং, মপাগী মচন নৎত্রগা মচেগী মচাশিং অসিনচিংববু পী নৎত্রগা পেন তিন্নবা হায়না খঙনৈ। মখোয় অসি অকক্লবা মীবোন অহুম লাম্বববদি লৌন-লৈনবা য়াহল্লম্মী।[১৭]

(৩) পেন তিন্নবা— মথক্তা শাইরুক মচাদা পঞ্জখ্রিবদুনি।

(৪) লৈনুং পেন তিন্নবা— কনাগুম্বী নুপী অমনা কনাগুম্বা য়ুম্নাক অমগী নিপাদা ময়ুম পাল্লুবগা মচা লৈববা মতুংদা অমুক অতোপ্পা নিপা অমদা ময়ুম পান্দুনা মচা পোক্লবদি মচা অনী অদু মপা তিন্নদবা মমা তিন্নবা মচিন-মনাও হায়না লৌই।

১৫। তাকপিরকপা পদ্মশ্রী নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র (চহী ৮৭), উরিপোক নিংথৌখোংজম লৈকায়, ইম্ফাল।

১৬। বি কুলচন্দ্র শর্মা, *মৈতৈগী লুহোংবা অমসুং লৌন-লৈনবগী রায়েল-রাখুল* (ইম্ফালঃ তাম্রা পব্লিকেসন্স ১৯৯৮) লাঃ ৯৬।

১৭। মথক্তীসিদা, লাঃ ৯৮।

মখোয়শিং অসিগী চাদা-নাওদাশিং অসি য়েক তিন্নদ্রবসু পেন হায়বদি মবেন অমত্তগী মত্ত ওইবনা লৌন-লৈনবা য়াদে। অসিগুম্বা মবেন তিন্নবা কাণ্ডবু অসি লৈনুং পেনতিন্নবা কৌই।[১৮]

(৫) মুংনবা— লৌন-লৈনবগী মবীসিদা নিপা নুপী লৌন-লৈনবদা পামদবা মহৈ থোক্লকপা য়াবা য়ুম্নাক শাগেগী মীশকশিংবু মুংনবা হায়না খঙনৈ। মুংনবা অসি মখল কয়ামরুম লৈ, মক ওইবা খবদং পল্লবদা ঈ মুংনবা, মিঙ্গৌ মুংনবা পনবা য়াই।

ঈ মুংনবা হায়বসি মপা মমা অমত্তনা পোকপা মচা নুপী অনী তোঙান-তোঙানবা য়ুম্নাক্কী মীশকশিংদা থাজখ্রগা মখোয়না পোক্লবা মচা-মত্তশিং অদু য়েক তিন্নদ্রবসু ঈ মুংনবা মবন্না লৌনবা য়াদে। অদুবু মীবোন মণ্ডা লাম্থোবক্লবদি মুংনদ্রে হায়দুনা অমুক লৌনবা যাই।[১৯]

মিঙ্গৌ মুংনবা হায়বসিনা নিপাগী মমাগা মমিং মান্নবী নুপীবু মিঙ্গৌ মুংনৈ হায়দুনা লৌনহৈদে। কবিগুম্বা লৌনববসু নুপীগী মমিং ওম্থোকপা চংনৈ।।

(৬) ঈ ওন্নবা— কনাগুম্বী নুপী অমনা নিপা অমদা ময়ুম পাম্লুবগা মীবোন্দুনা মবুক্তা অঙাং য়াওনা অতোপ্পা য়ুম্নাক শাগেগী নিপা অমদা ওংখ্রবদি শাগে অনীদুগী মবক্তা মক ওইনা ইমুং অনীদুগী মবক্তা ঈ ওন্নখিবনা মবম ওইদুনা লৌন-লৈনবা তৌনদে। মসিগী অকক্লবা মীবোল পীদ্রবসু মৌ থিবা অমসুং থাজ য়োনজবা মতমদা য়াম্না কুপ্না চেকশিন্না যেংনৈ।[২০]

(৭) ভাক্লবা— ঈকায খুন্নবা উৎপা, নুংশি-চান্নবগী মবী থম্নবা, তৌবিমল খঙবা উৎপা, মমা মপা শক্ল নাওয়োক নাওকোনবিবকপা, লানফমদা থব্রায় কন্নখিবগী হৌন খঙবা উৎপা ওইনা শাগে, য়েক, শাকুক্লচিংবা তিন্নদবা মবী মতা শুকথোক থোক্লদবা অমসুং লৈমিন-চামিন্নবক্তবা য়ুম্নাক অনীগী মবক্তা অমগা অমগা লৌন-লৈনবা তৌনদে। অমনা অমবু অফবা বাখলদা মচিন-মনাও নৎত্রগা যাম্না নক্লবা মবী মতাগুম খন্নে অমসুং মীশক অনীদুগী চাদা-নাওদা ফাওবদা লৌন-লৈনবা তৌনদে। মদুদগী অথিংবা ওল্লকই। অসিগুম্বা মখলগী লৌন-লৈনবগী কাণ্ডলোন অসিবু ভাক্লবা হায়না খঙনৈ।[২১]

১৮। বি কুলচন্দ্র শর্ম্মা *মৈতৈগী লুহোংবা অমসুং লৌন-লৈনবগী বায়েল-বাখুন* (ইম্ফাল তাম্রা পব্লিকেসন্স, ১৯৯৮) লাঃ ৯৯।

১৯। *সম্বন্ধি নির্ণয়*, খূৎই লাইবিক, ফংফম ঃ নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র, উরিপোক ইম্ফাল।

২০। মথক্কীসিদা।

২১। বি কুলচন্দ্র শর্ম্মা, *মৈতৈগী লুহোংবা অমসুং লৌন-লৈনবগী বায়েল-বাখুন* (ইম্ফালঃ তাম্রা পব্লিকেসন্স, ১৯৯৮), লাঃ ১০২, ১০৩।

(৮) জাৎ তিন্নদবা— কাণ্ডলুপ তিন্নদবা, লাইনীং লীচৎ, ফিজেৎ-চাকচা, য়ূমলৈ-কৈরৈ মান্নদবা মীওই ফুৱপশিংবু জাৎ তিন্নদবা হায়না খঙনৈ। অসিগুম্বা কাণ্ডলুপ তিন্নদবা অমগা অমগা লৌন-লৈনবা অসি ঙম্লিগে মতমদদি অথিংবা লৈবম্বগী মওঙ উবা ফংদে। অদুম ওইনমক থেংথবক্রুবা মতমদদি অথিংবা অসি লৈবম্বগী মওঙ উবা ফংই। অসিগুম্বা অথিংবা মওঙ অসি লৈদুনসু ভাগ্যচন্দ্র নিংথৌ মশামক্লা মচানুপীবু তেখাও নিংথৌ অমসুং তথেল নিংথৌদা বাজনীতিগীদমক থাজরম্বা, মহাবাজ বোধচন্দ্রনা নেপাল নিংথৌগী মচানুপী ঈশ্বরীবু লুহোংদুনা লৌবা[২২] অসিনা তাকপদি নিংথৌ নিংথৌগী মচা মশুশিংনা জাৎ তিন্নদবা নিঙোল লৌবদদি মওঙ অসিগী চাবৌ মৌবৌনবসি খবা কোমথোকপগী মশক উবা ফংই।

২২। লাইবেনময়ুম ইবুংঙোহল অমসুং নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র (সম্পাঃ) *চৈথাবোল কুম্বাবা* (ইম্ফালঃ মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ১৯৮৯) লাঃ ৬৩৬, ৬৩৭।

বিব্লিওগ্রাফি

(ক) মণিপুরী

(অ) লাইরিক

অমুবী, ইবোম (সম্পাঃ)। *লৈহৌ নাউ ফমলোল*। ইম্ফালঃ সম্পাদক মশা, ১৯৮১।

অমুবী, ইবোম, নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র, ওইনাম ভোগেশ্বর, নামৈবাকপম ইবোচৌবা (সম্পাঃ) *শাগৈ শলাইবোল* ইম্ফালঃ মণিপুর ষ্টেট কলা একাদমি, ১৯৯৪।

ইন্দ্রমনি, নাওরোইবম (সম্পাঃ)। *পাখংবা লাইহুই*। ইম্ফালঃ নাওরোইবম ওংবী মেধাবতি, ১৯৯৫।

ইন্দ্রমনি, নাওরোইবম (সম্পাঃ)। *পেন্‌লোন্ তেংথা*। ইম্ফালঃ নাওরোইবম দেবিদ, ১৯৯৮।

ইবুংঙোহল, লাইরেনময়ুম অমসুং নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র (সম্পাঃ)। *চৈথারোল কুম্বাবা*। ইম্ফাল ঃ মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ১৯৮৯।

ইবোচৌবা, এন (সম্পাঃ)। *থিবেল লাযাৎ*। ইম্ফালঃ সম্পাদক মশা ১৯৮১।

ইবোচৌবা, এন (সম্পাঃ)। *থিবেন মৈবম লীবা*। ইম্ফালঃ সম্পাদক মশা, ১৯৮২।

ইবোচৌবা, এন (সম্পাঃ)। *থাবোন*। ইম্ফালঃ সম্পাদক মশা, ১৯৮২।

ইবোমচা পেবম (সম্পাঃ)। *শিংককুলেন মিকৌবোন্ খঙডোই যাংডোই সেকনিং থিবেন মৈবম লিবা*। ইম্ফাল ঃ পেবম ওংবী একাশিনি দেবী, ১৯৯২।

ইবোহনবী, থোকচোম। *অঙনবা মতমগী মণিপুরী সাহিত্যদা ইমেজরি*। ইম্ফাল ঃ কল্পনা পব্লিকেসন্স, ১৯৯৭।

কাংজীয়া, এনজী। *কংলৈ ঈযেক্কী রাবী*। ইম্ফালঃ কংলৈ পব্লিসিং হাউস, ১৯৯৬।

কুলচন্দ্র, ভাবিয়াম্বম (সম্পাঃ)। *সদিং পুযা*। ইম্ফালঃ সম্পাদক মশা, ১৯৮২।

কুলচন্দ্র, ভাবিযাম্বম (সম্পাঃ)। *চকপালোন খুনতাবা*। ইম্ফালঃ সম্পাদক মশা, ১৯৯৩।

খেলচন্দ্র, নিংথৌখোংজম (সম্পাঃ)। *চাদ লাইহুই*। ইম্ফালঃ সম্পাদক মশা, ১৯৬৬।

খেলচন্দ্র, নিংথৌখোংজম (সম্পাঃ) *নাউথিংখোং ফম্বাল কাবা*। ইম্ফালঃ সম্পাদক মশা, ১৯৬৭।

খেলচন্দ্র, নিংথৌখোংজম (সম্পাঃ)। *চায়নবোল*। ইম্ফালঃ সম্পাদক মশা, ১৯৬৮।

খেলচন্দ্র, নিংথৌখোংজম (সম্পাঃ)। *লাংগোই শগোল থাবা*। ইম্ফালঃ মণিপুবী সাহিত্য পবিষদ, ১৯৬৮।

খেলচন্দ্র নিংথৌখোংজম। *অবিবা মণিপুবী লোনশৈ*। ইম্ফালঃ মণিপুব ষ্টেট কলা একাদেমী, ১৯৭৮।

খেলচন্দ্র, নিংথৌখোংজম (সম্পাঃ)। *খুমন কংলৈবোন*। ইম্ফালঃ অতোম্বাপু বিসার্চ সেন্টব, ১৯৮০।

খেলচন্দ্র, নিংথৌখোংজম (সম্পাঃ)। *চীঙ্গোইবোল*। ইম্ফালঃ মণিপুব ষ্টেট কলা একাদেমি, ১৯৮২।

খেলচন্দ্র, নিংথৌখোংজম (সম্পাঃ)। *ফমলোন*। ইম্ফালঃ মণিপুবী সাহিত্য পবিষদ, ১৯৮৭।

খেলচন্দ্র, নিংথৌখোংজম (সম্পাঃ)। *চোথে থাঙবায পাখংপা অমসুং নুংপান পোম্পী লুবাউপা*। ইম্ফালঃ মণিপুব ষ্টেট কলা একাদেমি, ১৯৯১।

খেলচন্দ্র, নিংথৌখোংজম (সম্পাঃ)। *অবিবা মণিপুবী সাহিত্যগী ইতিহাস*। ইম্ফালঃ চিরোম য়াইমবী দেবী, ১৯৯২।

গুনেশ্বব, বাজকুমাব সনাহল। *মৈত্রবাকী থাঙ তাগী মবোন*। ইম্ফালঃ অইবা মশা, ১৯৮১।

গৌবচন্দ্র, মযাংলম্বম (সম্পাঃ)। *খম্রাং পাবাবী অহুইবোন*। ককচিংঃ সম্পাদক মশা, ১৯৭৭।

গৌবচন্দ্র, মযাংলম্বম (সম্পাঃ)। *মৈতৈ কংলৈবোন*। ককচিংঃ পিপলস' ম্যুজিয়ম, ১৯৮৯।

গৌবচন্দ্র, মযাংলম্বম (সম্পাঃ)। *থৌবান থাবা হিবান*। ককচিংঃ পিপলস' ম্যুজিযম, ১৯৯৮।

গৌবচন্দ্র, ময়াংলম্বম (সম্পাঃ)। *লম্মীৎলোন*। ককচিংঃ পিপলস' ম্যুজিয়ম, ২০০৪।

ঙাম্বা (জয), চোংথামচা (সম্পাঃ)। *মাম্লেম লৈসেম্রোল অবিবা*। ইম্ফালঃ থিংবাইজমচা টুতেশ্বব, ২০০০।

চন্দ্রশেখব, খুলেম (সম্পাঃ)। *লোযযম্বা শিনযেন*। ইম্ফালঃ ওল মমিপুব উমংলাই হবাউবা কমিটি, ১৯৭৫।

চন্দ্রশেখব, খুলেম (সম্পাঃ)। *ঈবাৎ লাইশোল* । ইম্ফালঃ মৈতৈ মযেক ওর্গেনাইজিং এণ্ড বিসার্চ এসোসিএশন, ১৯৮৪।

চন্দ্রশেখব, খুলেম (সম্পাঃ)। *ফিদম ব্রাবেং (অহানবা)* । ইম্ফালঃ মৈতৈ মযেক ওর্গেনাইজিং এণ্ড বিসর্চ এসোসিয়েশন, ১৯৮৪।

চন্দ্রশেখব, খুলেম (সম্পাঃ)। *ফিদম ব্রাবেং অনিশুবা শরুক* । ইম্ফালঃ মৈতৈ মযেক ওর্গেনাইজিং এণ্ড বিসর্চ এসোসিযেশন, ১৯৮৬।

চন্দ্রশেখব, খুলেম (সম্পাঃ)। *শাকোক লমলেন অহানবা* । ইম্ফালঃ ওল মণিপুব উমং লাই হবাউবা কমিটি, ১৯৯২।

চন্দ্রশেখব, খুলেম (সম্পাঃ)। *ইনাৎকী হবাউ কুম্মৈ* । ইম্ফালঃ মৈতৈ মযেক ওর্গেনাইজিং এণ্ড বিসর্চ এসোসিযেশন, ১৯৯৪।

চন্দ্রশেখব, খুলেম (সম্পাঃ)। *মসিল* । ইম্ফালঃ মৈতৈ মযেক ওর্গেনাইজিং এণ্ড বিসর্চ এসোসিযেশন, ১৯৯৭।

চন্দ্রশেখব, খুলেম (সম্পাঃ)। *লুব্রাংলোন খোঙকুল* । ইম্ফালঃ সম্পাদক মশা, ।

চন্দ্রসিং, মোইবাংথেম (সম্পাঃ)। *পোইবৈতোন খুম্বোক* । ইম্ফালঃ পোরুফম পব্লিকেসন্স, ১৯৯৫।

চন্দ্রসিং, মোইবাংথেম (সম্পাঃ)। *পাম্বোইবী খোঙ্কুল* । ইম্ফালঃ মণিপুবী সাহিত্য পবিষদ, ১৯৯৯।

চাওবা, কাঙবম (সম্পাঃ)। *পাখংপা নাউযোম* । ইম্ফালঃ সম্পাদক মশা, ১৯৮৫।

তম্ফাজাও, যুম্নাবা। *মীতৈ মযেক্ ১৮গী কাঙলোন্ অমসুং ব্রাঙউলোন*। ইম্ফালঃ মঙাংচা কৈশাম ইবোমচা, ১৯৯২।

তোম্বী, নোংমাইথেম অমসুং থোকচোম, ইবোহনবী (সম্পাঃ)। *মণিপুবী সাহিত্যগী ইতিহাস*। ইম্ফালঃ মণিপুবী সাহিত্য পবিষদ। ২০০১।

তোম্বা, সাপম। *মীতৈলোনগী ঈতীহাস অমসুং বানান* । ইম্ফালঃ মণিপুবী বাইটবস এসোসিযেশন, ১৯৯৮।

তোংব্রা, দি এস (দোবেন)। *কংলৈ ইযেক্ তম্নব অবাইব মপী লাইবিক্ অহানব* । ইম্ফালঃ ওল মণিপুব মীতৈ ময়েক বিসার্চ এন্দ ট্রেনিং বোর্ড, ২০০২।

থম্বাল, সলাম। *অন্ত্রো খুন্দা লৈতাবকপা অমসুং মৈহৌবোলগী চৎনবীশিং* । অন্ত্রোঃ সলাম মেমচা দেবী,

থৌয়াংবা, থোকচোম (সম্পাঃ)। *চহুই লৈবোং পাম্পা* ।ইম্ফালঃ সম্পাদক মশা, ১৯৮৮।

নবেন্দ্র, মোইবাংথেম (সম্পাঃ)। *খোংচোম্নুপী নোংকাবোল্* ।ইম্ফালঃ পোরুফম পব্লিকেসন্স, ১৯৯৫।

নবেন্দ্র, মোইবাংথেম (সম্পাঃ)। *কৌববেল্ খুনুগুম্* । ইম্ফালঃ এম চন্দ্রসিং মেমোবিযেল্ মনুস্কৃপ্ট লাইব্রেবি, ১৯৯৬।

নোংলেনখোম্বা, হাওবা (সম্পাঃ)। *মৈহৌপালোল লাথুপ* । ইম্ফালঃ লৈশেম পাখৌ থৌকাইলোল, ১৯৯৬।

বিলাসিনী, হাওবম (সম্পাঃ) *নিংথৌবোল লম্বুবা* ।ইম্ফালঃ সম্পাদিকা মশা, ১৯৯৪।

বুদ্ধিচন্দ্র, য়ুম্নামচা (সম্পাঃ)। *থালোয-নোংখাযলোন* ।ইম্ফালঃ ঈনাৎ কনবা অমসুং সেমগৎ সাগৎপা লুপ, ১৯৮৬।

ভোগেশ্বব, ওইনাম (সম্পাঃ)। *নিংথৌবোল লমবুবা* ।ইম্ফালঃ সম্পাদক মশা, ১৯৬৭।

ভোগেশ্বব, ওইনাম (সম্পাঃ)। *নুমিৎ কাপ্পা*।ইম্ফালঃ ইউনিভর্সেল লিটবেবি এসোসিযেসন, ১৯৭৭।

ভোগেশ্বব, ওইনাম (সম্পাঃ)। *শাগে শলাইবোল*। ইম্ফালঃ মণিপুব ষ্টেট কলা একাদমি, ১৯৮২।

ভোগেশ্বব, ওইনাম। *মৈতৈ মযেক মপী তম্নবা লাইবিক* । ইম্ফালঃ মণিপুবী সাহিত্য পবিষদ, ১৯৯০।

ভোগেশ্বব, ওইনাম (সম্পাঃ)। *সনামহি লাইকন*।ইম্ফালঃ তাম্রা পব্লিকেসন্স, ১৯৯৫।

ভোগেশ্বব, ওইনাম অমসুং জনাব খাঁ (সম্পাঃ)। *নোংসামৈ* ।ইম্ফাল এম জে খাঁ, ১৯৭৩।

মনাও যাইমা, নোংমাইথেম (সম্পা)। *তুতেংলোন* ।ককচিং এন চন্দ্রাবলি দেবী, ১৯৮৮।

মনাও যাইমা, নোংমাইথেম (সম্পা)। *চেংলৈবোন* ।ককচিং এন চন্দ্রাবলি দেবী, ২০০০।

মনিজাও, নিংঙোম্বম (সম্পা)। *মতমগী খোঙ্লৈ তাকপা পূযাশিং* । ইম্ফাল সম্পাদক মশা, ১৯৯৮।

মাধব, থোংঙাম অমসুং নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র (সম্পা)। *খুনুং লিচৎ শাজৎ* ।ইম্ফাল থোংঙাম মাধব, ১৯৭০।

মৈতৈ, লুৱাং পাকা (সম্পা)। *সলাই যুমচংবা হাথবোন* ।ইম্ফাল পোঈবৈ ঈনাৎ শিন্দমশঙ, ১৯৮৬।

বাজকুমাব, কোকঙাংসনা (সম্পা)। *কংলৈ লংবা পাখংবা* ।ইম্ফাল নিংথৌ মচা মনিসনা, ১৯৮৭।

লুৱাং, নোঁংথোনবমচা অঙৌ (সম্পা)। *নিংথৌ কাঙবলোন* । ইম্ফাল তাম্রা পব্লিকেসন্স, ২০০২।

শমচেৎশাবা, এম কে (সম্পা)। *ফম্বাল মশিন* । থৌবাল শলুংফম কালা মেমোবিযেল ম্যেনুস্ক্রপ্ট লাইব্রেবি ১৯৯৮।

শমচেৎশাবা, এম কে (সম্পা)। *শৌবোল লাইবিৰী* । থৌবাল শলুংফম কালা মেমোবিযেল ম্যেনুস্ক্রপ্ট লাইব্রেবি ২০০২।

শর্ম্মা, চিত্রেশ্বব (সম্পা)। *মৈতৈগী হোঙনেম্বা অমসুং উক্রোং হোঙবা* । ইম্ফাল চিন্তা পব্লিকেসন, ২০০৩।

শর্ম্মা, নন্দলাল। *মৈত্রবাক* ।ইম্ফাল ও কে ষ্টোব, ১৯৬০।

শর্ম্মা, ফুবাইলাৎপম ইবোতোন। *মীতৈ ফিজেৎ লৈতেং* । ইম্ফাল অইবা মশা, ১৯৯০।

শর্ম্মা, বি, চিত্রেশ্বব অমসুং এন কুঞ্জমোহন (সম্পা)। *ৱাবেং-ৱাখল* ।ইম্ফাল সম্পাদকশিং, ১৯৭৩।

শর্ম্মা, বি কুলচন্দ্র। *মৈত্রবাক্কী খুম্নোক-খুন্দবোল*।ইম্ফাল তাম্রা পব্লিকেসন্স, ১৯৯৭।

শর্ম্মা, বি কুলচন্দ্র (সম্পা)। *খুমন্ নিংথৌবোন লম্বুবা*। উৎলৌ এল লোকেন, ১৯৯৮।

শর্ম্মা, বি কুলচন্দ্র। *মৈতৈগী লুহোংবা অমসুং লৌন-লৈনবগী ৱাযেল-ৱাখুল*। ইম্ফাল তাম্রা পব্লিকেসন্স, ১৯৯৮।

শর্ম্মা, বি কুলচন্দ্র। *মৈতৈগী মচুগী মনাৎ*। ইম্ফাল বি বোসন মেনুস্ক্রিপ্ত লাইব্রেবী, ২০০০।

শর্ম্মা, বি কুলচন্দ্র। *মৈদিংঙু গবিবনিৱাঝ/মযাম্বা* ।ইম্ফাল চিবোম যুগেশ্বব সিংহ, ২০০০।

শ্যামকহ্নাই, ক্ষেত্রিমযুম। *মণিপুবগী লৈঙাক্রোন অমসুং লৈঙাক পথাপকী ইতিহাস*। ইম্ফাল অইবা মশা, ১৯৭৮।

সনাজাওবা, এন । *মণিপুব পুৱাবী কুনশুবা চহিচা*। ইম্ফাল নেসনেল বিসার্চ সেন্তর, ১৯৯৭।

হেমচন্দ্র, চনম (সম্পা) । *পাখংবা লাইহুই, পাখংবা ফমবাল, কংলা হওবা*। ইম্ফাল সম্পাদক মশা, ১৯৯৭।

হেমচন্দ্র অমসুং কুলচন্দ্র (সম্পা) । *থাঙমইলোন*। ইম্ফাল সম্পাদকশিং, ১৯৮৯।

যাইমা, খুমল্লম্বম (সম্পা)। *পাখংবা ফম্বাল* । ইম্ফাল সম্পাদক মশা, ১৯৬৭।

যাইমা, খুমল্লম্বম (সম্পা)। *কংলা লৈযাং*। ইম্ফাল সম্পাদক মশা, ১৯৮৭।

য়াইমা, খুমল্লম্বম (সম্পা)। *অবিবা শিগ্নোং* । ইম্ফাল শ্রীঅসেম ইবোমচা সিংহ, ১৯৮৮।

য়েংখোয়বা, ভাগ্য (সম্পা)। *লৈথক-লৈখাবোণ* । ইম্ফাল শ্রীমতি হৈমবতী, ১৯৯৪।

মণিপুবীগী মবমদা ৱাবেং। ইম্ফাল মণিপুবী সাহিত্য পবিষদ, ১৯৮২।

মীতৈ লাইনিং (সেমিনাব পেপব)। ইম্ফাল খোংনাং থাবা প্রেস, খুবাই লমলোং, ১৯৯৭।

(আ) চেফোঙগী আর্টিকল

খেলচন্দ্র, নিংথৌখোংজম। "লম"। *সাহিত্য* ৪০ - ৪১শুবা মশীং, ইম্ফাল ঃ মণিপুবী সাহিত্য পবিষদ।

খেলচন্দ্র, নিংথৌখোংজম। "মণিপুবদা পাল্লম্বা মৈতৈ কাঙলুপশিংগী মবমদা নৈনবা"। *সাহিত্য* ২২শুবা মশীং, ইম্ফাল ঃ মণিপুবী সাহিত্য পবিষদ, আগষ্ট, ১৯৭৪।

চন্দ্রসিং, মোইবাংথেম। "মণিপুবী সংস্কৃতি ইতিহাসকী শক্তম খব"। *সাহিত্য* ২৩শুবা মশীং, ইম্ফাল ঃ মণিপুবী সাহিত্য পবিষদ, ১৯৭৫।

(ই) সেমিনার পেপর

বাহাদুব, মুতুবা। "মণিপুবী সংস্কৃতিদা ফিজেৎ লৈতেং"। ইম্ফাল ঃ দি কলচবেল ফোবম, মণিপুব, মে ২৬, ২০০২।

রঘুমনি, দা ৱাবীবম। "মণিপুবি লোল্‌গি বানান্ কাঙলোন্, ১৯৬৯ নৈনব মীৎয়েং অম"। ইম্ফাল ঃ মণিপুবী লেঙ্গুয়েজ দিবলপমেন্ট সোসাইটি, জুন ২৬-২৭, ১৯৯৯।

(ঈ) খুৎই লাইরিক

"কংলা হৌবা"। ফংফম নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র, উরিপোক, ইম্ফাল।

"খল্লাংবা খুনশুমলোন"। ফংফম নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র, উবিপোক, ইম্ফাল।

"চীংঙুবেম্বী খোঙলুপ"। ফংফম নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র, উবিপোক, ইম্ফাল।

"থিবেল লানম্বা"। ফংফম বি কুলচন্দ্র শর্ম্মা, ব্রহ্মপুর থাঙ্গপাৎ মপাল, ইম্ফাল।

"নিংথৌ ফি শাবা"। ফংফম নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র, উরিপোক, ইম্ফাল।

"পুবোই মশিন"। ফংফম নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র, উবিপোক, ইম্ফাল।

"শাঙ পান্নবা পুন্নমক্কী মশিল"। ফংফম বি কুলচন্দ্র শর্ম্মা, ব্রহ্মপুর থাঙ্গপাৎ মপাল, ইম্ফাল।

"শাঙলোন"। ফংফম নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র, উবিপোক, ইম্ফাল।

"সম্বন্ধি নির্ণয"। ফংফম নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র, উবিপোক, ইম্ফাল।

(খ) ইংরাজী লাইরিক

Barua, Rai Sahib Golap Chandra (Ed) *Ahom Buranji* The Assam Government, 1930

Bhagyachandra, L *A Critical Study of the Religious Philosophy of the Meiteis Before the Advent of Vaisnavism in Manipur* Imphal L Jayanta Kumar Singh, 1991.

Bhattacharjee, Jayanta Bhusan *Cachar under British Rule in North East India* New Delhi Radiant Publishers, 1977

Brown, R *Statistical Account of Manipur* Delhi Sanskaran Prakashak, 1975

Devi, K Indrani, *Report of the Khangabok Excavation, 1996 Manipur* Imphal State Archaeology Art & Culture Department, 1999

Diringer, David *The Alphabet Vol 1* London W1 Hutchinson & Co (Publishers) Ltd., 1968

Diringer, David *The Alphabet Vol 2* London W1 Hutchinson & Co (Publishers) Ltd., 1968

Hodson, T C *The Meitheis* Delhi Low Price Publications, 2003

Iboongohal, Lairenmayum *Introduction to Manipur* Imphal S Ibochaoba Singh, 1987

Jhalajit, R K *A Short History of Manipur* Imphal O K Store, 1965

Jhalajit, R K *A History of Manipuri Literature* Imphal Manipur University, 1987

Johnstone, Sir James *Manipur and Naga Hills* Delhi Manas Publications, 1990

Kirti, M *Religious Development of Manipur in the 18^{th} and 19^{th} Century* Imphal Manipur State Kala Academi, 1980

Mackenzie, Alexander *The North East Frontier of India*

New Delhi Mittal Publications, 2004

Pemberton, R B *The Eastern Frontier of India* New Delhi Mittal Publications, 2000

Singh, O K *Archaeology in Manipur* Imphal 1983

Yumjao, W *An Early History of Manipur,* Imphal

W Lalmani Singh, 1966

A Report of the State Archaeology Department, Directorate of Social Welfare and Arts & Culture, Manipur, 1988

(গ) বেঙ্গলী লাইবিক

গুহ, উপেন্দ্র। কাছাডেব ইতিবৃত্ত। গুৱাহাটী অসম প্রকাশন পবিষদ, ১৯৭১।

***

[illegible]

[illegible] M.A. (M.U.), NET, B.Ed., Rashtrabhasha Ratna (Wardha), Sahitya Ratna (Allahabad) [illegible] J.N. Manipuri Dance Academy, Imphal [illegible] Chorus Repertory Theatre, Imphal, Pantholbi Natya Mandir, Imphal [illegible]